
প্রকৃতিগী তম্পাক্তা



প্রকৃতিগীতস্পাক্কা



প্রকৃতিগী তম্পাক্তা


লমলঙ্কী থরাইবু নুংশিবীরিবশিংগী মফমদা

ডা: খাডেম্বম শামুঙৌ



রাইতর্স ক্লব মণিপুর,
নম্বোল

প্রকৃতিগী তম্পাক্তা
ডা: খাঙেম্বম শামুঙৌগী ৱাবেং



অহানবা ফোঙবা . সেপ্তেম্বৰ, ২০০৪

অফোঙবী : খাঙেম্বম ওংবী পুর্নিমাশী দেবী
বাইতর্স ক্লব মণিপুৰ, নম্বোলগীদমক ফোঙজবা।

ফংফম থোকপা · অইবা

নম্ফম : সৰস্বতী ওফসেট প্রিন্টর্স,
সেগা ৰোড, থৌদা ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল।

মথুম লাই · বোম্বে নেচবেল হিষ্ট্রি সোসাইটি

মমল . লুপা ৮০/-

লাইবিক অসিগী শকক অমতা নৈনবা অমদি বিছার্চকী থবক্তা
নত্তনা অতোপ্পা হিৰমদা শিজিন্নবা পাম্বীববদি
অইবগী অয়াবা লৌবীয়ু।

অইবগী কলম

প্রকৃতিগী তম্পাক্তা কৌবা লাইবিকসি বাবেং তবেৎখক্তগীনি। হৌখিবা চহি কুনমুকসিদা মণিপুরবগী কাচীন কোযা, চীং মান্দা কোযকবদগী থেংনবকপা, উবক তাবকপা লমলক্কী থরাইশিংগী বাকৎ, মখোযগী অবা নুংঙাই বাবীশিংবু হৈত হৈতনা খোমজিনজবগা পাউদমজবনি।

লাইবিকসিগী ব্রাবেং পুম্নমক সনাথোঙ, ঈশং চাযবী, অনৌবা মঙাল, পোক্লফম, হুইযেল লানপাউ, যাকাইবোল, ওল ইন্দিযা রেদিও, দুরদর্সননচিংবগী পাউদম মচা মচা ওইনখ্রে। নীহৌনা অমুক শেমদোক শের্মজিন তৌবগা বাবেং ওহোকচবনি। প্রকৃতিগী ঙহকপা মাতক মঙাল, মাগী মব ওইবা কযাবু মীযামদা যৌহনবিখিবা ই পাউ, মেদিযাগী অশিন অবাকশিংগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচবি।

লাইবিকসিগী **মণিপুর মিলী, নোংইন** কৌবা বাবেংশিংগী অযাম্বা শকক, অদুগা **শঙাই** (লানবন মনংগী শক্তি) কৌবা বাবেংগী শকক খবাদি অনুবাদনি। মশক মতৌদা তোপান্নবনসু মখোয অহুমমক লমদমসিগীদ শকনাইববা লমলক্কী থবাইনি। মণিপুর মশক তাক্লবা লৈবান, উচেকান অদুগা যাবৌ তুরানশানি। অদুগৈ কিংদোন বার্ড, এ.ও হীযুম অদুগা পাবসী এলদনাচংবা বৃতশ মচাশিংনা মখোযগা অহানবা শকউনবদা, মখোযগ শখঙনবা, মালেমদা মখোযগী মশক তাক্লবা তোৎনবদা থেংনাখবা শব নংখাই, মখোযগী থম্মোযদা ফাওখিবা কযাবু পাউদমজানিংদুনা লৈখৎচবা। অদুবু মীওইবা মবক্তা অথোযবা মখোযগী পুক্নিং ইহুলদু অশোনবা ঐগী কলমনা ইথোকপদা অবাৎপা কযা যাওবমগনি। বিগ্যানগী বাহৈ বাতাবু অবাইবা লোন্দা হন্দোকপদা তান মেন চানদবা লৈবমগান। অশোইবা পুম্নমক পাবীবিবশিংনা তাকাপবক্লবদি হবাওনা লৌজগনি।

লাইবিকাস খুৎই ওইর্থৈদা ইবোপিশক নোংথোম্বা, সি আই কলেজগী মণিপুরীগী ওজানা পানিখি। বাহৈগী না পুগী পাওতাক কযা তাকাপবকখি। মসিগীদমক ওজাসিগী লমন তোনাশনজবে।

অবোইবদা লাইবকসিগী দি টি পী তৌবাখবা এস আই এণ্ড কো গী এল চন্দ্রকুমারবু থাগৎচবি।

নম্বোল
আগষ্ট ১৩ ২০০৫

অইবা

ক্লবকী ৱারোল

বাইতর্স ক্লব মণিপুবগী মেম্বব খুদিংমক অইবা/অইবি অমমম ওইগদবনি হাযবগী চৎনবি লৈবনা, মখল মথেলগী লাইবিক কযা পুথোকচদুনা মণিপুবি সাহিত্যদা লেপ্তুনা খুদোল তৌজবকলি। ইবমদমগী কাযথবকলিবা মহৌশাগী শক্তম অমদি লেপ্তুনা মাঙশিনল্কলিবা লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৱাযা কযাগী মবমদা থাদুনা ইবা বাবেং, শৈবেং, ৱাবী-মচা, উপন্যাস খবসু ক্লবনা পুথোকচবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা শৈবেং লাইবিক তকক, ৱাবীমচা লাইবিক মঙা, উপন্যাস অহুম, নৈন-ৱাবেং অহুম অমদি মণিপুবি লোন্দগী হিন্দি লোন্দা অনুবাদ তৌবা অমা, পুন্না লাইবিক তবানিপাল পুথোকচখ্রে।

ডা: খাঙেম্বম শামুঙৌনা ইবা ***প্রকৃতিগী তম্পাক্তা*** মিংথোনবা ৱাবেং লাইবিক অসিনা ক্লবকি তবামাপলশুবা ওঁনা পুথোকচবা লাইবিকনি। মমাঙদসু অইবগী ৱাবীমচা লাইবিক ***সনামানবীগী মীৎয়েং*** মিংথোনবা শঙাই অমদি কৈবুল লমজাওগী অমস্ ক্লবনা পুথোকচখ্রে। মীযাম্না থোইদোক হেন্দোক্লা "শঙাই-শামুঙৌ" হাযনসু শকখঙনববা শা-ঙা, উচেক-ৱাযা অমদি মহৌশাগী ফজববা শক্তমবু লুনা খনজবা অইবগী ***প্রকৃতিগী তম্পাক্তা*** হাযনা মিংথোনবা অসিবু বাইতর্স ক্লব মণিপুব, নম্বোলনা মীযামদা খুৎশিন্নজবগা লোইননা মখা তানা ইথবিবকখিগনি হাযবগী আশাসু অইবগী মফমদা থমজবি।

ৱাজেন সরাংথেম

আগষ্ট ১৫, ২০০৪

নম্বোল

সেক্রেটবী

বাইতস ক্লব মণিপুব, নম্বোল।

য়াওফম

প্রকৃতিগী লোল

প্রকৃতিদি শকনাইদবীনি। ঙমখৈ লৈতবী, লোইনাইদবীনি। মহাকপু 'অসিনি' হাযনা খুৎ থিন্দুনা তাকলুবা নৎত্রগা পুথোকলুবা কনাসু ঙমলোই। পুথোক্কে হোৎনকবসু অবেম্বা তাগনি। শকউবা পোৎশক ওইনা পুথোকপা ঙমদে হায়দুনা মহাক লৈতে হাযবসিবা ? মদুসু নৎতে। চীং, পাৎ, তুরেল, লবুক-লমহাং, উমং-রাম্ং, থরাইপানবা-পান্দবা পুম্নমক মাগী শক্লোন ঙাক্তনি। মীওইবগী ইন্দ্রিশিংনা খঙবা, উবা, তাবা, রাখলনা লাম্বা ফংলিবশিং অসিনা মাগী শক্লোন লৌবত্রা হাযবসু ওইবোই, শক্লোন অমগী শক্তম লিশিং লিশিং লোৎতুনা লৈবমখিনি। অঙানবা সংসাবগী নাকন অমম্বা মবক্তা, ওইথোক্তুনা ওইথোকপা মঙলানগী সংসাবদা, মীৎযেংনা তাম্রিবা মালেমগী ফজবা মবক্তা, লোইনাইদ্রবা অতিযাগী অহাঙবগী পঙ্খেবক্তা, নুংশা মঙালদা পাম্বীশিংগী থৌদাংদা, নিংথৌতুবেলদা থরানমিচাকশিংগী কৌশিঙ-কৌবাংক্তা, নোংদোলদা হিদান্নবিবা লৈচীলগী ফুবা দলান মবক্তা, সমুদ্রা লৈখাগী মঙাল পুবা থরাইশিংগী মবক্তা, তাবমদাই নুমিৎকি মচু মচুগী নোংজাবী লবুক্তা, তাম্রবা চীংনুংদা ঈচিংচায়বীগী ৻তংথাখোল মবক্তা, অহাঙবা মালংদা তুমিৎ-যুবালগী সংসাবদা, শুক্রবা লোকনুংগী অমম্বা পুন্সিবক্তা; থাবল্লে লৈকোন্দা লৈবাং-খোইমুগী রাবীদা, অচিকপা অহিংদা নোংইনগী জগোযদা, লৈশৌবুঙগী অমম্বা সংসাবদা লৈশৌ মুকথুবীগী পুন্সি মবেললক্তা, থাবলনা ফীঙৌববা চীংনুংদা তাম্নাগী খোম্থাং মবক্তা, পাক্লবা ঈযাইদা ঙানু থংগোংনা চিনলোকনবিঙৈদা, মাগী ডঙমদবা মতিক-মযাই, লোল লোইনাইদনা লোইনবমখিনি।

প্রকৃতিদা শক্লোন, শক্তম যাম্বগী মতিক মাগী লোলসু মশিং থিঙমদনা লৈবমনি। খঙনা উনববশিংগী মবক্তা থরাইপান্দবগা থরাইপান্দবগা, থরাই

পান্দবগা থৱাইপানবগা অমসুং থৱাইপানবগা থৱাইপানবশিংগী মবক্তা উপাই কযানা ই-পাউ ফাওনৈ। মখোযদো প্রকৃতিগী লোল ঙাক্তনি। লোল মযামসিবু অঙকপা শক্তিগী থুং অমনা লেংশিনবা ঙম্লবদি চেনা মশিং থিঙমদনা পানবা লাইবিক ওইগনি। শুপাচিল্লগা, থৱাইপান্দবগী লোল অমসুং থৱাইপানবগী লোল হাযনা খাযদোকপা যাগনি। মসিবু তাঙমদবা লোল অমসুং তাঙম্বা লোল নংত্রগা শকউৎতবা লোল অমসুং শকউৎপা লোল হাযনসু তাকনিংগনি। মপান্থোংগী খুখাযথোক ঙাক্তনি। ঈচাওগী মাযওন নাইদে, নুপীগী যুম্নাক লৈতে হাযনবগুম প্রকৃতিগী লোনগী তক-তকবা পৈথ্রে লৈতে, ফীবান দাবী নাইদে - মফম, মতম, কাযদোংফমগী মতুংইন্না অমুক লোনশিন্নৈ, অমুক লাপথোকনৈ: অমুকসু শকনাইহল্লি, অমুকসু শকনাইহন্দে।

থৱাইপান্দবগী লোল

থবাইপানবগী সংসাবসিদা থবাইপান্দবশিংনা হাইনা হুম্না লৈ। মখোযগী লোলনা থৱাইপানবশিংগী নাওশুম হাইবি। অদুগুঙৈ, পৃথিবীনা অহানবা পোকলকপদা মৈবুলগুমলম্মী হায। মতুংদা চহি মিলিযন কযা চংনা অসুম অসুম ইংথবকপগা লোযননা লৈমায কনশিল্লক্লুনা পৃথিবী ওইবকাখি। শকনাইদ্রিবা প্রকৃতিগী লোলনা মালেমদা থৱাইগী মচাক ওইবক্কদৌবিবা পোৎচাকশিং তপ্না তপ্না শেমগৎলকখি। পোৎযান পোংতিন ওইবকখি। পৃথিবীগী অকোযবদা নুংশিৎকি লৈবোল লৈবোল লৈবকখি। শকউদ্রিবা হাযড্রোজেন ওক্সিজেন তিন্নহন্দুনা শকউবা ঈশিং ওইবকখি। চহি কযা নোং লেপ্তুনা চুহন্দুনা সমুদ্রা ঈপাক শেমখি। ঈবোলনুংদা নৌনা ওইবকপা পোৎচাক পোৎযানশিংগা হান্না লৈবম্বশিংগা পুনশিন যানশিন্নহন্দুনা হেন্না মতিক মগুন লেহল্লকই। থৱাইগী মতিক হাপলকই। থৱাই পোকহনখি। মখোযদা পাম্বীগী মতিক মঙাল হাপ্তুনা শকনাইবা প্রকৃতি ওইবকখি লোযননা লোলগী মশা মথেং পুংলকখি। মাগী লোলগী শিঙ্গা অমদা লৈশাৎতবা, লৈশাৎপা পাম্বীশিং লৈহন্দুনা মালেম হশং শংহনখি। শিঙ্গা অমদনা যাংলেন শক পান্দবা অমসুং যাঙলেন শক পানবা তিন-কাং, শা উচেকশিং লৈহনখি। মাগী লোন অমনা ঙানা ঈশিংদা লৈহল্লগা উচেক্লা মালংদা পাইহল্লি। উচি, লিন্না লৈখুলদা লৈহল্লগা যেং, খৈবোইনা উশাদা তোঙনিংহল্লি। 'পিথোকপা লৌশিনবা' হাযবা শিম্বা। পাবম শেমদুনা মালেমগী থৱাইপানবা

থৱাইপান্দবশিংগী খল কাযদনবা, অদুগা লেংলি পাল্লিবশিং পুম্নমক পুন্না হিংমিন্নবগী থৌবাং যাৎপিবম্মী।

ঐখোযনা উতোন ৱাতোনগী মথক্তা যেংখৎলুবদা নুমিৎ-থা, থবানমিচাক, লৈচীলগী লৈবাক যৌদ্রিফাওবা কবিমতা লৈবা উদে। খুৎ হেক ঙম্বমখৈ তিংথোক্লগা হুমাই পাযদুনা তপ্পা তপ্পা হাইকবদা কবিমতা থেংনদবগুম তৌই। অসিগুম্বা মফমবু 'অহাঙবা' হায। মসি তশেংনা চুম্লৱা হাযবদি নৎতে। প্রকৃতিদা অহাঙবা হাযবা অমা লৈতে। নুংশিৎ কৌবা পোৎশক অমা অহাঙবনি হাযবিবা মফমসিদা পিক থন্না লৈ। মশক্তি উদে। খুৎতা পাযবিবা হুমাইনা খবা থুনা যাঙনা হাইকবদা তকম-তকম, অফা-অপুন্নবগুম তৌই। লোযননা হকচাংদা তইং-তইংবগুম ফাওহল্লি। কবিগুম্বা অঙকপা শক্তি অমনা মাইল চা কযা শাংবা কৈবাক অমা যুংবা ঙম্লবা, কৈবাক্তুগী থাক মথং মথং কাখৎতুনা হুমাই হুম্লবা ঙম্লবদি, হুমাইদু ইযাং যাংনা, হকচাংদা কবিমতা ফাওবক্না পুমতাও তাওবক্কনি। মফমদু অহাঙবনি। প্রকৃতিগী বাংমদা।

পকৃতিনা এখোযদা নুংশিংকি মশক উহন্দবগা ইবোইননা কবি কবি যাওবি হাযবসু তাথোক্কে। হংলুদ্রিবমখৈ খুমলক্কে। খঙনিংবশিংনা হংলুবদা, মঙোন্দা গ্যাস, ডফুল, মখল মখা লৈবীকনচিংবা কোইতাও তাওনা শান্নবি হাযবকই। মখোযদো শকউদবা প্রকৃতিগী খুৎনা চেৎনা ফাজিন-কোনশিন্দুনা থমখিবনা লৈতবগুম উবনি। এখোযনা হংলুবদা খুমলক্লিবা খবদুনা নুংশিৎকি মচাক মবল লোইববা হাযবসু নৎতে। মসিদি সমুদ্র থোঙবানগী লৈঙোই লৈবিক খবতমক ওইবর্মানি।

শকউদবা প্রকৃতিগী লোল অমনা নুংশিৎতা যাওবা পোৎচাকশিং ঙহাক্তা তুমিন্না লৈহন্দে। কোথচেল চেলহল্লি, অমগা অমগা থেংগাযনহল্লি, ঈশিং ঈথক্লম ঈপোম হৌহাল্ল। লোলগী শউন অদুক্কী মাতিক চাওবগা ঈথক ঈপোমসু হেন্না মকা লামহল্লি। যাঙনা চেল্লিবা হবাগাডী অনি থেংগাযনবগুম পোৎচাকশিং থেংগাযনদুনা থোজেল থোকহল্ল। শকনাইবা লোল ওইহল্লি। অদুগুম্বা নুংশিৎকি ঈপোমদা এবোপ্লেন, বেদিও, টেলিভিজনগী লম্বী ওইনবি। বিজলীগী খোনি ওইবি। অদুগা মহৌশাগী লোল [১] অমনা নুংশিৎতা

---

১) পোজ[illegible] (।) [illegible] ।

পা-পীগী শক্তম লাংবা চার্জ পাবটিকল মযাম অমা থাদোক্তুনা লমজেল তান্নহল্লি, লাকঙম ফাঙমদবা শক্তি থোকহন্দুনা নোংথাং কুপহল্লি, ব্রজ তাহল্লি। কুপখ্রবা যুবানিযম এটোম মনুংদা পৃথিবীবু মীৎনা কুপ্নদা মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা প্রকৃতিগী লোল ফাজিন্দুনা থম্রি হাযবা লাইপোক ওইবা খবতনা খঙনৈ। লোলসিবু মবমচানা অর্থ থোকহল্লগা অফবগী অফবা, লান্না শিজিন্নবগনা অমাঙবগী অমাঙবা। ফিভমসিদা প্রকৃতিনা মীওইবদা অফবা ব্রাখল মিনুংশিদা, হেন্না পুক্রিং চংনবা শিনবীবস্মী। শিম্বাসিবু থৌওইদ্রবা, লমকেৎ-লমহাইবশিংনা তনৌবিবা লৈগী লৈযোন্দা চংবা তিনগা পাঙখকনি। তিন্দুনা লৈযোল, লৈনা, লৈবিক, লৈবুক মথং মথং চিকথৎলক্তুনা উঁহে মক যাওহন্দনা অবোইবদা পাম্বীদুগী ধাবা কাঙখুল মাঙহল্লকপগুম, মখোযসু সমাজগী যেক্লবা ওইবকই। হীবোই যাওদবা হিনা অপাকপা ঈপাক্তা মাযকৈ শলাই খঙলক্তবগুম মখোযসু বাখলগী পল্লেপফম লৈবক্তে। মযাই কাববা যাইশাগুম মনিং মথা তমলকই। কল্লক, মীহৈ, অপাম লাংনা মীওইবা খুনাইগী মাঙ-তাক্লবা তৌবকই। অনিশুবা লাঞ্জাওদা এতোমগী শক্তিনা হিবোসিমা, নাগাশাখি মবাইবক থিখি।

প্রকৃতিগী লোল অমনা ঈশিংবু শক্লোন যান্বী ওইহল্লি। মাগী শক্লোন অমনা অহাংবা মালংদা শান্নহল্লি। শক্লোন অমনা ঈপাক ঈবং ওইহল্লি। অহুমশুবা শক্লোন্না লুপা ফিভৌ ফৌহল্লি। মাগী ঈশৈ অমনা উনগী চীংজাও কপহন্দুনা গঙ্গা, ব্রমহপুত্রগী ঈচেল লেপহন্দ্রি।

প্রকৃতিগী লোল অমনা অদুঙে, থবাইপানবশিংগী থবাই যাওদ্রবা হকচাংবু লৈনুংদা লোৎশিনখি। চহী যুগ কযা চংনা নেচবেল গ্যাস, কোযলা, থাও ওইহনখি। মাগী ঈশৈ অমনা যোৎ, সনা, লুপা, নোংদাব, বেদিও এক্তিব পোৎচাক কযাসু মীওইবগীদমক লিশিন্দুনা থম্বীবি। মাগী মীৎযেং অমনা নোংলিকশিংগী মমাংদা নুংশা মঙাল খাঙঙমদে, মশাগী মচু তবেং পুথোক্তুনা অনিযাদা চুমথাংগী ভগোয শাহল্লি।

থবাইপানবগী লোল

থবাইপানবশিংদা মশা। মশাগী অপাম্বা, অনিংবা, থম্মোযগী ইহুল কযা ফোঙদোক্লবগী মতিক লৈ। মদু মখোযগী লোলনি। অদুগা, লোন্দুবু থোকহল্লিবা শকতদনা ঈথিল অদুনা প্রকৃতিগী লোলনি। ঈথিলদুমক

জীবশিংগী মবক্তা কনানা খৌজেংনা; কনাগীনা হকচাংগী শাথেক, খোঙথাং, মীৎয়েং, ইংগিৎ অদুগা কনাগীনা হকচাংগী ইনিল, মবেক-মহাউ, মঙাল, মনমশিংনা ফোঙদোকনৈ। মফোঙদোক্কী মতুংইন্না খোঞ্জেল খোকপা **খৌজেং লোল** অদুগা খোঞ্জেং খোক্তুবা **হকচাং শাথেক লোল** হায়বসি। অনিসি অমনা হকচাংনি অদুগা অমনা মমিনি। অমনা মঙালনি অদুগা অমনা মৈশানি। অমনা লৈবাংনি অদুগা অমনা লৈনম।

কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনবা থরাইপানবশিংগী মবক্তা অমনা অমগী লোনবুদি খঙনদে। খঙননবগী মতিকসু প্রকৃতিনা হাপ্লীবমদে। হাপলম্লবদি জীবশিংগী মবক্তা খেন্নবা লৈবমলোই। অমুকসু, থরাইপানবা কনামতনা প্রকৃতিগী লোল খুদিংমক খঙবসু ওইথোক্তে। জীব পানবশিংগী মবক্তা খ্বাইদগী অথোযবনি শীংথানবিবা মীওইবা ফাওবদা মহাক্কী অবোল-অথুপ খবতমক খঙহল্লম্মী। মসিমক নৎলমদ্রবদি মীওইববু লাক্লবা অমুক্কা হেন্না বাবমগনি। মহাক্কী অথোৎপা, অমেঙবা, ফজবা, নুংশিবা, অচুম্বা শুমহৎযাই পুম্নমক মীওইবগী অপাম মীহৌলাংদা থুবমগনি।

প্রকৃতিদা পাম্বী অমসুং শা উচেক খুদিংমক্কী লোল লৈ। অদুবু মফোঙদোক্তি তোঙাল্লি। থবাইপানবা পাম্বীদা প্রকৃতিনা থম্মোযদি হাপ্লীবমদমালে। মখোযদা অপাম-নুংশি লৈতে, কল্লক-মীহৌবা পোকহন্দে। শাহিং চাববসু কৈ-নোংশাশিংদি থমোযসু পালহল্লি। মখোযদা পা-পী খাযনা ইমুং মনুং লিংহল্লি। পানা ইমুংগী মকোক ওইনা লৈফমগী অকোযবদা কোযনা চৎতুনা অমাং-অশোয তৌশিলহল্লি। ঈশিং চৎশিলহল্লি। উজাও উবেলদা মবেং ঙাহল্লি। মতু তকহল্লি। মবৈনা লেকহল্লি। লোম্নোক্তুবা **হকচাংগী মনম লোল**না 'ঐগী ইমুং মনুংগী লৈফমনি, অতোপ্পা কনা চংলক্কনু' হাযবনি। হকচাং মনম লোলগী মতিক মযাইসি যুম্বানথাদা অমুক হেল্লি। মতমসিদা মুগাতিল মখল খবগী লাবনা মাইল মঙা তকক লাপ্পা লৈনবিবা অমোমগী লৈফম খঙই। অদুগা, অচৌবা শাশিংগী মবক্তা অমোম হাকন্নবিবা লাবা অমগী লৈফমদা অতোপ্পনা খক চংনদে। চংলক্রগাদি হান্না লৈবম্রিবা অদুবু উশিৎতে হাযবনি। মখোয অনি অঙম্বা খঙদোকনা মাযোকনহল্লি। মাযথিববা অদুবু অঙম্বনা তাথি তাওই তৌহল্লি। হাৎনহল্লি। হিংবদা মতিক চাবা অদুতমক লৈহৌবগা মতিক চাদবশিংদি মাঙহল্লি হাযবসু

প্রকৃতিগী থৌবাংনি । শা উচেকশিংদা থমোয পানবগী মতিক মপা-মমানা মচাশিং যোক থাকই । মখোযনা চাগদৌবফাও যাম্না নুংশিনা মচাশিংদা পিজে ।

শা-উচেক্কুম্না পাম্বীশিংসু অবাম থৌবাংবা, অবা-নুংঙাই খঙই । মদু মখোযগী মতৌনা খঙহল্লি । প্রকৃতিগী পোৎথোক থরাইপানবা অমনা মশাগী অরা-নুংঙাই ফোঙদোক্লবা উপায লৈতবা হৌনরা ? মদু খোঙ্গোক্তবা পাম্বীগী লোননি । মশিঙসু অঙকপা ফংনা যামহল্লি । খঙবা ঙম্বা পঞ্ছেগী মনুংদা-নুংথিল-নুংশাদা শিকংনকবা পাম্বীশিং অহিং লিক্লানা তেকখৎহল্লি । নুংশা মঙাল ফংদবা কানুংদা পাম্বীনা লৈনিংদে। মখোযনা অমম্ববু কি। অমম্বা মবক্তা হকচাং কুচু তাইফেৎ তাইনা অকিবা খাঙহল্লি । ফিভমসিদা ফক্লাং তিনখুনদা নুংশা মঙাল উববদি কযাম হবাওজৈ। মঙালগী মাযকৈদা মতোন মনৌনা মায ওল্লকই । অমুকসু, লৈ অমদা কবি কবি যাওই ? মীৎনা উবদা লৈনা কযাৎ মখল মবির্নি । লাবোল কুযোম নাইনা লৈ । প্রকৃতিগী লোল অমনা লৈনা খুদিংমক্কী মশক মান্নহন্দে। মথৌ তোঙালহল্লি। মপাল থংবা লৈনানা হাযবি - 'ঐনা মনুংগী লৈনা, লবোলশিংগী মপী মপানি । মখোযবু ঙাক শেনবনি ।' মথংগীনা 'ঐগী ইশক-ইতৌ লৈনম্না খোইমু, খোইনিং, হযিংখোই, কুবাকশিং শুমহৎকনি । মখোযবু ঙাওহনগনি । ইথৌ লাংহনগনি । মঙ্গনা শুমহৎলবা অমগুম ইনাক্তা লেংদনা লৈহনগনি' । অহুমশুবনা - 'পুঙবা নাইবা তাইবংদা ঐনা যেৎনি । ঐগী লৈবিক্লা পা মকনি । লৈবিকখাওনা পা মকগী পুক্কেনি' । মনুং ইথং-থংবা অদুনা - 'ঐনা ওইনি । সিযোমনুংদা পী মক যাওবি। কনা খঙহন্দনা। মসিবু পা মকগা তিন্নহনগে। উঁহে মক চংহনগে। চাদা কাঙখুল মুৎহৌদনবা । অদুগা, ঐদি পাঙ্গল শোনবীনি । কৈশুমশংগী বন্দিনি । ইনিং তম্না পা মক খুল্লবা ঙমদে । হযিংখোই, কুবাক মখোযনা লংবিবকপা লৈবিক মকবু থরাই তানা ওকচনি । মখোযগীদমকনি ঐনা লৈহী ঈফুৎ লাংলিবা। ঐগী অবৈবসু পিগনি। মখোযগী মতেংসু লৌগনি। চাবসনু, থক্লসনু । মখোযগী অপাম্বনা ঐগী চাদা হৈক চঙহৌনি' ।

প্রকৃতিগী লোলগী শিঙ্গা অমদা লৈগী পা মক, পী মক তিন্নহল্লি । সেল অমতগী হকচাংদা থরাই মীতম লাংহল্লি । তোঙান তোঙানবা মাগী লোলনা সেল অমদগী অনি, মবি, নিপাল মথং মথং শকনাইদবা সেল মযামগী

হকচাং ওইহল্লি। মতুংদা শকনাইবা সেল ওইহন্দুনা কযাৎ শক্তম লাংলে, থব্রাইনা কনা খঙহন-উহন্দনা যাতাবি। মহৌশাগী ঈশিং, নুংশিৎ, নুংশা লাংহন্দুনা মকনা অমুক মীকপ থোকহল্লি। মতোন চোংদুনা অনৌবা পাম্বী ওইহল্লি। নুমিৎ, থা খবনিদা পাম্বীবু অমুক লৈশাৎ তমহল্লি। অসুম্না তেনখ্রবা পাম্বী অমগী পুন্সিনা প্রকৃতিদা পাম্বী মখল মখা লৈবকখিবগী চহি মিলিয়ন কযা লাপখ্রবা পুরাবীবু ময়েক লানা লিহল্লি। মালেমদা অহানবা লৈবকখিবা থব্রাইদি সেল অমতগী হকচাংনি, মতুংদা তপ্পা তপ্পা সেল কযাৎ মযাম, মখল-মখা যাওবা পাম্বীশিং ওইবকখি হাযবি। লৈগুম্না পাম্বীগী মউ-মবা, মনা কযাৎ লিশিং লিশিংগী লোল লিশিং লিশিং লৈবমনি। পাম্বী অমগী লোন্না অসুক যাম্রবদা মালেমদা লৈবিবা পাম্বী মখল মযামসিগী লোল কযাম যামলমনি ?

প্রকৃতিদা শা-উচেক্কী লোলনা অমুক্কা হেন্না মপাল নাইদে। থোংনাং উজাওগুম পুঙই। মসিমক পাম্বীশিংগীনা লেংদবা পুন্সি অদুগা শাশিংনা মফম মতমগী মতুংইন্না মৈশা লাংলুগদৌবশিংদু মাংজৌননা খঙলবা প্রকৃতিনা হাপ্পীবম্বা ওইবমগনি। শক্লোন অমদা, ঙাবাকপী অমা ঈশিং মপাল, উশাদা তোংলি। কবিবু খল্লিবা ? উচেক্কু উকবদা মীওই কযাগী মীৎযেং, ব্রাহ্মোক তোঙান-তোঙাননি – কনানা, ইচম চম্না ফজবা উচেক অমা ঈশিং মপালদা তোংলি হাযগনি। কনানা, উচেক্কু কবিনো, কৈদৌবা তোংলবিনো খনগনি। কনানা, উচেক্কুগী ফজবা মতৌ, মাগী কুচুগা উনা-ব্রানাশিংগা চাশিন চুশিন্নবগী মবমদা খল্লুনি। কনানা, মহাক্কী নোংজু-নুংশা থৌওইদনা খাঙবা কনবা মতৌ, অপীকপা উশাদা উইবি উইবি তোংবা ঙম্বগী শক্তি থিকনি। কনানা, উচেকশিনা চৎথবক্কদৌবা থৌবম পবেং ঙানা ঈশিংদা চাখৎলকপা উবগা মানা উশাদগী চপযুংনা পাইবকপা, খুৎলৈ থুনা ঙা লাকলুবা, চেনখিবা, মকোন্দা অবাম-থৌবাং খাঙলিবা মচাশিংদা ইনবীকবা, মচাশিংনা হবাওজগদৌবশিংদু ব্রাখলগী মীৎনা শং-শং উবমগনি। কনানা, ঙাবাকপীগী শউম খঙলু উকবদগী ঈশিংদা চাখৎলম্বা ঙানা ঈশিংদা অমুক লুপথখিবা, ফাবা ফংহৌদ্রবা মহাক্না নিংবা কাযনা উশাদা অমুক তোংলবা, মমানা মচাগীদমক ব্রাজবা, মপুক লাম্রবা মচাশিংনা মমা হল্লকপা ঙাইবমগদৌবা শক্তম পবেং অমা লাকশিনবসু যাওবমগনি। ঙাবাকপীনা ঙা লুমলিঙৈদা কনাগুম্বগী শাইবোং, নাওবী, লৈতুম্না পান্দুনা মমাদু শিববা, মহুমদগী পাইবা ঙমদ্রিবা মচাশিংনা ব্রাহৌগদৌবশিং অদুগীদমক ব্রাজবসু লৈবমগনি। ঙাবাকপীগী

তোংশাবু কল্লকপা তাকশী শোনবসু য়াওরমগনি। ঙারাকপী অমা উরুবদা মীওইবদা মখল মখা ব্লাখল অসুক য়াম্না পোকহল্লিবা অসিমক প্রকৃতিগী লোল মশিং য়াম্মী হায়বনি। প্রকৃতিদা ঙারাকপীগুম মশিং লাকঙমদ্রবা শা-উচেকশিংগী লোলগা ঙমখৈ চাংজৌ লৈতবা অতিয়াগী থব্রানমিচাকশিংগা মশিং কনাগীনা হেল্লমনি ?

থব্রাইপানবশিংগী মবক্তা মিসোজোয়ক য়ুগকী দাইনোশোরশিং অঙকপা ফংনা চাও-শাংলম্মী। ফুট ৮০-১০০ ফাওবা শাংলমগদৌবা, টন ১০০ হেন্না লুমলমগদৌবা মখোয়দা প্রকৃতিনা হিংচা য়াইতম্বগী মতিক হাপখি। মখোয়বু শাংলবা চহি মিলিয়ন ৪০-৫০ মুক মালেমদা হাইনা হুম্না লৈহনখি। মতমগী য়াওলদা মখোয় অমুক খোঙ্গুল মুৎহনখিবসু প্রকৃতিননি – লবুক লমহাং, চীং-মান, পাৎ-তুরেল অয়াম্বা উন মপাক-মপাক্লা কুপশিনহনখি। পুকচাওবা মখোয়গী পুকথন্না চানবা চিঞ্জাক ফংহনখিদে। লৌশিংগী মঙাল হেন্না হাপ্তুনা অনৌ-অনৌবা শা-উচেক্কী মখল পুথোক্তুনা দাইনোশোরশিংবু মচেৎ-মচেৎ শেৎহলখি। প্রকৃতিগী লোন অমনা চহি মিলিয়ন কয়া চংনা পৃথিবীগী লৈনুংদা লিশিন-তাশিন্দুনা থিল্লিবা শা-উচেকশিংগী শরু-শয়াং, খোঙ্গুল, অতৈ খুদম-চাংদমশিংনা হায়রি – দাইনোশোরশিংদো চহি মিলিয়ন ৬০ মুক শুরে মাঙখিবা।

প্রকৃতিনা শাশিংগী পুন্সি তাক্কক্লা চানবা লৈফম-চাফম, পুন্সি মবেল শেম্বীরম্মী। হঙোইনা মরুম-মচা ওইরিঙৈ ঈশিংদা লৈহল্লগা নাপী, মক-মরাং চাহল্লি। উথক্তা লৈবা হঙোই তাংশাং, শেম্পাকফাও মকুম-মথা ওইরক্লগা ঈশিং তুঙফম থিহল্লি। মচা (ঙাচক) হেক ওনবগা ঈশিংদা ওম্বগদৌবা মফমদা মরুম কোকহল্লি। মীওইবগীসু অঙাং ওইরিঙৈ মমাগী তম্পাক্লা সংসারনি। তুমিৎশিংগীদি হৈবোং মনুংবু চাওববা সংসারনি। লৈশৌবুংগী অমম্বা সংসাবদা লৈশৌ, ককচেংশিংগী লাইবৈবাক ওইহল্লি। মীওইবদা লাযনা-তিন্না পোকহল্লিবা মহিক অয়াম্বগী পুন্সি তাক্কক খরা অতোপ্পা জীবশিংদা কায়দোংফম লৌহল্লি – মেলবিয়াগী মহিক প্লাসমোদিয়াম কৌবনা কাংগী চাকখাওদা মরুম-মচা কোকহল্লি। কোলেবা, টাইফোয়তশিংগী মহিক হয়িংনা শন্দোকহল্লি। প্রকৃতিগী লোন্না সমুদ্রা ঈথক হৌহল্লি। ঈশিং ঈয়াইদা মকম-মচা কোকপা য়াদবা জীবশিং ঈথক কারকপদা য়াওহল্লি। তেনখ্রবা মতম খবগী

মনুংদা তোরবান লৈঙোয় হুৎতুনা মকম-মচা কোকহল্লগা মথং ঈথক্কা ইবোইননা অমুক হনখিনবা শিল্লম্মী । মালেম লৈশানা মকম-মচাশিংগী যোকচবী ওইহল্লি । মীওইবা যাওনা হঙোই, চুম, লিন, উচেক, খোমথকপা শাশিংগীনা খৌজেংগী লোননি ।

অদুগা, খোঞ্জেল খোক্লবসু কৌজেং, হাবৌ, চীং-হাবি, হাবিনোংনাং, কাঙ, ৱাহী, পুকশ্রি, থৱাইলাকপী, তাম্নানচিংবগী খোঞ্জেলদি খৌজেংগী খোন্থোক নংতে, **শাখপ লোন** হায়বসি । প্রকৃতিনা মখোযদা মশা (ৱীং), মখোঙনা হকচাংদা তক্লবগা খোঞ্জেল থোকহন্নবগী শক্তি হাপ্লীবম্মী । খৌজেংগী খোন্থোক নংএবসু তিন-কাংশিংগী শাখপ খোঞ্জেল হৌই । পিকখ্রবা কাঙ অমনা পাইবদা খোক্লিবা 'ঙোং, ঙোং ...', হকচাং মপিক্কা অদুক হৌনি থাজদে । অপীকপা জীবশিং অসিগী মশানা হকচাং নংত্রগা মখোঙগা নকশিন্নবা নংত্রগা থুনা-যাঙনা তকনবগী মতুংইন্না খোঞ্জেলগী অহৌবা, অযাকপা, অতপ্পা, অমেংবনচিংবা লেপ্পী ।

প্রকৃতিগী চাংযেং অমনা শা-উচেকশিংগী খোন্থোক তোঙালহল্লি । তানিংবা যাওহল্লি, তানিংদবসু কোঙ্গাইনি । থৱাইলাকপীনা খেকপা, ক্লাক্লা লাক্লা-লাক্লা খোংবা, মকুনা নাহেবা, লমহুইনা তেংথাবা, যোংমুনা লাওবা, ... কনামতনা তানিংদে । অকি-মিপাইদুম পোকহল্লি । অদুগা, লমখুনুগী কুক্রু-কু-কু- ..., পিথাদোইগী পি-পি-পিপ-পি. . , কোকিলগী কুহু-কুহু..., তম্নাগী তাম-তাম ... খোন্থাংশিংদি তানিংহল্লি । কবি, অঁশেবশিংবু ৱাখল ঈপাক্তা হেক হেক লংথৈ ।

প্রকৃতিদা থৱাইপানবশিংগী মবক্তা মতৌ তম্নবগী লোল মপুঙ ফাই । 'কৈগী মপান নাপীনা তাংই নাপীগী মপান কৈনা তাংই' পাওবৌনৈ । অকোযবগী ফিভমগা চাশিন-চুশিন্ননা ঙহাক লৈতনা মচু হোংদোক হোংজিন ঙম্বদা কেমীলিয়ন(১) শিংথানৈ । হঙোই অযাম্বা লৈক-লৈকবা মফমগী মতুংইন্না মচু ওল্লি । তিনখাক, তিল্লাইখোম্বী, থক, অঙাংচাবী, উফক, কুবাক, মৈবম্বী, উশিংশা, মৈতালচাবী, কৌজেং-হাবৌ মখলশিংনা মা-মানা লৈকবা মফমগী

(১) *কেমীলিয়ন ঃ* নুমিৎযুংবী চুমগা কংলুপ তিন্নবা শা । মণিপুরদা শা মখলসি লৈতে । থা ভাবক্ত ফংই ।

মওং-মতৌ, মচুশিংগা চাশিন-চুশিন্নবা শিনবীবম্মী। মান্নমনখিবনা মফমদুদা মখোয লৈ হাযবা পাক হেক্তা খঙহন্দে। থব্রাইপানবশিংগী মবক্তা খ্বাইদগী মীৎ থোই শিংথানবিবা উচেকশিংনফাও মখোয লৈ হাযবা খঙহন্দে। উহন্দে। মশক খন্দোকপা ব্রাহল্লি। অসুম্না অপীকপা জীবশিংশিদা মশাবু য়েক্রবদগী কনজনবা অদুগা মশাগী চিঞ্জাক থিবদসু মতেং ওইনবা মতিক-মঙাল হাপ্লীবম্মী। তাম্নাগী পাকথোক পাকপা, ঙনাগুম মযাৎ-মযাৎ, শংত্রিক শংবা মতৌনা উনাবক্তা তোংলিঙৈ উবা ফংহন্দে। সমুদ্রগী জীব কযাসু উশা-ব্রাশা মালহল্লি। হকচাংপুন্না মবাং-তুবাংহন্দুনা অকিবা উৎপসু কোঙ্গাইনি।

প্রকৃতিনা চাবোকথাদা অবাপ-অবাপ্পদা লৈনখিবা লাব-অমোমশিংগী লৈফম **খোঞ্জেল লোল** নৎত্রগা **হকচাং মনম লোল** না খঙহল্লি। অদুগা, পুঙবা নাইবা মখোযগী মবক্তা যেৎ (পা) ওইবনা হেন্না চুং-ফিবাল চানা ফজহল্লি। খোঞ্জেল খোঙ্গোকসু (মীওইবা নৎতনা) হেন্না নালহল্লি। হঙোইগুম্বা খবদি লাববু খোঞ্জেল খোকহল্লগা অমোমবুনা লোঙ্গোক্তবী ওইহল্লি। খোঞ্জেল নৎত্রগা হকচাংগী শাথেক জগোযনা লাবনা অমোম্বু পেলহনবা নৎত্রগা অমোম্না লাববু পেলহনবসু যাওই। কোকলিগুম্না জীব খবগীদি চাবোকথাগী খোল্লৈ-খোঙ্গোক্লা অতৈ মতমদগী হেন্না শুমহৎযাই চেলহল্লি। অদুগা যুম্বান্নবা হেক লোইবগা লোঙ্গোক্তবা মতৌগুম উনা-বানাবক্তা লোৎহল্লি। খুনু লাবগী মখৌ পোঙনা খোংলগা কোযনা লৈন৷ শাবা জগোইনা অমোম ওইবীশিং পেলহল্লি। থমোয ইবাং হৌহল্লি। মীৎ থকপমখৈ মচু-মচুগী মতু মযাম ফন্দোক্তুনা শাবকপা ব্রাহোং, নোংইন, ঙানু, যেন লাবশিংগী জগোইদা ওই (পী) ওইবীশিং লৈঙমদে; মতু ফিজোল হাইদোক্তুনা যেৎ ওইবশিংগী মাংদা কেথ নৌথৈজে। শজি শঙাই, নোংশা, শন, ইবোই লাবগী তিঙদা-যাঙদা, ফজবা শাবান, লেং-তানা নোযপেল্লবা ঙকশমদা মতু জুম জুম তাবা মতৌদা অমোমশিং পুমপেল পেলহল্লি। পংথহল্লি।

লমলক্কী থবাইশিংদা যুম্বান্নবা মতম প্রকৃতিগী লোন্না অতৈ মতমদগী খ্বাইদগী তনাল তনাল মশা মবেং লোংই। মতমসিদা শা-উচেকশিংবু মহুম মকোন শানিংবগী ইশুল পোকহল্লি। লোইননা মকম, মচা কোকফম/পোকফম খলহল্লি। থৌবাংসি লাব-অমোম পুন্না তৌমিন্নহনবসু যাওই অদুগা অমোমনা শিল লাংহল্লগা লাবা যাওহন্দবসু কযানি। মহুম শাবা লোইবকপগী লোলনা

অমোমশিংবু ঈযেক-নাওয়েক ফাওহল্লি। মকম মচা পোকহিল্ল। মচা নুংশিবগী ইহুল ফাওহন্দুনা উচেকশিংবু মকম কোলহল্লি। প্রকৃতিগী লোল অমনা ঙা, হঙোই, চুম, লিন, থেংগুশিংবুদি মমানা মকম কোলহন্দে। মালেম লৈমবু যোকচবী মমা ওইহল্লি। কোকিলবু লৌনম শাজৎ চৎহল্লি, অতোপ্পা উচেক্কী মকোন্দা মাগী মকম কোকশিলহল্লি। মচা যোকহল্লি। মচা ওইবিঙে, মমানা চাগদৌবা চিঞ্জাক মচাশিংদা পিজহল্লি। ঙানু থংগোং, নোংইন, লাংমৈদোংশিংদি পুন্সিচুপ্পা লাব-অমোম থাদোকনহন্দে। পুঙবা কাযনদনা পাইমিন্নহল্লি। চাক্তামিন্নহল্লি। যাবেকমিন্নহল্লি। শাদানবগী খুৎতা তাথবা মপাঙ অমগীদমক লৈহৌবিবা অদুনা তেংথা-নাওইনা কপঁচে। লাংমৈদোংবু লাব-অমোম চংনা উজাও উক্রোং থিমিন্নহল্লি। হেক ফংবগা অমোম্না মনুং চংহল্লগা লাবনা মখুল মচা অমা থাকহৌবগা উক্রোং মমায মেনশিনহল্লি। উক্রোং মনুংদা হেক চংখিবগা অমোমবু ঈযেক নাওযেক ফাওহন্দুনা মকম কোকহল্লি। কোলহল্লি। লাবনা অমোমগী চিঞ্জাক পুবকহল্লি। মচা হেক ওনবগা মমাবু মপাল থোকহল্লি। লাব-অমোম শিলওন শিনজিন মচাশিংগী চিঞ্জাক ইলহল্লি। তোঙান তোঙানবা প্রকৃতিগী লোলনা অতৈ জীবশিংগী লাব-অমোমশিংসু মাগী মাগী মথৌ কাযদনা তৌহল্লি। অতৈ জীব মচাশিংসু পা পীগী লৈনবা মবী, মচা মশু নুংশিবা খঙলমনি। মসিবু বাহৈনা, থবক্লা উৎপা ঙম্বশিংনা ফোঙদোকই, ঙমদবশিংদসু প্রকৃতিগী লোলগী মতিক-মযাইদি মযেং তাবমলোই। মতম মতমগী মতুংইন্না মাগী চাংযেংদা মাযপাকপা, মাযথিবা অনিমক যাওবমগনি।

মালেমগী লেঙ্গলি পাল্লিবা খুদিংমক্কী মথৌ-মঙম পুম্নমক প্রকৃতিগী লোন অমনা হাকথেংননা নৎত্রগা নাকোযননা চুপলি পায। থোঞ্জেল থোক্রুবসু হযিংখোইগী **হকচাং শাথেক লোল** তশেং তশেংই। মাগী খোযবাথক্তা 'থেক্কা থেক, নৌগা নৌ' জগোইনা অবাপ্পদা লৈশাৎফম মাযকৈ, লৈখল, লৈহিগী অযাম যামদা পুম্নমক ফোঙদোকই। ককচেং অমতা থোঞ্জেল থোক্রা ৱাবী শান্নদে। মখোযগী **হকচাং মনম লোল** না অচা অখক লৈফম তন্না মখোয মযাম পবেং কাযদনা চৎমিন্নহল্লি। পোৎলুম পুমিন্নহল্লি। প্রকৃতিগী ঈশৈনা মুকথ্রুবীশিং কঙাওনহাল্লি। অমম্বা লৈশৌবুংদগী অঙানবা সংসাব মিতাহল্লি। শেম্বাং চবোইশিং হবাওহল্লি। মৈবাম্বীনা মৈবীদা পাইশিলহনবসু মাগী লোলনি। মাগী পঙলোন তাঙ্গাদা শা উচেকশিংনা মতম

খবগী অৱা-অনা লেন্নবা পোক্নফম লমদম থাদোকহল্লি । যুমহোংহল্লি । অপীকপা শেম্বাং, খম্ৱাংচাকশিংবু উনগী লৈবাক্তগী ঐখোযগী ইনাক যৌবকহল্লি, ফৌওইবী লাইবেম্বীগী শাদোং ওইহল্লে । নিংথমথাদা য়ুরোপ, চিন, জাপান, কানাদা, লাদাকনচিংবা মফমদগী ঙানু থংগোং, ঙানু খাবা, থোইদিংনম, কাঙা পবেং পবেংনা লোক্তাক পাৎতা চাক্তাইল্লে । হবাও তযাম্না শান্নহল্লে । মখোং-মখুৎ পান্দবা সমুদ্রগী ঙাবিল-লাইনানা মাইল লিশিং লিশিং তুবেল খোংনুং ইন্না ঐখোযগী পাৎ তুবেলদা চাগোকহল্লে । পুন্সি মোংফম ওইহল্লে । মমানা তাকলমদ্রবসু মচাশিংনা মমানা লাকখিবা লম্বী পবিংদা অমুক হন্না সমুদ্র যৌহনখি । অপীকপা থৱাইশিংনা মাইল লিশিং লাপ্পা যুম হোংহনবদা লম্বী লমুকনহন্দ্রিবা প্রকৃতিগী লোনগী মতিক মগুন কয়া লৈখ্রবনো ?

প্রকৃতিদা, ঊচিথেম্বীগী মশা শাখপ লোন্না ঊচিশিং পংথহল্লি । মীওইবনা তাবা ফংদবা লোনশিগী শুমহৎযাইনা ঊচিবু লৈখুলদা লৈবা ঙমহন্দে – 'ইমা লাক্লে থোবক্লো' হায়বগুম্না কৌথোকই । প্রকৃতিগী লোন অমনা শেকপীবু অমম্বা অহিংদা নিঙাইদনা পাইহল্লি । কৈ, মকু, লিনশিংবু অহিং চাক্তাবা থোকহল্লি । যেক্লবগা মাযোক্লবা ঙম্নবা সেপীযানা [৩] মশাদগী মুককুম্বা মচু কামথোক্তুনা ঈশিং পুম্নমক মমহল্লি । মাগী লৈফম উহন্দে । লিনবু 'খু-খু' কামহল্লে । শাফুনা (ককচেং চাবী) মশা কাংদ্রুমগুম তুমপক তাশিলহল্লি । উচেকশিংনা মশা ফন্দোক্তুনা, মযা কাথোক্তুনা চিকলকদৌবগুম উহল্লি । শন, ইবোই, হুই, হৌদোং, কৈ, নোংশাশিংনা মচী, মযা উৎতুনা অশাওবা শক্তম উহল্লি । শাজি শঙাইবু খোঙজেল যাঙহল্লি ।

মালেমসিদা থবাইপান্দবগী লোন, থৱাইপানবগী লোন অনীসি শেন মযেক অমগী নাকল অনীনি । অঙানবনা অমম্বগা লোয়নবগুম্মী । কালেন নুংশা শিংনদুনা সমুদ্র ঈপাক খোল্লকপা খা-নোংচুপকি মৌসমীবু লাইমতোন লালহল্লে অদুগা কৌব্রুগী লেমফুদা, নোংমাইজীংগী লুতোন্দা লুগুপ থাকন মথোল মথোলগী ঙৌবোক ঙৌবা, মুশুক মুবা ফুবা দলাল শাহল্লি । লৈচিলগী দোলাইদা তোংলকপী জগোইশাবী শকহেনবীশিংনা কনানা কৌব্রুগী, কনানা

---

(৩) সেপায়া : সমুদ্রদা লেবা, মরোম কোংগেংগা কাচলপ তিন্নবা যাংলেনা শরু পান্দবা জীব ।

নোংমাইজীংগী সনা শঙ্গাইনুংদগী খুবাক খুনা চৈনরকপা, লাওনরকপা, অৱাই-অথুম, কাপনরকপা মীচী তেন্না নোংদোল খেক্লা ঙালহল্লি। মতৌসিনা নোংগৌবী, হঙোইবু, নিংথম মীৎকপ থোকহল্লি, খোম্বাং য়ৈনা কুমদম ঈশৈ, নোংকৌ শৈহেকহল্লি। থাবলগী ঈপোম্না নারক্তগী নোংইন লাব-অমোম কৌথোকই। থমোই ইরাং হৌনা জগোই খোঙথাং উৎহল্লি। কালেনগী য়াক্লবা মৈশানা লৈনুংদা লৈপাকলৈ তুম্বা য়াহন্দে, তনৌরবী মহাক্লা থমোয় নুঙগুম কলহল্লি। মায়থোং মকা লামলকই। লৈশং, লৈরী, কোম্বীরৈবু শজিবু চৈরাওবা য়াওহল্লি। ইংঙা নোংজু ঈশৈনা লৈসনম লৈয়োল চোংহল্লি। হারি নোংনাংবু কপহল্লি।

প্রকৃতিগী লোলগী পুংলোন তাম্বানা ক্বাক, চরোই, উবেনকোম্বৌ, খোইনিং, উচিনাও, য়েন, ঙরাকপীশিংবু অহিংগী পুংজা খঙনা মীকপ থোকহল্লি। কুমগী ঈচাও থোক্লনি হায়বা ঙানু পেদেক, পেদকোৎশিংদা পাওজেলহল্লি। খুদক্তা হোংলক্কদৌবা নোংজু-নুংশাগী ফিভম তুবানশাশিংদা উৎহল্লি। মখোগী মতু পোলহল্লি। ঙা, অপীকপা উচেকশিংদা য়ুহার হাগদৌবগী পাও মাঙজৌননা খঙহল্লি, মখোয়বু ইথক-থকহল্লি, লৈতাহন্দে। ঙাবু ঈমাযদা তাওহল্লি।

জাৎ কাঙলুপ তোঙাল্লবসু পুন্না চাক্তামিন্নবিবা শা-উচেকশিংগী মবক্তা অৱা-অনা লোল (খোল্লাও) খঙনহল্লি। লমলক্তা শংগু শনলুপ য়ারেকমিন্নবিবশিংগী মরক্তা অশোন-অনা, মচানা ময়ায অদুগা মশা মউ ফবা, অকনবা লাবনা মতায় ঙাকহল্লি। অকি-অখঙ মতমদনা অহানবা থেংনকবা অদুগী মিপাই খোম্বোক্লা অতৈবু লমজিংই। মতমসিগী খোঞ্জেলনা অতৈ মতমদগী তোঙালহল্লি – চোংঙা, চরোইনা ক্বাক উরুবগী লাক্লা লাক্লা খোঙহল্লি; লিন উরুবদা শেন্দাংগী খোম্বোক শম-শম্নহল্লি; যোং, খৈরোইবু হৌনা লাওহল্লি; শজি-শঙাইগী খোম্বোক্লা লুমহল্লি অদুগা মখোঙনা লৈপাক থিলহল্লি। অকি-অখঙ লৈতবা মফমদা অতোপ্পগী খোম্বোক মতৌ তমহন্দুনা নুংঙাইনা পোৎথাহনবা শা-উচেকসু কোঙ্গাইনি।

প্রকৃতিগী মতিক-মগুন, লোলশিংবু কবি অশৈবশিংনা শৈশক্লি। শৈথাবি। মাগী ঈশৈগী ছন্দদা মুনি, ঋষীশিংনা জগোই শাবি। সংসারগী

অৱা-নুংঙাই পুম্নমক কাওবি । মাগী লোলশিংবু বৈগ্যানিকশিংনসু খংগে, ফংগে তাল্লি । অকনবা নিতি-নিয়ম খবদা মাগী লোলগী ৱাহঙোক থিবি । অঙাওবগুম পুন্সি লেল্লি । গেলিওনা হৈখোক লোযববা হৈতুপ্না লৈখাবোমদা তাবকপগী মবম থিকবদা মীযাম্না 'অঙাওবা' হাযনা লকনখি । বেডিযমদা হাপলিবা অঙকপা প্রকৃতি লোলবু থিকবদা মেদাম কিউরীগী শীংলি-নাওবি পুম্না শকউদবা শক্তিনা চাকখাযখি । কোকফাই সুজাদা লোৎশিন্দুনা হাপলিবা পেনিসিলিনগী অঙকপা মতিক-মগুনবু আলেকজেন্দর ফ্লেমীংনা মীযামদা পাওদমখি । বোম শাবগী চাংযেংদা মশা ঈহিং-নাইহিং শাখিবা **নোবেল প্রাইজ** গী মপা আলফ্রেড নোবেলবু মীযাম্না 'অঙাওবা বিজ্ঞান হৈবা' মীংথোনখি । নিংথৌগী লুহুপতা যাওবা অশেংবা সনাগী চাং খঙগে হোৎনবিবা আর্কমেদসনা ঈশিং পিকথন্না যাওবা খুদেংদা ইকজনবা কাখৎলুবদা পাথবকপা ঈশিং উবগা মাগী অনিংবা থুংলনি হবাওমনখিদুনা লম্বী শবোক্তা মফিফাও থোংদনা অঙাওবগুম চেনখি ।

প্রকৃতিগী অথুপ্পা লোলশিংবু মপুঙ ফানা খঙনা উনদবদগী থবাই-পানবশিংদি লৈপাক লৈহাও, অপুম অশাদগী পোকই হাযনা থাজনবম্মী । নাইল তুরেলগী লৈঙোইদি মতিক মযাই চাওই, মখল মখা জীবশিং ওলহল্লি হাযনবম্মী । উফক্তা ঙাক্রিজৌ, ঙামু শীংগুম ওল্লি । ৱাহীনা শীংউৎ-শীংনাং পোকই ৱাবীনবম্মী । উফক্তা যাঙলেন শক যাওদনা মৈবাম্বী, কুবাক্কী মচানি অদুগা ঙানা যাঙলেন শক পানবা জীবনি । ৱাহীনা শা ওইবগা শীংউৎনা পাম্বীন । ইভোলুসনগী তাঙ্কক অমতদা হকথেংননা পাম্বীনা শা ওনখিবা, শানা পাম্বী ওইখিনবা প্রকৃতিগী শিঙ্গা লৈবমদে । তান মেন চানা পাম্বীগী মকনা অশিবা ৱাহীগী হকচাংদা তাহল্লগা মতোন চোংহনবদি প্রকৃতিগী থৌবাং লোলনি । নোংজুথাগী লৈপাক মকম অমা কাযবকপদা মনুংদা যাওবম্না লৈবিক্তা উফুল মৈখুগুম মম্না পাইথোবকই । অসিগুম্না মশিং লাকঙমদবা পাম্নীশিংগী মীৎনা উদবা লৈবিকশিং নুংশিৎতা যাওনবা শকতিনা শিল্লম্মী । মসিখক্তনা মতমকুইনা ঈশিং ঈবীদুনা লৈকবা পুখ্রি, কোমণী লৈপাক্তা নাপী মখল মখা হৌহল্লি । মাগী লোল অমনা সমুদ্রগী বাইখু মখল খববু অহাংবা থবোই মকু নম্বোলহল্লি থবোইনা ৱাইখু পোকই নৎএগা ৱাইখুনা থবোহ পোকই ৱাবীনৈ । প্রকৃতিগী শিঙ্গা ইল্লিবা থবাই অনিদু নোকনিংলমলোইদ্রা ?

শকউদবা প্রকৃতিগী খুৎনা সংসাবগী নাওশুম হাইবী। মাগী নাওশুম ঈশেদা পুম্নমক ঙাওনবি। মসিবু ঐখোযনা খঙলুদে। খঙলবসু হেক হেক কাউথোকই। শন, ইবোই মথক্তা চোংঙা, উবোক তোংবগী মবম খহ্বকদে। লৈতুম নুংদুম্না থাবী। শাহিং চাবা গুমভীব লাইবেলগী মচিন মযাদা পকহৌবা অবেম অপাশিংগীদমক মযা লাওনা কাথোক্লিবা মাগী মখযাৎ মনুংদা উচেক মচা খবদি নিঙাইদনা পাইশিল্লি। 'পিথোকপা-লৌশিনবা' হাযবা প্রকৃতিগী ঈশেবু অপীকপা থৱাইশিংনা মযেক শেংনা তাবা ঙম্মী অদুগা মীওইবা ঐখোযদি ইঙম ঙমনদ্রি। ঊচিনা মক-মবাং মাঙহন তাকহনবগী শাওনিংলিবা ঐখোযনা মখোযবু লাকশিল্লিবা লিন, মকুবুদি তাথি তাওইবিবী। মখোযবু মকোন্দগী চিংথোকপিবি। হাৎতোকপিবি। ঙা পাম্না চানবিবা ঐখোযনা ঙাগী মচিঞ্জাক ঈশিং মনুংগী অপীকপা থৱাইশিং মাঙহনবদি হালেংনদে। হিদাক-লাংথক থাদদুনা পাক শন্না মাঙহল্লি। প্রকৃতিগী লোলবু নাথৈবম্রগা, তুংগী পোবম যেংলুদনা উপাল ৱাপাল পংযান যাম্বোক্লবি। শা-উচেকশিং মাঙহন তাকহল্লি। ইশাগী ইখোঙদা ইশাগী শীংজংনা যানজবি। ইশাগী ইকোক্তা ইশাগী নুংথংনা থাজবি। কিহ্বরক্কনি, কিহ্বক্রোই খহ্বা ঙমদবা অঙাওবা শন লাবনা তুবেল লৈবাইদা চোংশিন-চোংশিন্না ৱাইদুনা মচী ফেঙবগুম, ঐখোযনা প্রকৃতিবু মাঙহনবতা থংলি। মাবু হন্না হন্না লাক্লবি। মালেমসিদা লমলক্কী থৱাইশিং যাওদনা ঐখোয মীওইবা ঙাক্তা হিংবা ঙমগদৌবোই খন্নবি। লমলক্কী থৱাই যাওদ্রবা প্রকৃতিদা ফজবা লৈখিগদ্রা ? ফজবা যাওদ্রবদা শুমহৎযাই মাঙখিনি। শুমহৎযাই যাওদ্রবা প্রকৃতিদা নুংঙাইবা ফংলোই। নুংঙাইবা ফংদ্রবা প্রকৃতিগী তম্পাক্তা অচুম্বা মাংখিনি মীওইবনা শাবমচৎতা হল্লক্কনি। ❑


নোংইন*

খুবক হাংদবা যোৎকি পৌবোল মনুংদা কৈশুমশংগী বন্দিগুম তুফক-তুফাই চল্লিবী, হে নোংইন (নোংযিন/নোংঙীন), লাইবক থিববী নহাকনি। শাগেনা নংগী লমযেননি । মহৌশা লোইনিংখোই/নোইনিংখোই কৌনবম্বসু নহাকপুনি । তাম্রবা চীংনুংগী কৌজেং হাবৌগী লৈবাক্তা নপাঙ জুবা থাদোক্লদবী নহাকপু শাযোকশংগী অপীকপা কানুংদা নতোমতা তবক তবক থম্বীবি । নহাক্তি লৈচিলগী যাওল, নোংজুগী মতম খঙনা লোকচপ লান্না কোইপাহ্ পাইদুনা হবাও তযাম পামজবনি । অচিকপা চীংনুং থাবলদসু চাত্তাবী নহাক থাজগী মাযথোংদা তশেংনা ঙাওজবীবা ?

নোংইন মশক-মতৌ

শকহেনবী লমলক্কী 'চেকশিংগী মবক্তা লমযেন নখোযনা অথোযবান । লমদমসিগী বাবা থামুবী, বাবা কোকঙৌবী, লমযেন মবিকপী (ত্রাগোপান) লমযেন অঙাংবা, লমযেন বাহোংমান, বাহোং অশংবা পুম্নমক নোংইন নংগী চান্নবীনি । নংগী মবি মতা ঙাক্তনি । অমা লৈবদা শিংথানবিবা, চাওখোক্লবিবা নখোয হেন্নোয তবেৎকি লৈবাকনি কংলৈবাক । চুমথাংগী মচু মচুনা নংগী কুচুনি । নোংদম্বগী নোংদমনা বাবা কোকঙৌবী বাহোং অশংবা অনীবু ঐখোয ইবক্তগী শেংনা থাযননা খোঙ্গুল মুৎহনবিখ্রে । নোংইন কৌবী নংগী পুম্সিসু যাচংলক্রে । বাবা থামুবী, লমযেন বাহোংমান্না মুৎলমদাই

* ১৯[illegible] দ [illegible] পেব জংলোশিংবেন [illegible] নপ [illegible] দন নাংইন অমানগী মহৌ উকবদা ইখিব ।



মৈবীগুম তনিক তনিক্লি । অদুঙৈ (১৮[illegible]) নংগী শুমহৎথাইদা [illegible]বা এ ও. হীয়ুমনা মাগী লোইনবীগী নুংশিবদা [illegible]কপু ***মিসেস হীয়ুম [illegible] [illegible] কেজত*** হাযনা কৌবম্মী । তাইবংলক্কী শাবী শা[illegible]গী নুংশিনবা মতৌদো নহাক্কীগা তিন্নখি । নহাক খঙহৌব্রা ? মহাক্লদি নংবু শিংথাবম্মী ঃ

নোংইন লাবনা ইঞ্চি ৩৩ শাংই । অমাংথোঙদগী মৈতোন (মমৈ মতু ১৬ পাল্লি) ফাওবগী ইঞ্চি ২১ নি । মশা (ব্রীং) উমশিনবা অমনা ইঞ্চি ৮.৬ অদুগা, মশা অনি ফন্দোক্লগা ইঞ্চি ২৬ পাকই । মখোঙ খুজেংনা ইঞ্চি ২.৭৫ । মখযাৎ কাবক্তগী মচিন মতোন ফাওবনা ইঞ্চি ১.৩ নি । হকচাংনা পাউণ্ড ২১ গা আউনস ৬ বোম লুম্মী । মখোঙ খোঙশা, খুজিল অমসুং খুমু (অকোনবগীসিনা ইঞ্চি ০.৮৫) পুম্নমক ব্রাওথাংনবা কোনা মচুনি । মাযনা হকচিনবা নোংজাবী ওইবগা মীৎনহানা কোমলা মচুনি । শন মচীগুম কোনতক তৌবা মচীনদু শংলৈনবগা মচীন মথক্কী উনশা অমসুং চীনখোঙনা মুবৈনৈ । অদুগা মচীন মতোন নাকল অনিমক পাবননা নাপু মচু চংই ।

মীৎকি অকোযবদা হাইফেৎ চিথেক শাবিবা নোংজাবী মচুগী তমোন তমোনবা উস্সা মচেৎতুগী মাংলোমথংবা কোনা-কাচিন ওইবপ্রা অমুবনা ফিবান চল্লি । লুখমগী নাকলদগী লব্রাইগী শকক খবা ফাওবদা অকুপ্পা, অমুবা মতু পবেং অমনা ইকোয কোযশিন্দুনা হেক যেংবদা ঙা মকু পকপা মান্না থাগৎহল্লি । খদাং, খৌবি, খৌ, ঙক অকোযবা, থবাক্কী মাংলোমথংবা শকক্কা লোযননা নাঙ্গলগী অবোইবা ফাওবা মৈখুগুম্মী । খদাং অদুগা খৌবী মথক্কী মতুশিং নৎতনা অতৈ মতু পুম্নমক ইবং লংনা হকচিনবা হীগোক মচুগী ফিবান চল্লি । মসিনা খৌবিগী মাংলোমথংবা শকক নৎতনা হকচাংগী মযায চবুক অদুবাইদগী তুংলোমথংবা মতুশিংদি অমগা অমগা লোনশিন্নদুনা মচু অমতা ওইনা উইহল্লি । থবাক অদুগা নাঙ্গল মমাংগী মতুংশিংদা হীগোক মচু ফিবানগী হেক মনুংথংবা পবিংদগী চিথেক অহুম লোংবা নৎত্রগা তাজিন শাবা অমু অমুবা দার্গাশিংনা হকই । লেংজুম কাবক্কী অঙাংবা নোংজাবী নৎত্রগা অচাকপা মৈবীগুম ঙাকশং ঙাংনা লংখৎপা মতু খুদিংমক্কী মতোন্দা তেনজৈ শানা মুই । অশাংবা মমৈ মতুশিং নৎতনা নাঙ্গল মযায চবুক্তগী নিঙগোঙ ফাওবা

শংবান্নবা ঈশং মচুদা ইবং লংবগুম তৌই। মমৈ মথক্কী অশাংবা মতু অপুন্না কোনা হাযফেৎ চংবা উৎ মচুনি। মযাযথংবা মমৈগী মতুশিংদা মবাক চপা মচো মচা নাইবা, হর্কাচনবা কোনা মচুগী দাগফম নিপালনা ফেনা ফেনা লাংহ। হেক মথংগী মতু জুবা অদুনা ইঞ্চি নিপাল [illegible]শিল্লি মথওা থবা হেন্না পাকপা দাগযম নিপালনা লৈতেংই। মতুশিং অসিদা যানশিন্নবা কোনা মচুগী দাগফমশিংসু মমি শামি লৈ। মথংগী মতু জুবা অনিদা অমুক্কা হেন্না পাকচাওনা অমসুং মুশিন্না লাংই। মতাই ইথ, থংবা মতু জুবা অহুমগী মতোনশিং পাক্কা মুই। অদুগা লেমহৌবিবশিং অদুগীনা উৎ মচুদা অমু অমুবনা শমব্রুগুম মকুপ মকুপ লাংই।

লেংজুম মনুংলোমদা মশা মকগী শাইকুপ[১] মতুশিংদি লুপাগুম্মী। খ্বাইদগী মনুংথংবা মতুগী মতাই ওইবপ্পা মও° মবিল নাইদনা ঈশং মচুগী অপাকপা দাগশিং লৈ। অদুগা মতাই ইথং থংবা অদুগীদি ঙোকনবা মংগা মচুনা মতোন্দা থুংফাৎতনা ফিবান চল্লি। লেংজুমগী মপানলোমথ বা শাইবুপ মতুশি সু মনুং মতুশিংগা ইমান মান্নে। খ্বাইদগী পিকপা শাইকুপ মতুশিংনা অবাওবা কোমলা মচু ওইব [illegible]ইকচাং মযাইগী শাইকুপাশিংনা মমু কয় পাদে। অদুগা খ্বাইদগী মযায ইথং থংবা শাইকুপশিংদ অঙাংবা কোনানি। প্রাইমাবী[২] অমসু° মযাযগী শাইকুপ অচৌবা অদুগা বীংলেতশিংদ[ ] পোকহোবা শমগুম্মী। অহানবা পাইমাবীগী মতোনলোমদা শরক অহুমথোকপগী অমা নৎ[illegible] মপানলোমথবা লাবাক[৪] অযাম্বা নাপু [illegible] কোনা মচুনি। সেকেন্দবীশিংগী[৫] মনুংলোমথবা লাবাক্কা মুবৈ[illegible] মপানলোমদা কোনা [illegible] অঙোবনা পৈবপ্পা মচীন [illegible]অমসু মপানলোমদগী অহুমশুবা মতুদা অমুবা দাগ লৈ। [illegible]বসবী[৬] অদুগা মাগী মথক্কী শাইকুপ অ[illegible]শিংদ মশব ইমান মান্নে অদুবু

[illegible]

[illegible] কৃপ্পা খ্বাইদগী [illegible]

[illegible] মযাই [illegible] যোংবা নকল।

[illegible] পাইমবী [illegible]

[illegible] সেকেন্দবী [illegible]

মনুংথংবা লাবাকশিংনা হেন্না কোনা চংই, অদুগা মতোনলোমদগী অঙৌবনা মযেক হেন্না শেংনা ফৈগাক ফৈনা লাংই। সেকেন্দবী মথক্কী শাইকুপ অচৌবশিংনা হেন্না মুশিল্লি অদুগা মতোন্দা অঙৌবনা পাক্রা লাংই।

হকচাংগী পুকলোমদা, থবাক্কী মাংওইননা হকচিনবা কোনা অদুগা, তুংওইনবা শকক, মসিগী নাকল মতুশিং, পুক্কী মাংওইবা শকক খবা যাওনা মৈচাকপগুম ঙাংবা নোংজাবী মচুনি (মচুসি উচেক খবদদি থৌওইনা উবা ফংদে) অদুগা মসিগী হেক মমাংদা শমব্রুগুম মুশুক মুশুক মুনা লৈ। অমাংথোঙ অদুগা মথোঙ ফৈগলগী মতুশিংনা কোনা ওইবগা মমৈ মৈখাগী অপীকপা মতুশিংনা মুই অদুগা ব্লাওবী ব্লাওবী অশংবদা অবংবা কাই! মশা শাইকং শমনফমদি (মখাথংবা প্রাইমাবী শাইকুপশিং নৎতনা, মখোযদি ইবং লংনা পাবাবা উৎ মচুনি) ঙাংলৈনৈ। মতুশিংশিদা কোনা মচুনা কুপ্পা কুপ্পা দাবী হৎলি।

নোংইনগী খোঙ্গুল লীবা

তবামপলশুবা চহিচাগী লোইশিল্লকপদা হীযুমনা নোংইন নখোযগী নশাবী ওইবা অনীগা শকখঙনখি। মখোযগী মশক-মতৌদগী মহাক্না নখোযবু ***কালোপসিস হীযুমী*** (৭) হাযবা বিগ্যানগী মীংথোন পীখি। মতমদুদগী হৌনা নখোয লমদমসিদা অব্রা মৈশা লাংলে। অতাঙবা উচেক মখল হাযবদু ওইবে। মহাক্না নখোযগী খোঙ্গুল লীবকপগী অব্রা-নুংঙাই ব্রাবীদি(৮) ঃ

ঐ জিবী তুবেল লাল্লক্কদৌবা নোংমা ব্রাৎলি। তুবেল অসিনা বৃটিশনা খুদুম চল্লবা কাছাড অদুগা মণিপুরবেশ্বর মহারাজগী লমগী ঙমখৈবু মশক তাক্লি। নুমিৎসিদা মহারাজগী ফমনাইবা অমনা ঐবু ওকপা লাকই। মহাক মংমচুপ্পা ঐগা লোযনদুনা ঐগী লমকোই খোঙচৎ খুদিংদা লমচিংবা ওইদৌবি। ঐবু ঙাক শেনগদৌবিবা মীওই কাঙলুপ অদুগীসু মহাক্না লুচিংবা ওইদুনা মখোযবু যাম্না হৈথোই

(৭) হৌজিক্লা ***সবমাতিকস হীযুমী হীযুমী*** হাযনা খঙনবে।

(৮) স্ট্র ফেদব (১৮৮১), ভেল্যুম মাপলশুবা, লামায ৪৬১ ৪৬৭।

শিংথোইনবা তাকাপ তম্বীগনি । মখোয়নসু মাগী শিঙ্খা খুদিংমক যাগনি ।

মণিপুরদা সবকাবগী শিঙথানিঙাই ওইবা থবক তৌদুনা ইকাই খুম্নবা ফমথোন কাববা ফমনাইবশিংদা মনা ওইনা নিংথৌ মখুৎমক্তা ফজবা উচেক মঙ্গু হেক হেক পিনবম্মী, লোয়ননা নুমিৎতুদগী মহাকপু নিংথৌনা শকখঙলবা অমনি হায়বগী শক্তাক পোৎশক ওইনা শিজিন্নবা যাবে । অসুম্না সমাজদা চাওখৎপগী থাক নেমলিবা লৈবাকসিদসু ঐখোয়গীগুম্না অথোইবা মীশক্তা ফমনাইবা, বৃটিশকী খ্বায়দগী ব্রাংবা 'নাইট, ঐখোয়গী জি সি ও, গ্রান্দ ক্রোশ'গুম্বা ইকাইখুম্নবা উৎনৈ । অসিগুম্বা ফমনাইবা অমনি হায়বগী শক্তাক লোয়নববদা হবাওজবিবা মপুক মপাউ ফববা লুচিংবা অদুনা শেৎলিবা নিংখিববা ফিজেৎ লৈতেং, মখোয়দুগীদমক মহাক্তা হায়নিঙাই লৈতনা চাওথোকচবিবা অদুনা ঐবুসু শুমহৎলম্মী । মুন্না যেংশিল্লবদা, মাগী লৈতেং মবক্তা এনা অমুক্তা খঙখি উখিদ্রিবা লমযেন মখল অমগী অশাংবা মমৈ মতু অহুম মরি যাওবা উকই । এনা, মতুশিংদু পানবা উচেক্তু হংলুবদা 'মদু মণিপুরগী খা ইথং থংবা ঙমখেবোমদা, অদুগা নোংপোকথংবা নুসাইগী লমদা ফংবা **লো-নিন্-কৌই** কৌবা অমগীনি' হায়না খঙহল্লকখি । অদুবু ফমনাইবা অদুনা মপুন্সিদা উচেকসি অমুক্তা উখিদ্রি, অদুগা মানা খঙবগী মনুংদা কনাগুম্বা মণিপুর মচা অমতনা মদু উবগ্রগদ্রা খঙদেসু হায় । মফমদো, খাগী ঙমখৈদ লম্বীফাও লৈতনা চীংগী অশুকপা উমংদা যাম্না মনুং হনাজন্না চীংমী কাঙলুপ খবনা খুন্দাবি । কুকী কাঙলুপকি মনুংচনবা, যাম্না তমথিবা কোম হায়বা চীংমী কাঙবু (মখোয় অশেংবা কুকি নৎতে) অমগী মতম কুহনা খুন্দাবক্রবা লৈফমনি । মখোয়না কনাবুসু কাবিমতা খেন্নবা থমদনা ডন্নবা খুদিংমক তাথ তাওহনা তৌই । পংহাৎতা হাৎলে । এখোয় কনা অমতনা শকখঙনদ্রিবা ডচেক্কী মমৈ মতাপি অহানবদা ফামগী নমথৈ মনুংদা লৌববা খুঙ্গাংশংগী মবক্কী থবা মপাল থোকক্রবা মীওই থবগী খুৎথাংদা মণিপুর যৌবকখিবা ওইবমণান হৌজিক মখোয়দু মশাগী হান্না লৈফমদা অমুক হনাখবা কিঅদগী মণিপুরদা চংজফম লোদুনা লৈনবে । অদুবু মনুংদা লৈহৌবাশিংগা লোন্না লোন্নদি চাবো মৌবৌনবি ।

নোংমা নোংমা অসুম হৌখিবগা লোযননা উচেকশিংগী মবমদা ঐগী লাংতক্লবা হেল্লকই। তোঙান তোঙানবা শিন্থাগীদমক নোংজাই-বন গী মনাক নকপা চীংগী মফমশিংদা চাইথোক্লুনা লৈবিবা সিফাইশিংগী অসুপ্পা ফমনাইবা ওইবিবা নৎত্রগা, লুসাইশিংনা লান্দাবকপগী ঙাকথোকনবা উযুং শম্বল চেকশিন্না খাবগা লানবনগুম শেমদুনা লানঙাক্লিবা মণিপুরগী ফমনাইবা অমনা চহি খবগী মমাংদা মহাক মশামক্লা জিবী তম্পাক্তা ***লো-নিন-কৌই*** *অমুক্তুং উখ্রে হাযনা ঐঙোন্দা যাম্না থাজনা পাওদমখি। মদো ঐনা জিবী তুবেল লাম্থোবকপা মফমগী খাবোমদা অদুগা, লুসাইগী ঙমখৈ মনাক্তনি।*

মণিপুর যৌরে। 'মিনিষ্টরদগী হৌবগা নিংথৌগী চম্প্রাশী ফাওবা' অমতা খাক্তনা ঐনা ***লো-নিন-কৌই*** *গী মবমদা ব্রাহং পাওহংনদুনা ঙহাক্তা ফাওবা নৈতাহল্লমদে, অদুবু কান্নবা অমতা ফংলমদে। কনা অমতনা উচেকশি অমুক্তা উই হায়দ্রে। মহারাজ মতোমতনা উচেকসিগী মমৈ মতু থম্নসু য়ারম্মী। মহাক্লা যাম্না থৌজানবীবগা লোযননা ঐঙোন্দা মতু চবুন অমা খুদোল পিবীরে। অদগা খা মাইকৈ পুরিবা ফমনাইবশিংদা উচেক অসি মশিঙ খবতা ওইবসু ফংনবা চেনফদ্রবা যাথং পিবীবগা লোযননা মহাক মশামকসু মসি থবক ওইনবা ঙম্নমখৈ হোৎনবীরম্মী। অদুবু কান্নবদি ফংলমদে।*

মতম্না অসুম অসুম হৌখিদুনা ***লো-নিন-কৌই*** *হাযবসি নোংমা নোংমগী ভাবনা শাবা লাই তিনগী ব্রাবী উচেক্লুম খন্নবক্রে। মীযাম হুপ্না অসুক কন্না, অফংবা উপায শিজিন্নদুনা থি-হুম্রফাও ফংবা ঙমলক্তুবনিনা, অসুম্না হাযনবকপাফাও যাওরে – 'অসিগুম্বা উচেক মখল অমা শংনৈ লৈবজাৎ নৎতে, অসিগুম্বা মতুশিংসি উশিংদা পাল্লম্বা অমা নৎত্রগা যাম্না লাপখ্রবা লৈবাক্তগী পুবকপা ওইবম্বা যাই'। হাযনবা কযা লৈবগসু ঐদ* ***লো-নিন-কৌই*** *ফংখিনি হাযবা চপযুংনা থার্জাব লোযননা ঐগা লুনা চান্নজবা মকওইবা মিনিষ্টর অনিনা মঙগী উচেককুমলবা অসিগী মবমদা ঐনা খ্বাইগা মান্নদনা খনজবিবা, যাজবিবসি কোকনবা থৌজানবিগনি হাযনা খল্লি। হীবমশোমদা মহারাজ মশামকসু হেন্না থরাই যাওশিনবীবক্রে। ঐবু নুংশিবীরে। মণিপুরগী মযোল তম্পাক্তা তৌগদৌবা থবক থানা কযা*

অমা লোইবগ্রগা ঐ খা মাইকৈগীদমক খোঙশাল্লম্মী। হীবম খুদিংমক্তা মহারাজনা নুংশিবীবকপা মতৌ, অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ত কর্নেল জোনষ্টোননা **লো-নিন-কৌই** ফংনবগীদমক মকপ মপাং ওইনা পুক্লিং থৌগৎপিবকখিবগা লোযননা ষ্টেটসিদা ফংলিবা খুৎশু খুৎলাই, শক্তি মপুঙ ফানা শিজিন্নবা যাহনবীবা, ঐনা থিজিন হুমজিনবদা খুদোংচাবা কযা পিবীদুনা খজিক্তুং মায পাকচবা ফংহনবীখিবা অসিগীদমক লমন তোনশিল্লে।

'মানকাব' হাযনা খঙনবা পাৎ অমগী খাবোম থংবা মপান্দা ঐখোয লোইনমক উন্নবে। অবাপ্পা খা মাইকৈ পুবিবা মকওইবা ফমনাইবশিংসু লাক্লুনা পুল্লবে। ঐবু লমজিং লমতাকপিবীবা ফমনাইবা অদুনা মখোযদা উচেকশি তঙাইফদনা ফংদবা যাদে হাযনা চেকশিন্না হাযবম্মী। মখোযনা কবিগুম্না থবকশি পাঙথোকপা ঙমদ্রগদি 'মকোক কর্ক্কনি' হাযনা তশেং তশেংনদি হাযখিদে অদুবু তুংদা ফিভমসি ওইবকপা যাবিবা খুদোংথিবা অমগী ইংগিৎতি অমম্না লৈচিল মকমদা মমী শামীতমক উইহল্লগা হৈশিংনা লোৎশিল্লম্মী।

ঐবু লমতাক্লিবা অদুনা অতৈ ফমনাইবশিংগা কুপ্পা ব্রাতানবে। চৈযোল অমগী মতুংদা খুলগী অহলশিংগা অমুক উন্নদুনা ঐখোযনা লৈবিবা মফমসিগা খ্বাইদগী নক্লবদা উচেকশি ফংলিবা মফম অমা খঙলম্মী। খাবোমদা যাম্না মনুং হুনজিন্না লানবন ঙমখৈ ঙাক্লিবশিংসু কৌথোক্লে অদুগা মযাম পুন্না অসুম্না ব্রাবেপ্রবে — মফমসি মমিংতা ওইনা ষ্টেটকী ঙমখৈ মনুংদা লৈববনি। চীংশাং পবেং অমদা মহৌশা মণিপুবী খুঙ্গংশিংনা লকক লকক খুন্দাবগ্রগসু, হৌখিবা চহি খবশিদা কোমহাওশিংনা অসুক্কী মতিক তমথিনা কিহন্দুনা মফমসি পুবা খুঞ্জাক লানসিবগুম্রে। কনাগুম্না মণিপুব মচা অমতনা হৌজিক তশেং তশেংনা খুন্দাদুনা লৈনবিবা মফম্মসিদগী মাইল তবা লাপ্পা, মখোযবু তশেংনা হাৎলোই তুপলোই হাযবগী অকিবা পোক্লেনা মনুংলোমদা চংশিল্লুবা ঙমনদে। ফিভমসিদা ঐখোযনা ইফোং যোংনা চঙলুবা তাবগদি, অচৌবা লাম্মী কাংবু অমা ঐখোয ঙাক-শেন্নবা লোযনবা তাই। লম্বীদা লানফম কযা লেপতনা মাযোক্লবকপা যাই। খাথংবা ঙমখৈ তুম্না মৈচাকহনবসু ওইবকপা যাই।

হাযনবিবা পুম্নমক অচুম্বা ঙাক্তা ওইবমগনি (মদুদা ঐগী চিংনবা অমতা লৈবমদে, মবমদি এনা মণিপুর তুরেলগী মকওইবিবা চকপী অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী ঈতিনফমদা চৎলুবা খোঙচৎ অমদা খ্বাইদগী নকনা খুন্দাবিবা মফম যৌগদৌবা মাইল ৩০ মুক রাৎলিঙৈদা খোংচৎতু যৈখায থিনগাই থোক্তনবা লাম্মী ৬০০ বোম শেম শাবম্মী)। **অদুবু-অদুবু** – রাইহেশি যাম্না হকচীন্না লৌবীবা তাই, ***লো-নিন-কৌই*** দি ফংদবা যাদে।

অদুদগী মমৈথংদা, 'তঙাইফদবা হাযবসিনা অনৌবা পুথোক্লবগী হৌবকফমনি' তোইনা হাযনবগুম নাম্বোক্লবা, থৈদোক্লবা যাবলোই খঙলকপদগী থবক ওইনা পাঙথোকপা যাগদৌবা শিংথানিঙাই ওইবা থৌবাং অমা থন্নরে। ঙমখৈ মযাদা শাইদাংদুনা লৈবিবা নংত্রগা ঙমখৈ লান্না চৎথোক চৎশিন তৌবিবা কোম নুপা কাংবু অমা থবকশিংগীদমক থাবা হাযনা রারেপনবে। লোযননা, ঐনা নুপা আনিখক্তা যাম্না হৈশিংনা, উচেক্কী মওং মতৌ, ফিভম কবিমতা কাযহন্দনা মডোল থোকপা ঙম্বীবে। থৌবাংশিংগী মতুংইন্না, মশা-মউ ফববা নুপা ৬৮ খল্লে। মখোযনা খ্বাইদগী নকনা ***লো-নিন-কৌই*** লৈ থাজনবিবা মফমদুদা চংশিনগদৌবনি। মীওই খবনা উচেক অহুম নংত্রগা মবি ফাদুনা অনিনা মডোল খোকলিঙৈদা অতৈনা, মকওইনা মফমদুগী লমিং তুমিং মুন্না খঙলবশিংনা মাইকৈ পুম্নমক্ত চাযথোক্তুনা ঙাক শেনগদৌবনি। খঙহৌদনা লান্দাবকপশিংসু মখোযনা থেংনগদৌবনি। হুবানবা অমা ফানবা হুবানবা অমা শেমগৎপগুম কোমহাও মশেন মবক্তা কবি থোক্লগদগে, অমসুং মদু কবম্না ঙাকথোক্কদগে হাযনা মখোযতনা খঙনৈ। মাসগী মথক্তা মখোযনা মফমদুগী লমিং তুমিং, খোঙকাপ খুদিংমক মুন্না খঙই। শকখঙনদবশিংগী মবক্তা ওইবগাদি তশেংনা হাৎনা শুনবা থোকপা যাবা কযা মখোয শিজিন্নববনিনা খুদোংথিবা থবমখৈ হুন্নবানি। অদুমওইনমক ঐবু ঙাক শোল্লিবাশংনা পাম্বাববা এনফিল রাইফলশিং মখোযনা মিতাই হাযবা এ মুবা খঙই। অদুনা, মখোযনা লমযেন ফংনবা তানবগী মহুৎতা হানা খঙনববা মখোয মশেল মবক্তা ওমদুনা লৌববা মলোম পুথোকনা। মীকোক ককনবকদ্রা, মদুনা মণিপুরদা লমন খুমনবা, শাথিনা লান্দানিংবগী লম্বী যাৎলকদ্রা হাযনসু অকিবা পোকই। ফিভমাদিদা ঐনা মখোযদা নোংমৈ খুৎশিন্নবা কি। শিনসু শিন্নখিদে। ঐনা মখোযদা

চেকশিন্না হাযবদি – নখোয লান তৌনকনবা চৎপা নৎতে। যেকনবশিংগা কবিগুম্বা মাযোকনক্ববসু তুং হন্দুনা চেল্লক্কদৌবনি। হৌজিক মখোযবোমগী লানজবা মীশিংসু অমতা উদ্রে, অশেংবা মপু খঙনবা খৎনবিবা লমগী অসোমখংবা নাকলগী লমিৎ-তুমিৎসু কোমশিংদগী মখোযনা হেন্না মমুৎতানা খঙলবনিনা, মফমদুদা মখোযনা চংশিল্লুবদা শাথিনা খুদোংথিবা থোকনিঙাই ওইদে। অদুবু, মতমসিদা মখোযসি খ্বাযদগী লৌনমচাওবা, নুংশিবা খঙদবা কাংবুনি। ঐবু লমজিং লমতাক্লিবা মানদি কবি খল্লমগদৌনো, ঐগী থাজবদি, মখোযনা ঐখোযগীদমক লমযেন পুবকনিংবগী ব্লাখল শম্না অমা পকলমলোই। মখোযনা যাম্না হৈশিংনা থবক শিন্দোক-শিনজিন তৌবিবগী মবমদি মখোযগী মহৌশাগী লৈফমদা চংদুনা লান্দানবগী খুদোংচাবা লৌবা অদুগা নোংমৈ, খুৎশু-খুৎলাই থোমজিন্দুনা লৈফম মুনখ্রবশিংগী মথক্তা লমন খুমনবগীদমকনি। অদুনা, মখোযনা কান্নগদৌবা মওংদা থবক চৎথবা যাদ্রে হাযবা খঙলকপদগী নুমিদাংদা লোন্না কেম্প থাদোক্লগা চেনখি। ফিভমসিদা ঐখোযনা, মখোযগা খবা নকশিন্ননা শকখঙ-মাযখঙনববা মোইবাংগী মী খবা খল্লগা থিহল্লুই - চেনখ্রবা মখোয অমুক হল্লক্কদৌবনি, লোইননা লমযের্নশিংসু ফংনবা থিবক্কদৌবনি, নৎত্রগদি মখোয মণিপুবদগী তাম্বোক্কনি হাযনা কিহল্লুই। অদুদগীদি মখোযনা থাইনদগী লমদম অমতগী ইবৈবাক মচা ওইবগী নুংশিনবা ব্লাখল ফাওনবক্তুনা যাম্না থুনা মখোযগী মথৌ পাঙথোকনবকখি।

ইকুই কুইদনা মখোয অমুক হল্লক্লে। অমুক হল্লক্লিবগী মবমদি, মখোযগী খোঙচৎ অদুগীদমক অচা-অথক খবা লৌগে শিথশন্নবদুনা। মখোযনা হাযবিবদু অসুক্কী মতিক থাজহল্লি. মদুদি মখোযগী মতৌদা মিনুংশি পোকলুই। অদুদগীদি মখোযনা পুং খবগী মমাংদা খুল্লক চংলগা যাম্না তমথিবা শকফম উৎতুনা খুদক্তা মী হাৎপা ঙমগনি হাযনা কিহনখিবা, অদুগুম্বা খ্বাইদগী মঙক কন্না, লমহেন তুহেনবা শকফমদু অমুক উৎথোক্রদুনা খুদক্তা হাযবকই - খুৎলাই নোংমৈ পীদ্রবদি মখোয তশেংনা চৎলবোই। মতৌসিদা ঐবু লমজিং লমতাকপিবিবা ফমনাইবদু ফ্রং শাওবকই। লমদমসিগী ঐগা শকখঙ-মাযখঙনববশিংগী মবক্তা মহাক খ্বাইদগী ইংতপ্পা, খাঙবা কনবা পুকচেল চাওবা মীশক্লি। মাগী শকফমদু ঐখোয থা তকক চুপ্পা

লৈমিন্নবকপগী মনুংদা ঐনা অহানবা অমসুং অবোইবা ওইনা উখি (মতুংদা, মদু মহাক্কী য়াম্না হৈশিংনা তৌশিন্নবা তাংনি হায়বা খঙলকখি)। মহাক্না মীৎকুপ অমগী মনুংদা মখোযগী লুচিংবা অনী ফাজিল্লে। অদুগা লোযনবিবা লাম্নী নিপাললনা মশা মশাগী বাইফল মক হালহল্লে। খুদক্তা মখোযবু মফম মতম অদুমক্তদা কাপ্পুনা হাৎহল্লগনি হায়না কিহল্লম্মী। মতৌসিদা লৈহৌবিবা অতৈদু কিনদুনা কপ্পা লাওনবকই। হাযনকবা লৈতনা মখোয লোইনমক ঐগী খোঙদা তুবকই। মখোযগী মতৌসিদা ঐ লেংজুমতমক শুপকৎলম্মী। মখোযগী লোন্দা কবি কবি ঙাংনা-শকনখিবা হাযবদু ঐ তশেংনা খঙদে। অদুবু ঐনা মসিমদি মুন্না খঙই মদুদি মতম শাংনা তিন্নবক্রবা মকপ অসিনা হযিং অমফাও মাঙনবা তৌরোই। অদুনা মানা থবক মাযপাক্রবা শান্নবিবা লিলা অদুদা পেঙ্গোক্তুনা মখা তানা চৎথহল্লম্মী। মহাক্না অসুক শাওনা, তমথিবা মান্না চৈ-থাংলিবশিংদু অসুম্না হাযবনি হাযবা ঐ তুংদা খঙলকখি - 'নহাক মী ফৎতবনি। মমাংঙৈদা নংনা মীচেন ওইনা লাকখিবা মতমদা মণিপুব মচা কযা হাৎখি, অদুনা হৌজিক ঐখোযনা নংবু হাৎপা তাবনি। ঐ মতমদুদা মফমসি পান্নবা ফমনাইবনি। মহাবাজদা নংবু কনবীনবা হাযজখি। ফিভমসিদা মহাবাজনা নংবু অফবা থবক মচা অমা তৌদুনা লমন শিংহননিংই। মহাক্কী শোইফদ্রবা যাথংসি নংনা যাম্না হাযবা ইনবা প্রজা অমগুম পাঙথোকউ। হুইনা মপু মশক খংবগুম। নৎত্রগদি নং শিবা তাই। হৌজিক মখোয অনি চেৎনা পুনশিল্লু অদুগা অহানবা ওইনা কাপলগা হাৎলু।'

মযাম পুম্নমক খোজ্ঞেল হৌনা কপ্পা-লাওনবম্মী। উপ্রাক্না উপ উপতুনা লৈনবম্মী। অদুফাওবদা ফমনাইবদু ইতে তেথবমদে। ফিভমসিদা ঐ তশেংনা তৌফম খঙদবা হাযবদু ওইবে, মবমদি মখোয নিপালদি গুলি হানবা বাইফল পাযবি (মখোয কনাঅমতা মদু শিজিন্নবগী মওংদি শমনা মংফে অমা খঙদে)। মখোযনা শাওনিংদুনা কিহনবগী মওংদা নোংমৈদু কোইহাই হাইবক্রবদি খুদোংথিনিঙাইনি।

পুকচেল চাওববা অদুনা শগোল মথক্তগী খোঙনেৎফম অরাংবা নুংফাল থিবি হাযবা খঙলদুনা ঐনা মনাকতা চংশিল্লগা হাযবম্মী - কবিগুম্না মখোযনা অমুক চৎলগা হাপতা অমগী মনুংদা লমযেন থবা পুবকপা ঙমলগদি মখোযগী মথৱাই কনবীবসি। ঐনা হাযবদু

মহাক্লা ইকাযখুম্নবগুম উহ্ । অদুবু যাম্না কন্না যানিংদবা উৎশিন্নে । হনগৎ হন্দা চৎতুনা মখোযগী লোন্দা হাযবকই – 'নৎতে, মখোয শিবা তারনি । মখোয হেক্তা কাপ্লগা হাৎপনা মতিক চাই । হুই অঙাওবগুম্না । হৌজিক মহাবাজনা ইকাইখুম্নবিবা, মহাবাজমক্কী অতিথি যাওবি । কবিগুম্বা মহাবাজ মশামক্লা হাযবম্না ওইবগদি মখোয অসাইনা কাপলগদৌবনি । অদুবু ফবে, বাবিকবনু, মথংদা মখোযনা খুদোংথিবা খজিক্তং থোকহল্লকপদা ঐ মখোযবু শোযদনা কাপলগা হাৎকনি । মতুংদা মহাক্লা মখোযবোমদা ওনশিল্লম্মী । অদুগা এনা হাযজবদগী মহাক্লা নখোযগী থবাই কনবীবর্মনি । তৌবতবু নখোয খুদক্তা মফমসি থাদোক্লগা চৎকদৌবনি অদুগা লমযেন খবা পুবক্কদৌবানি' । মানা কবি হাযাখবগে হাযবা ঐ কোন্না খঙলকখি ।

খুদক্তা মখোয চৎপা যাবে । মখোযগী মবক্তা চিংনবা, যেৎনবা অমতা লৈত্রে । পুংখাযমুক্কী মনুংদা মখোয লোযনমক যাম্না হবাওনা নোকখেবম্মী হাৎকনি হাযনা ফাজিনলুববা অনিদুদা ইকোয কোযশিল্লগা যাগি জুগাই তৌনা লকনবম্মী । মখোয শিবমগদৌবা শম্না লিৎলি থাজবগা লোযননা থোকাখিবা থৌদোক অসি পুন্সিগী কাওবা ঙমলবোই খন্নাখ । মখোয হৌজিক হেৎনা থাজবগা চৎনখ্রে, অদুবু এদি যাগি ওইনা খল্লি । মখোয অমুক উবা ফংলবোই হাযনা চিংনবি । ঐগী মতৌসিদা লম হৈংবা অদুনা এঙোন্দা চিংনদনবা হাযবম্মী – মখোযসি মী নৎতগুম্মী । শাগা পাঙখকনৈ । কবিগুম্না খঙ লাওহন্দ্রগদি মখোযদগী নংনা কবিমতা অশা তৌনিঙাই লৈতে । মখোযনা মতমচুপ্পা তোনিংবা উৎকনি । অদুবু মদু পুম্নমক এখোযদগী কবিগুম্না খবা ফংগনি হাযবা অশাদনি । মখোয হৌজিক হাযঙমদনা নুংঙাহবে । অদুনা মখোযনা কবিগুম্না খুদোংথিবা অমতা মাযোকনদনা ইবাহ লাইনা লমযেনশিং ফংলনি । কাবগুম্না মখোযনা নমদুনা লন থুম খবা খোমলকপা ঙমদ্রগসু নংনা মখোযদা বাশকখিবা অদুদি ঙাকপা তাই । নংঙোন্দাদি লুপা থাও অমনা কবি তোকদোবা । মখোযগী পুন্সাদি অদুক যাম্বা শেনযম উবা অমুব ফংলবোইদোবানি ।

মানা হাযবদু চপচানা চুমলম্মী । চৈযোল অমগী মনুংদা মখোযনা তগৎ তগৎ তেক্লা থোকপদা ঙাইবিবা মডুল অমগা লোযননা মশাদা অশোক অপন অমতা লৌএবা উচেক অমসু পোন্দা হাপলগা পুবক্রে । অদুবু লাইবক থিবদি উচেক আনমক লাবা ঙাক্তনি । মখোযনা হাযবা

মতুংইন্না, অহানবা নুমিৎতা উচেকশি তশেংনা লৈবে খঙলবা মফমদা লাং থাকই। অদুগা মখোযগী হুইবোইনা অবাপ্পদগী অসুম অসুম তানশিন্দুনা পাইশিলহল্লি। পাওদমসি চুমলগ্বা য়াই। মবমদি উচেক অমগীদমক মখোযদা পৈশা যাম্না পিগদৌবিবনি। অদুনা মফম অমদা খুদোংচাবা অমবু ফংলবদি উচেক অনিখক্তা ফংবনা মখোয খক পেল্লোই। বাবীশি অচুম্বা ওইববনিনা মখোযবু অমুক হন্না মফমদুদা থাকুবগী থোইনা কান্নববোই। হৌজিক্কী ওইনদি উচেক অনিমক ফংবা অসিদা ঐ পেঙ্খোকপা তাবি।

ঐনা উচেক মউলদু নিংথৌগী কোনুংদা পুবগা উহনবদা মহাবাজ হাযঙমদনা হবাওবম্মী। মহাক, অদুগা মফমদুদা লৈবিবা কনা অমতনা উচেক্তু অমুক্তা ঊনবমদ্রি। খুদক্তা মহাক্না ঐঙোন্দা অমোমসু যাওনা অতে উচেক খবসু ফংহনগনি চেৎনা হাযবম্মী। হৌজিক ঐনা উচেকশি তশেংনা লৈ মখাতোনা থিজিল্লবদি মশিং খবা হেন্না ফংবা ঙমগনি থাজবে। মহাবাজনসু মতুংদা মশিং খবা ফংহনগনি হাযবগী থাজবা পিনবীবে।

মপুংফানা চাওববা উচেক লাবদু নুমিৎ খবনিগী মনুংদা যাম্না তেবে, ঐখোযগী কেম্পতা নুংঙাইনা লৈমিন্নবে। মহাক্না তল, চাক, লৈশৌ মপী মুকথুবী, মৈবাম্বীশিং পাম্না চায। অকি অখঙ কাবিমতা পোক্তুনা খুবাক্তুগী যাম্না চেকশিন্না তাপ তাপ লাকই। অসুম্না শাযোকশঙদা থম্বদা মতিক চাবা, মমল লৈববা পোৎশক অমা লৈবে খল্লুবদা নুংঙাইবা পোকই। অদুবু খ্বাইদগী লাইবক থিবদি, ঐনা খা নোংপোক চীংনুংদা লৈবকপগী অবোইবা নুমিৎতা, চাওবাক্না অচিং নোংযাই অদুবাইদা ঐগা লোযনবকপশিংনা তুমালবা অদুগা মবাইবক থিববা নমযেন অদুসু লৈবিবা থাংপোকশংদু ইখঙ খঙহোদনা মৈহৌ লাংপোক থোক্তুনা তুম্না চাকখি। মৈ হৌবকপগী মবম, লিখুন এখোয কনা অমতা খঙনদে। অদুবু নুংশিৎ কন্না শিৎলকপা নৎএগা কাবিওম্বা মবম অমদগী অকনবা নুঙ্গৌশিংনা কন্না তকনকুবদগী থোবকপা মৈবীক্না মকঙ ফানা কংলবা থাংতুপ লি মনাশিংগী মথক্তা তাকুবদগী মৈবী থোকলক্তুনা কনক্রক চাকপঙুম যাম্না থুনা মৈরাইবকপা ওইবম্বা যাই। মী পুম্নমক তুমলুবদগী, থোংউপ তোংবা নংদনা, ফী ফাও থোংদনা, নুমিদাংদা ফমুং থাদোকনদুনা কোযচেন চেন্নবম্মী। মখোয খবগীদি হকচাংগী তু চাক্তুনা ঊনশা পোকথোকলম্মী। অসুম্না

খাংপোক্কী পোৎ কবিমতা খাকপা লৈহৌদনা মৈনা তুম্না চাকখি। মখোযদুগী মবক্তা ঐখোযগী নুংশিনা যোকচবিবা মহাকসু যাওখিবম্বী। কাবক ঝাবক চাকপা অচৌবা উ ফৈবা অমগী মখাদা উচেক্তু লৈকবদগী মাগী মতু খবা চাকখিবা নৎতনা হকচাংদি পুবা চাকলমদে। মহাক্না শিখিবসি মৈখু মবক্তা শোব ফুনবদগী ওইবম্না যাই।

ঐগা লোযনবিবশিংনা হাযবগী মতুংইন্না উচেকসি ফুত ২৫০০ দগী (মণিপুর তম্পাক্কী খ্বাইদগী নেম্বা মফমনি, নৎত্রগা অৱাংবগী চাং লান্না পাবা ওইবম্না যাই) ফুত ৫০০০ ফাওবা ৱাংবা চীংগী মপুং ফানা কুণ্ডথাববা উমংশিংদা ফংই। মখোয ঈবম-খোংলম মনাক্তা লৈবা পাম্মী। মফমসিদা মখোয যাম্না তাঙনা নৎত্রগা চেকশিন্না লোৎতুনা লৈগনবা উচেকসু নৎতে। মখোয খবদি নোংপোকথংবা লুসাইদা কোমহাওশিংগী লৈবাক, অদুগা মনিং মখা তমলিবা ব্রমাগী অৱাং নোংচুপকী মফমশিং ফাওবদা লৈ।

মখোযনা জিবী তম্পাক্তুগী মণিপুরগী মনুং হুনজিনবা মফমশিং ফাওবদা লমুকনববা উচেক ওইনা মবক মবক্তা শোইদনা ফংলমগনি। অদুগা ঐখোযনা ষ্টেত অসিগী খা খমথেংবা ঙমখৈদগী ফংখিবা অদুতা নৎতনা মখোসি নোংপোক‹ংবা চীংগী খাবোমথংবা শকক্তসু লৈবম্না যাই।

কালোপসিস ইলোতি হাযনবা লমযেন মখলসিনা মশক মতো ফজববী উচেক অসিগী খ্বাইদগী নকনবা মবি-মতা ওইগনি। অদুবু ঐখোযগী উচেক অসিগীদি মযাযথংবা মমৈ মতুশিংদা মবাক চপনা চাওবাং লাংবতা নৎতনা (শকফম অসিদগী ঐনা খুদক্তা কনা অমতনা শকখঙদুনা মমিং থোনদ্রিবা উচেক অমা লৈবে হাযবা খঙখি) মহাক্কী মঙক অকোযবদা মুই। পুকলোমথংবা হকচাংগী শকক্তা **ইলোতি** লমযেন মখলগুম্না ঙৌবোক ঙৌনা উবগী মহুৎতা ঙাংলৈনবা কাংচেৎ মচুগুম্না ফজৈ।

উচেক মখলসি অশেংবা লমযেল মখল **(কেসিত্ৰনস)**, অদুগা লমযেন অঙাংবা **(গালোকসিস)** মখল অনীগী মবক্তা লৈবা

*ওইগনি। ঐগী ৱাখলদা **কালোপসিস** কৌবা অনৌবা জেনস অসিনা মখোয অনি তশেং তশেংনা খাইদোকহল্লনি।*

ৱারোইশিন

ৱাবীসি লোইশিল্লগে। অদুবু হে নোংইন মসিমদি তাখো। নহাক্লা ঐখোযবু শোযদনা ৱাবৌৱগনি। ৱাবৌবগী মবমসু অচুম্বনি। যেলহৌঙদগী লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎতবু খোযদাজবী নহাক্লা নবাইবক থিবকপগী মকদি মীওইবনি। মাংলমচৎতা ঐখোযনা নফমদা চৎথিবা শাজৎ, যেংথিবা মীৎযেং মযাম্না নহাকপু কপহনবনি। অদুবু, ঙসিদি নংগী অশেংবা নশক, নতিক নগুন খঙনবকপগুম তৌবে। ১৯৮৯ দগী নহাক্লা কংলৈ (মণিপুব) শক্তাকপা চেক ওইবে। নমান্নবা পোম্বী-চেক্লা মবক্তা নহাকপু অখোযবীনি হাযনা শকখঙলে।

মহৌশা লমদমসিগী ঈশিং নুংশিৎনা ফবিঙে, চীংনুংগী অচীকপদা মীওইবগী নিলখোংবা যৌদ্রিঙদা নখোযনা মকু-গ্বায-ইবং পবিংদগী কাইলাম-তিপাইমুখ, ইবিল-থৌবাল তুবেলদগী শীবোই-কাশোমগী চীংদোল, চীংমায, লোকচপ, থেলশিংদা (মিটব ৯০০-২০০০) হবাও-তযামলম্বগী বাবীদি কাওনদ্রি, অদুবু, ঙসিদি ? ১৯৯২-৯৫ দা অৱাং-নোংপোক্কী চীংনুংদা ঐসু নখোযগী খোঙ্গুল লীকই। মীওই কযাদা অযেকপা লাই/ফোটো উইন্দুনা নখোযগী নশক হংলুই, লৈফম থিকই। মহৌশা নখোয উখি/লৈখি হাযনবা মফম কযা যৌকই, অদুবু নখোয কনামতা লৈবমদে। লৈবম্মী হাযবগী খুদমসু মশেম মবাংলম্মী। লমদমদুগী চীংশাং নাপোম অযাম্বা ইকোক কোকলম্মী। নাবক মোংশোঙশিংনা মুৎশি মুৎশি হিংলম্মী। নখোযনা পামজবা খিকলোই-লাংনা তাকহৌবে। হেজামপেৎ কাংগ্রৌসু হৌবমদে। চীংমায লোকচপশিংগী তুমনৌ-লাংগোমশিংনা লমজাউ লাম্মৈগী মৈশা খঙনহৌই। ঙহাক্তং পোৎথাকবদা উজাও উকগী মৈচাকখাক্লা অৱাবা ৱাবী লিবকই। কাহৎলবা মখোযনা নিঙাইদনা যেংহৌই। লাম্মৈনা মকম মচা চাকখোকখ্রবা 'চেকশিংগা কপমিন্নবকই'[১]। মাইকৈ খুদিংদা যেক্রবনা লাঙ্গোই চল্লবী হে নোংইন, নহাক তশেংনা ঐখোয ইবক্তা লৌবিৱা ? নংবু মঙগী চেক হাযবদু ওইবৱা ? ❑

---

(১) অহবগা সনামানবীগী মাংযেং লাইবিক্কী ***'নোঙীন খিবা'***।

থৱাইগী মমল

ঐখোযনা **থৱাই** হাযবা ৱাহৈদি তোযনা হাযনবে । ৱাবী লাইবিক্তা ইনবে । অদুগা মাগী মশক মতৌ খঙলৱা হাযবদি নৎত্রি । কনা'মতনা মাবু উনদ্রি । মুনি-ঋষি, দার্শনিক, বৈগ্যানিকশিংনা মাগী মতিক-মগুন শিংথানবি । অদুবু মখোযসু **থৱাই** মশক উবে, খঙলেদি হাযনদে । মাগী মশক-মতৌ মচুনচিংবা তাকপা ঙমনদে । ঐখোযনা **ফজবা** হাযবা অমা উবে । অদুগা **অথিবা** হাযবসু উবে । অদুবু **ফজবা** কবিনো, **অথিবা** কবিনো ; অনিসিগী খেন্নবিবা লংদাহ্নদু কদাযদনো হংলক্লবদি কবি খুমগনি ? **ফজবা-থিবা** হাযবদি যেংলিবা মীৎযেং, মফম মতমগীসু মথা পোল্লি । মীৎনা শং-শংনা উববা পোৎকি মশকফাও তাকঙমদ্রিবা ঐখোযনা শকউদবা থৱাইগী মশকপুদি কবম্না খঙলুনি ? শকউদবা পোৎনিনা থবাইবু লৈতে হাযবসিবা ? মদুসু লানগনি । থৱাইগী কাযদোংফম থৱাইপানবা মশিং লাকঙমদনা লৈবি । শকউদবা নৎত্রগা শকউবা পাম্বী, তিন-কাং, শা উচেক ওইনা মতমচুপ্পা ঐখোযগা ইবোই লোইনবি । ঐসু থৱাই অমগী মপুনি । থৱাইপানবনি হাযনা চাওথোকচবি । অদুবু চহি অসুক শাংনা মপু ওইবক্লিবা ঐনা ঐগী অশেংবা ইবল থৱাইবুদি অমুক্তা উদ্রি । শকউদ্রিবা মাবু ঐনা অসুক্কী মতিক নুংশিবি । লুনা তৌবি । মাগী পেন্নবা হোৎনবনা ঐগী হৃথৌ ওইবি । ঐগী পুন্সি কৎথোক্লি । ঐনা ফনমক চেকাশিন্না মশক উগে তাল্লগসু ডদ উদনা মহাক ঐবু থাদোকলম্লগা অসুম মাঙখিদৌবি ।

লেংলি পাল্লিবা জীবশিংতা নৎতনা সাহিত্য, কলা-সংস্কৃতিগী মচাক-মথুম, সমাজগী থৌদোক-ৱাথোক, চৎনবোলশিংদা থৱাইগী মফম চাওনা লৈ । কলাকাব অমনা মশাগী মাঙদা ৩নং ৩বং উবিবা কলাগী মচাক

অদুতমক শৈশক-শৈথাবগা পেন্দে। পোৎতুগী মকুম থুপলিবা শকউদবা মগুনদু পুথোক্নবা হোৎনৈ । মাগী কলাদা মমী তাহল্লি । মদু কলাগী থৱাইনি । লাইযেকপা অমনা মানা যেক্লিবা শক্তমদুগী মতিক-মগুন পুম্নমক শিজিন্নবিবা মচু-মচু মবক্তা তিনশিন-যানশিন্নখি । থৱাই হাপখি । ঈশৈ শকপশিংনা মাগী খোল্লৈ-খোন্দা, শৈহেক্লো; লিলাগী শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংনা মীৎযেং নাযেং, শাথেক, তৌথোবকপা থবক্লা অতাবা/অযেংবশিং শুমহৎনবা হোৎনৈ। অসুম্না থৱাইবু মফমচানা হাপ্পা ঙম্লিবা কলাগী পোৎথোক্তু অফবনি। থৱাই পাল্লি । অহিংবা অমগুম মতম কুইনা পুন্সি । অদুগা থৱাই হাপ্পা ঙমহৌদবা কলাশিং অদুনা কুমগী অহানবা ঈশিং ঈচাওগী কৌশিং-কৌবাংগুম মাযকৈ শলাই খঙদনা ৩াওবম্লগা মতমগী ঈবোলনুংদা লুপখি । শিজিন্নফম খঙদনা মাঙখি। মমিফাও লৈহৌদে। লীওনাবদোগী কল্পনাগী মমি মোনালিসাবু মীযাম্না শক্লা-শোন্নবি। লাইযেকপনা যাম্না হৈশিংনা, মফম চানা থৱাই হাপখিমালে । অহিংবা অমগুম মাগী মীৎযেং, মাগী মীনোক, মাগী ইঙ্গিৎকা মীৎচানকবশিংগা পাও ফাওনৈ। লোম্নোক্তনা ৱাবী শানৈ । চহি চা কযাদগী যমুনা খোঙবান্দা নুংঙৌ তাজমহলগী থৱাইনা অবাকপা খুদিংদা শহাজহান-মমাতাজগী নুংশি ৱাবী লিবি ।

ঐখোযগা খ্বাইদগী নকননা, মতমচুপ্পা লোযনদুনা লৈবগা মশক্তি খঙদবা পোৎশক অমা হাযবগদি মদু থৱাইনি । মালেম শিন্থুংনা শন্দোক্লিবা মঙালনা পোৎ নৎত্রগা লৈমাযদা হেক থেংনুম্লিবমখৈ মশক উদবগুম থৱাইসু কাযদোংফম উফম চাবা ফংদ্রবদি নৈ হাযবা খঙনদে । অতিযা মকোযগী চুমথাংনা মখোঙ লোৎশিল্লগা মচু তবেৎ তশেং-তশেংনা পুখোকপগুম, মশক-মতৌ খঙদবা থৱাইনা যাওফমদি তাক্তনা জীবশিংগী মতিক-মঙাল হাপ্পী। থম্বাল খোইমু অনিমক থৱাই পাল্লি, অদুবু থম্বালগী লৈকোন্দদি থম্বালনা হকচাংনি, খোইমুনা থৱাইনি । খোইমু যাওদবা থম্বাল পিকথন্না হৌবা পুখ্রি, পাৎ কোমশিং ইহাং হাংবগুম, থবাই যাওদবগুম তৌই । লানজাবা খোইমুনা(১) হেক মোংলবদগী পোমশাৎনবম্বী নৈ কযাগী থবাই মিহুল

(১) মীওইবা মবান্তা যম, লৈকায, খুঙ্গং নাইনা পন্না লৌমিন্নবগুম খোহবা মকোন অমদা মপা মযাম পুল্লপ-পুল্লপ লৈমিন্নবা ককচেং, খোইশিংগী মবক্তা মপী থর্বাদি ঙহাক্তা পোথাদনা কোইচৎ চৎতুনা, কোইপাই পাইদনা লৈ । অচা অথক লৈফম, লৈশাংফম কোইথি থি । মখোযদে লানজাবা মপীন ।

চোংলকই। লৈকা ফন্না শাৎকাযবকই। লৈনা শাৎকাযবা উবদা খোইমুসু ময়াই কাবকই । লৈতাবা ঙমলক্তে । থম্বালদা তোংলুই । শকহেনবী কনাগুম্বীগী মাযখোংদা অমুবা শম্বুগুম । থম্বালদো, মাগী তনৌ-তনৌবিবী লৈকাদা খোইমুনা খোঙনেৎনৈ হাযবগী ব্রাবৌকদে । খোইমুগী কাহেনবা শাজৎনিসু খল্লুদে। অহোইনদুম হবাওজে। খোইমুনা লৈকা ফিজোল হাইদোক্লা লৈহী-ঈফুৎ খিবকপদা তনিক-তনিক খাঙজে। খুদক্তুগীদি থম্বালনা মাগী লৈজবা অপুব্বা থরাই খোইমুদা শিন্নে। খোইমু যাওদবা থম্বালগী পুন্সি অহাঙবনি। থমচেৎ মক চংঙমদনা খাঙুথক্তা কেনখিনি। থম্বালগী লৈহী ইফুৎ কংখিবগা খোইমুনা মাবু মীতাদে । অতোপ্পা লৈদা তোংখি । থরাইগী কায়দোংফম হোংখি। মিৎকুপমুক্তা ওইবসু খোইমুনা থম্বালগী থরাই ওইবম্বগুম থরাইনা হকচাংদা কাযদোংফম লৌই । অদুগুম্বা হকচাংদু থরাইপানবা কৌই । আধ্যাত্মিক্কী মীৎযেংদা লৈহী চেন্দ্রবা লৈ অমদগী হযিংখোই, কুবাক, খোইমুশিংনা অতোপ্পা লৈ অমদা তোংখিবগুম, পুন্সি চেংজেল লোইববা হকচাং পোলাং অমদগী থরাইনা মপাল থোকখি। অদুগা অতোপ্পা পোলাং অমদা থরাই মিহুল লাংলুই । মসিবু বৈগ্যানিকশিংনা এনর্জিগী যাওল বাহম্বোক্তা, নুমিৎকী এনর্জিবু অশংবা পাম্বীশিংনা চুপশিল্লগা কেমীকেল এনর্জি ওম্বোক্তুনা প্রকৃতিনা যাৎলবা চিঞ্জাক্কী লম্বীপবিং খুত্নুং হন্না পাম্বীশিংদগী শা-উচেকশিংদা মথং-মথং থংথখিবগুম তোঙান-তোঙানবা এনর্জিগী শক্লোন, কাযদোংফম হোংবনি হাযবোইদ্রা ? এনর্জিগী লম্বী পবিংসিনা হেক ৩ৎখিবদা হকচাংদগী থরাইগী মৈবী মুৎখিনি । মালেমদা এনর্জিনা শেমনকবা লৈ৩না, লোইবা-খম্বা নাইদবগুম থরাইসু পোকপা শিবা নাইদে, লোইবা লৈতে হাযগদৌবিব্রা ? অমুকসু, থরাইপানবশিংগী মবক্তা পাম্বী কযা অমনা মউ, মনা, মক-মবাংদগী অনৌবা মতোল চোংলগা চাদা-নাউদা শন্দোকই। কযা অমনা লৈ শাৎলি। লৈদা যাওবা পা মক, পী-মক তিন্নবগা উহৈ মক ওইবকই। মচা পোকই। শা উচেকশিংগী মবক্তুসু অপীকপা মখল কযানা মশাগী হকচাংবু মকুপ মচেৎ মচেৎ কাযবগা মচেৎ অমমম্না মচা ওই। তিপ্লোক মশাং অমা মকক অনী থোক্লা ককথৎলবসু মকক৩ অমুক মশাং ওইনা চাওবকই । হাযদ্রা[২] গী পিকখ্রবা হকচাং মচেৎ অমনা মপুঙ ফাবা

(২) মচিন অকোযবদা মবেন্ট মযাম মবে মবেং পানবা সাশন্দা লৈবা অপীকপা জীব (শা)।

হকচাং অমুক ওইবকপা ঙম্মী। অচৌবা শাশিংগী মবক্তদি'য়েৎ ওই খাই। পুঙবা শেম্না য়ুম্বান্নে। চাবোক মখল খুদিংমক্তা মপা মমাগী মতিক-মগুন পুম্নমক মচা-মশুশিংদা মথং-মথং থংথৈ। মসিবু থৱাইদি লোইবা খম্বা লৈতে, পোকপা শিবা নাইদে, মাঙবা লৈতে, হকচাং পোলাংতমক হোংই হাযবিৱা ? লৈ অমদগী পাইথোকখিবা খোইমুনা অতোপ্পা লৈ অমগী থৱাই খোইমু ওইকৄবগুম মপা মমাদগী ফংহৌবা থৱাইগী মতিক মগুন্না মচাশিংগী ওইহৌই।

থৱাইগী মওং-মতৌ, মচু লৈতবা ওইবমগনি। অদুবু কাযদোংফম উফমগী মতুংইন্না মাগী মওং-মতৌ কযা থোক্না উহনবগুম তৌই। তিন-কাংগী থৱাইনা পিশক পিক্লগা শামুগী থৱাইনা হাযঙমদনা চাওবমগদৌবোই নিংই। লিনগী থৱাইনা শাংদ্রোং শাংলগা হাইড্রা, ওক্টোপস, নৎত্রগা উ-বাগী থৱাইনা মশা-মবেং পাল্লমগদৌবোই খল্লি। অদুঙৈগী মিসোজোয়ক দাইনোশোবশিং নৎত্রগসু মতমসিগী কৈ নোংশাগী থৱাইনা হিংচা যাইতম্বা ওইবগা তিন্ব্রোক, কুবাক্কী থবাইনা উনগুম ইংলমগদৌবোই নিংই। মীওইবা মবক্তসু লানফমদা খুৎলাই পাযবিবা মখোযনা মিনুংশি খঙদবা, হিংচা-যাইতম্বা ওইবগা কলাকাবশিংগী থমোযনা লৈগুম থোংনা উই। মসিবু শিনফমনা ওইহনবনিসু হাযনিংগনি। লানফমদা লৈশি-লৈথোন, শৈবেংগী বাহে বাতাগী কান্নফম কৈদনো ? শিনফম অমসুং অকোযবগী ফিভমনা বাঙাং, লোনচৎ, থম্মোযগী মচু হোংহল্লি। লোন, চৎন-লোনচৎ তোঙান তোঙানবা মফমদা চাযোক-নাওযোকনখিবা মমা অমতগী মচা ফাইবোক অনি মফম মফমদুগী হৈনবীদা অদুমক চাশিন চুশিন্নখি। মনিং-মথা তমলম্বা লমলক্কী শা-উচেকশিংনা মীওইবগা নকশিন্নকবা, তোৎন-তিন্নকুবদগী হিংচা-যাইতম্বগী লিচৎ কাওখিদুনা ইং-তপলকই।

থৱাইগী গুন অমা ওইবিবা মীওইবগী পিথোবকপা প্রতিভা অসিদি মী মীগী মবক্তা অসুমক থৈন্নে। মসিদি শিনফম অমসুং অকোযবগী ফিভমনা পাক হোংহনবা ঙমদে। কবিগী প্রতিভা পিনবকপা কনানা যোৎপাক লাঙ্গোলসু পাযসনু, শীংযান উযানসু তৌসনু, লানফমগী মনাইসু ওইসনু, মানা থাবকপা কবিতাগী ছন্দ ইফ-ফৈজে। ইনৌতা নৌই। অদুগা কবিগী প্রতিভা যাওদবা কনানা পামজনা শেমজবা কবিতাগী থৱাই অদুমক হামচৎনৈ। মফম মতম পুম্নমক্তা ইনৌতা নৌবা, চৎনবা যাবা কলাগী পোৎথোক ওইঙমদে। লৈকোন

অমদগী লৈশিংনা শেমলকপা লৈগী নাচোম, লৈগী পবেং অমতা মান্নবোই। লৈবাংবী থেন্নবগী মতিক তোঙান তোঙানবা মগুন হাপনবক্কনি। লৈশক লৈচু খনবদা হৈথোই শিংথোইবা কনাগীনা হেন্না ফজবা, জুম-জুম লাওবগা মতিক-মগুন ব্রাংলবী কনাগীনা লৈচু থোক্তবা লৈশিংগী শীকংনববা পবেংগুম ঙগনি। নংনা চপ মান্নবা লং মচু মচু পিদুনা ফিশাবী কযাদা ফি শাহল্লু। মখোযনা পুথোবকপা ফিগী নোমুনা, মযেক, বাশী গুন অমতা মান্নবোই। তোঙান তোঙানবা নংগী ফি ওইনফাও উবা যাই। ফিশাবীশিংগী হৈনজবা, পামজবা, থমোযগী ইহল পুম্নমক কলাগী পোৎথোক ফিদুদা মমি তাহন্দুনা থবাহগী মতিক-মগুন থেন্ননা উই।

প্রকৃতিনা থব্রাইপানবশিংদা অপাম্বা, নুংশিবা, কল্লক-মীহৌবনচিংবা থব্রাইগী মতিকশিং ইমান-মান্ননা হাপ্লীবম্মী। অদুবু মফম মতমগী মতুংইন্না থব্রাইগী মমল থেন্নবগুমসু উই। লম্বী শোবোক, মীযাম মবক্তা খুৎলাই পাইবশিংনা ঙাকশেল্লিবা অমগী থব্রাই, মাবু ঙাকশেল্লিবশিংদুগী থব্রাই, মখোযনা তাখি তাওই লাওহৎপিবিবা লম্বাগী চাকনিবদুগী থব্রাই, .. থব্রাইগী থবাই ঙাওনি। মমলদি কযা থেন্ননা উবিবা ? মমাজগী ইথিল নৎএগা কবিগুম্বা মবমু অমদগী মমাগী সিযোমনুংদা মীতম্রিবা থব্রাইবু মমল লৈতবা ওইনা মাঙহন্নবা যৌবাংলম্রিবী অমনা অদুগুম্বা থবাইদুনা তাইবং ফাওবক্তুনা **ইচা** হেক ওইখিবদগী থব্রাইগী মমল কাউখৎখিদুনা মীনোক-মীরা অমতা নাচুংলক্তে। মচাগীদমক মথবাই ফাও থাদোক্তে হাযনা লিন অমুবীগুম যৌনা ফনা মাযোক্লবকই। চাং থেন্নবাসু থব্রাইপানবা খুদিংমক্তা মচা নুংশিবা থঙই। উহৈগী অথাবা মকু কুযোম্না পাম্বীগী মতোন-মনৌ ওইবক্কদৌবা মক থব্রাইবু যোমশিল্লি। অপীকপা বকহৈংনা মকম মচা শোকলুবগী মীওইবা ফাওবা শিংনবকই। পুন্সিগী অহানবা তাক্কক, মথোং কাবকপগী অপাম নুংশিদা থোঙদাবিবা শাবী শানৌশিংনা মপা মমা হেক ওইখিবদগী মচাগীদমক্তা হাকন্নবা, কল্লক মিহৌবশী উবেদা উক উক লৈবুঙগা অবোইবা পুন্সি শকক্তা নুংশিবগী অপাক কুমলকং। থবাইপানবশিংগী মবক্তা মমীৎতা মচা উদবা কনানা তৌববু নুংশিবা থবদি মরাৎলি। মকম কোনবগী অরা অনা মাযোমনবদবা মুমগী ঙানুনা মচা নুংশিবা খঙদে, মাগী মকমবু মচা ওলহল্লিবা থেম্বী অদুনদি মচাদা মচাগুম লুনা তৌই। শিবা কিদনা হাকন চংই। মানা চাগদৌবা চিজাক ঙানু মচাশিংদা পিজে। মচাশিংনা চাবা উবগা মহাক

হবাওজে। থৱাই পেন্না যেংজে। অতোপ্পা ৬৮০কী মকম মচা চাথোকপদা হালেংদবা ঙ্কাকনা থাবুম অমা চুপ্পা চাদ-থক্তনা অৱা অনা খাঙনা কোল্লগা তাইবং ফাওহল্লকখিবা কোকিল মচাবুদি মানা পোকচবা মচাগুম্না লুনা চান্না যোকই।

পৃথিবীদা মীওইবনা ৱাখল মপুঙফানা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা হৌনবকপদগী থৱাইগী মশক খঙগে থিনবি। মতম মতমগী লাইপোকশিংনা মাবু ফংনবগী মঙলান্দা তাওদুনা লাক্লি। সংসাবগী অৱা-নুংঙাই পুম্নমক কাওথোক্লগা মাগীদমক অঙাওবগুম পুন্সি লেন্নবসু কযানি। নিংথৌ তুবেলগুম হৌবকফম-লোইফম লৈতবা মাগী অবোল-অথুপশিংবু বৈগ্যানিকশিংনসু খঙগে, উগে তান্নবি। অকক্লবা চৎন-পথাপ খবদা থৱাইগী হৌবকফম থিবি। লেপতনা হোৎনকবগী মতিক চহি মিলিযন কযা লাপথ্রবা থৱাইগী হৌবকফম, কেমিকেল বিযাক্সন, যাওলগী ৱাবী ৱাখোঙ খবমখৈ ফংলে। অহানবদা, মীওইবগী সভ্যতাদা ধৰ্ম্ম, লাই-তিন্দা হকচন্না থাজবশিংনা খুদুম চল্লিঙৈ, শেম্বীবা মপু (ঈশ্বব) অমনা মালেম লৈশেম ৎশেমখি, লোযননা পৃথিবীদা লৈবিবা পাম্বী, শা-উচেক পুম্নমক মা-মানা ওইবিবা ফিভমসিদা অদুমক শেমলকখি থাজনৈ। খৃষ্টানশিংগী ঈশ্ববনা, হিন্দুশিংগী ব্রহ্মানা, মৈতৈশিংগী কুকশিদবনা মালেম শেমখি হাযবগী তোঙান-তোঙানবা বাবী শীংবুন লৈনবগুম পৃথিবীগী মী জাৎ, কাঙলুপশিংগী মবক্তা মা মানা থাজনকবা লাইগী শক্তম লৈনৈ। থাজনৰ্বশিং অসিগী মাযোক্তা লেকবা মতম মতমগী দার্শনিক, বৈগ্যানিকশিংবু **অঙাওবা** হাযনা লকনখি। মীযাম্বু লান' নমজিংনবা হোৎনবনি হাযদুনা নিংথৌগী চৈবাক, শিবগী অহকপা দন্দিফাও ফংহনবা যাওখি।

থবাইগী মমল থিবিবা অমা ওইনা পৃথিবীদা থবাইপানবশিংনা লৈবা হৌবকখিবগী মবমদা অথঙ অহৈশিংনা যাৎলম্বা শাংলবা বাবী-বাখোঙ শুপচিন্না পল্লম্বা চুমগনি। পৃথিবীদা লৈবিবা থৱাইপানবশিং অসি শেম্বীবা মপু অমনা আপান্ননা শেমখিবনি হাযবনা মহৌশাগী থাজনবনি। নাইল তুবেলগী লৈথোমদগী নুংশানা যৈবগা হঙোই, চুম, লিন, গুঙীব ওল্লি; শগোল অঙৌবগী মমৈ মতুনা ঈশিংদা তাবগা শবেং তিল ওল্লি, অমোৎ অকায, ফি-ফুবিৎ মতম কুইনা কাচীন্দা নমশিন্দুনা থম্লগা উচি, খবম্বী পোকই; অপুম-অশা

ঈশিংদগী কাং পোকই, শা-ঙাশিংনা পুমথবগা হল ওল্লি, হাযবনচিংবা কযা থাজনৈ। অযুক্কী লীক্লানা তিন ওল্লি, শাশিংগী অমাংবদগী তেপ ৱার্ম পোকই, চোৎ-চোৎ লাওবা লৈবাক্লা বাইখু পোকই হাযনসু এবিষ্টোটলনা (৩৮৪ ৩২২ বিসি) থাজবম্মী। বাহী, পুকশ্রিনা শিবগা শীংনাং ওল্লি, উফক্লা ঙাক্রিজৌ, ঙাম্মুশিংগুম ওল্লি হাযবা লমদমসিগী থাজনবসু লৈ। অতোপ্পা গ্রহ, উপগ্রহ, থবানমিচাক নৎত্রগা শুন্দ্রংগী মফম মফমদগী পাইবকখিবা থৱাইগী মকনা পৃথিবী যৌবক্তুনা মখল মখা থবাইপানবশিং লৈহনখিবনি হাযবসু ৱাৎতে।

তবাতবেৎশুবা চহিচা লোইবকপা অদুবাইদগী থবাইপানবা অমবু অতম্ননা শেমলকপগী ৱাহন্থোক্তা তশেংনা যানিংদবা বৈগ্যানিকশিং লৈবকখি। মখোযনা পৃথিবীদা থবাইপান্দবা পোৎচাকশিংনা চহি যুগ কযা চংনা তপ্পা তপ্পা ওল্লকুনা থবাইপানবা ওইবকখি, অদুগা মতুং তাবকপদা থৱাইনা থবাই পোকই হাযবনি। রুসিযাগী এ আই ওপাবিন (১৯২৩) অমসুং ইংলেন্দগী জে বী এস হালদান (১৯২৮) অনিনা বাখললোনসিগী অচুম্বা কযা চাংযেং তৌদুনা উৎখ। ফিভর্মাস তাবাত্ত্রেঙ পৃথিবীনা চহি মিলিযন লিশিং মবি চামঙা অদুবাইদগী লেবকখিবনি। অদুগা চহি মিলিযন লিশিং অহুম চামঙা অদুবাইদগী পৃথিবীদা থবাইপানবা লৈবা হৌবমগনি থাজনবি। মবক্কী শাংখ্রবা চহি মিলিযন লিশিংমুক্কী ৱাবীদি শকনাইদ্রিবা প্রবাতনি। মতমসিদা মৈহৌনা শাবস্থা পৃথিবীগী লৈমাযনা অসুম অসুম ইংথবক্তুনা থবাইগী মচাক ওইবৱ দৌবিবা পোৎচাকশিং তপ্পা তপ্পা লৈবকখি। পৃথিবীগী অকোযবদা এদমোসফিযাবগী লৈবোল লেবোল নাইবকখি। হাইড্রোজেনশুৱা অযাংবা এলমেন্তনা হান্না লৈবক্লগা ওক্সিজেন, নাইট্রোজেন, কাববোননচিংবা যাওবকখি। নুমিৎতগী বেদীএসন, কোসমীক বে, নোংথাংখুপ্পা, মেগী চাং পোকখাযবনচিংবদগী থাদোবকপা এনর্জিনা পোৎচাকশিংদগী পোৎযানশিং ওইহল্লকখি। হাইদোজেন ওক্সিজেন তিন্নবগা ঈশি হাইড্রোজেন নাইট্রোজেননা এমোনিযা, হাযড্রোজেন কাববোননা মিথেন গ্যাসনচিংবা মথং মথং লৈবকখি। পৃথিবী ওইবকপগী অহানবা বাক্ষকসিদা চহি কযা লেপ্পুনা নোং চুদুনা পাক চাওববা সমুদ্র ঈপাক শেমখি। এদমোসফিযাবদগী পোৎচাক কযা নোংগী ঈশিংগা লোইনবকখি। সমুদ্রদা [illegible]। লোযননা অনৌ অনৌবা পোৎচাক, পোৎযান কযাসু মাইকৈ

পুম্নমক্তগী ঈশিংনা চেঙবকখি। নৌনা পুবকপা পোৎচাকশিংগা হান্না লৈবম্বগা হন্না-হন্না পুনশিন-যানশিন্নরগা হেন্না হেন্না মতিক-মগুন লৈবকখি। থৱাইগী মতিক মগুন চেল্লক্কুনা থৱাইপানবা ওইবকখি। অসুম্না সমুদ্রগী ঈশিংদা অহানবা থৱাইপানবা পোকখি।

চাংযেংগী পাম্বৈনা থৱাইগী হৌবকফম ৱাবী ৱাখোঙ খবমখে খঙলগসু থৱাইপানবা অমসুং থৱাইপান্দবা অনিগী লাংদাইবুদি তশেংনা খঙনদে। থৱাইপান্দবা পোৎযান্দা প্রকৃতিনা হৈশিংনা হাপখিবা থৱাইগী মতিক কনাদসু খঙহন্দে। উহন্দে। পা-মক, পী-মক তিন্নবদা হাপখিবা থৱাইবু মপা-মমা ওইবা কনানা খঙহৌ-উহৌবগে ? অঙকপা বিগ্যানগী থৌবাংনা থৱাইপানবা অমগী হকচাংগী অকুম্বা চপ চানা ওনবা ঙম্লবসু হকচাংদু মচেৎ-মচেৎ কক্লগা (মচেৎ অমফাও মাঙহন্দনা) মচেৎ মযামদুগী অকুম্বনা মপুম ওইবিঙে অকুম্বগা খেন্নবা অদুমক লৈ। মসিবু বৈগ্যানিকশিংনা কবি হাযদৌবি ? দার্শনিকশিংনা কবি খুমদৌবি ? ঐখোযনা অমম্বা অমসুং অঙানবদি উবে, মখোয অনিগী কাখল লাংদাই অদুদি উবৱা ?

থৱাইনা অহানবদা সেল অমতগী হকচাং ওইবা পাম্বী ওইনা পোকখি। শকনাইবা প্রকৃতি ওইবকখি। মখোযদো মতমসিগী বেক্তেরীযাগুম্বা ওইবমগনি। মতুংদা প্রকৃতিগী পুংলোন তাঙ্গাদা তপ্না তপ্না শকমান্নবা, শকমান্নদবা সেল কযা লৈবকখি। সেলশিং মথং মথং পুনশিন্নদুনা হেন্না চাওবা, হেন্না মতিক মগুন লৈবা থৱাইপানবা ওইবকখি। শকনাইবা প্রকৃতিগী তম্পাক্তা লৈশাৎতবা, লৈশাৎপা মখলগী পাম্বীশিংনা মালেম হুশং শংলকখি। প্রকৃতিগী শিঙ্গা অমদা অশংবা পাম্বীশিংদা ফোতোসিন্থেসিস[৩] গী মতিক হাপ্তুনা থৱাইপানবশিংদা থৱাইগী তঙাইফদবা মচাক ওক্সিজেন পিনবা থৌবাংখি। নুংশিৎতা ওক্সিজেনগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্কুনা শাশিং লৈবকনবগী পোবম যাৎখি – অহানবদা যাঙলেন শক পান্দবা অদুগা যাঙলেন শক পানবা মখলশিং লৈবকখি। যাঙলেন শকপানবশিংগী মবক্তা, চহি মিলিযন চহুম যাঙ্খে অদুরাইদগী ঙা মখলশিং, চহি মিলিযন চহুম কুন

(৩) অশংবা পাম্বীনা নুংশাগী মঙালদা নুংশিৎতা যাওবা হচেনবা কাবর্বোনদাইওক্সাইদ নৌশিল্লগা অফবা চনাংগা পোৎচাক (গ্লুকোজ) ওন্থোকপা লোইনন ওক্সিজেন থাদোকপা।

অদুরাইদগী হঙোই কাঙলুপকি শাশিং; চহি মিলিযন চনি যাঙ্খে অদুরাইদগী চুম-লিনশিং; চহি মিলিযন চাম্মা হুমফু অদুরাইদগী উচেকশিং; অবোইবদা চহি মিলিয়ন চাম্মা অদুরাইদগী খোমথকপা শাশিং লৈবক্তুনা ইকুই কুইদনা চহি মিলিযন অমবোমদগী ***হোমো সেপীয়ান*** হাযনা খঙনবিবা মীওইবগী থরাই লৈবকখি।

প্রকৃতিগী তম্পাক্তা মীওইবগী মীংনা উবিবা, নাকোংনা তাবিবা, খৌজেংনা শৈথাবা ঙস্ত্রিবা থবাইগী মশিং, মখলদি খবতনি। কুনশুবা চহিচাগী বিগ্যান্না থরাই মখল মিলিযন অমা তঙ্খাইমুক্তি শিংথানবে। অসিগুম্বা শকক তবা হেন্না খঙনবমখিবোই। লৈশৌবুংগী অমম্বা সংসাবদা লৈশৌ, মুকথুবীনা হৈনবগুম অঙানবা সংসাবগী অমম্বা মবক্তা থরাই মশিং লাকঙমদনা লোৎলমখিনি। মীৎযেংনা তাস্লিবা মালেমগী ফজবা মবক্তা ওইথোক্তুনা ওইথোকপা মঙলানগী শক্তমগুম্বা থরাই কযা লৈবমখিনি। থৌরান নোংজু অতিযাদা ফৌশু ঈশে শিনবাংনবিবা তুমিৎ যুবালগুম্বা কযা কযা তম্রেবা চীংনুং ঈশিংচাযবী হবাওখোলদা ঙাওজবমখিনি। তুমিৎনা হৈবোং মনুংগী সংসাববু মপান নাইদনা নুংঙাইবা মফমনি খনজবগুম শুক্রবা লোকনুংগী পুন্সিদা খোযদাজবা থরাই কযাসু যাওবমনি। অমুবা অতিযাগী অবংবা চুমথাং মকোয মবক্তা; তাবমদাই নুমিৎকি মচু মচুগী নোংজাবী লৈকোন্দা, থাবল্লে লৈকোনদা লৈবাং খোইমুগী সংসাবদা; লোইনাইদ্রবা অতিযাগী নুংশিৎকি কুযোমনুংদা . নুমিৎনা উঙমদবা ফমজিল্লবা ডনপাক মবক্তা, মশিং লাকঙমদা থরাই মশিং লাকঙমদনা লোৎলমখিনি।

ঐখোযনা শা-উচেকশিংতবু থরাহপানবা ওইনা উবগা পাম্বীশিংবুদি থরাই যাওদবগুম লৌনৈ। মখোযসু থরাই পাল্লি হাযবা কাওনবি। থরাইপানবা অমগী মতিক পোকপা শিবা নাই, অরাবা নুংঙাইবা পুম্নমক মখোযসু খঙই হাযবসি খঙনা খঙনা খঙাশিন্নদে। উনা-উনা ডশিন্নদে। মখোযগী মক-মবানা অঙানববু কি। অদুগা মউ, মশা মবোং, মনা, লৈশিংনা অমম্বু। অঙাওবা শনগা পাঙখকলবা কনানা ইনথুরীবম্রবা গম্রাগী পাম্বীনা নুংঙাইতবা ফাওই। তেল্লবা পুংজা খবগী মনুংদা মাগী মনা, মতোন্না নোংথকলমদা যেংলকই। অদুগা মক-মবানা লৈনুংলোমদা কুমথখি। অমম্বা কা মনুংদা বন্দিগুম ফাজিল্লিবা পাম্বীনা তাইফেৎ তাইনা অরাবা খাঙলিঙৈ কবিগুম্বা থোং,

থোংনাও, ফক্লাং অহোবদগী মঙালগী তেনজৈ কাপশিল্লক্লবদি মাইকৈ অদোমদা মাযওনশিল্লি। যোংচাক, খোক, হৈক্রুশিংনা নুমিদাংদা মনা থুপচীন্না তুম্মী। অযুক নুংশা মঙালদা মশা খিঙনা মনা ফন্দোবকই। অকনবা নুংশা মৈশাদা পান্বীগী অবাম-খৌবাংবা, নুংঙাইতবা পুন্বা মনা খুইথনা খঙই। শিকংনকুববা মখোযদো নোংদোল লিক্লা ফংলগা হবাওজৈ। মকালাম্না তেকথংলি। থাবল্লে, থম্বালনা অহিংগী অচৌকপদা খোইদাজৈ অদুগা থবো, থরিশথানা অমম্ববু খোইশাওনৈ। মকভুমীগী মৈপোকপী, তেংনৌনা অহিংগী পুংজা থবদা হবাওজৈ, নংহৌববোই মতাগুম অযুক্কী মৈশা লাংদ্রিঙে লৈশাংলি; নুমিংনা কোকতোন লাল্লকপদা লৈমন চল্লি। শজিবু লৈবী, কোম্বীবৈ, কবোকলৈ; কালেন-লৈহাও, লৈপাকলৈ; ইঙা লৈসনম, কুমদমলৈ· ইঙেল ইঙেল্লে, থবাল-থবো, থাবিকথা· লাংবন-অমুবৈ, কাঙপাল, মেবা শনাবৈ, পোইনু কুন্দো; বাকচীং হৈখা, মালহৈ; ফাইবেল যেনিংথা, হৈনৌ মপাল, পুম্নমক মতমগী খোঙলৈ কাযদনা থবাইগী মতিক উৎলকই।

মীওইবগী হকচাং কযাংশিংনা অবা অনা, চৈথেং কযা খাঙবগুম তগৎ তগৎ তোক্লবা হৈখোক লৈখোক্তগী হৈ, লৈশিং হেক্তোকপীবদা মশাদা চৈনা ফাওবমনি। হযিংখোই, কুবাক, খোইমুশিংনা লৈকা ফিজোল হাইদোক্লা লৈবুক সিযোম থির্বীবিবা লৈশিংদু ইকাযজবমনি। ইকাযথিবী অমনা 'শোকপীবক্কনু' হাযনা ইকাইবা খাঙবগুম খাঙলমনি। শমজিবৈ চবোংনা লুত্রং শমজীগী লৈতেং ওইবিবী শকহেনবী কনানা চেংলৌগী নির্থিবা হেনগংলে থন্না হবাওজবগসু লৈখোক্তগী হেকতংপিববী লৈ চবোংদুনদি অন্না মৈশা খাঙলমনি। কনাগুম্বীগী মাযথোংদা মুনা মাযহীং কাবগুম, নাপ্লগী লৈতেং ওইবিবী লৈহাও লৈবেলনা থুনা লৈমন চনবদি বাখলনা পোংলুমনবনবা? ফুগাযনা লৈশাং তমলিবী খোঙুমৈলৈ চবোং পং থংলগা তনৌ তনৌবিবী অমগী হকচাংদা শেং কল্লুবদা নিংথিবীদুনা ফাওবিবা চৈনাদুমক লৈ চবোংদুসু ফাওবমলোইদ্রা?

থবাইপানবশিংগী মবঙা অকুপ্পা, মীংনা ডবা ফংদবা মথলশিংনা অচৌবা মথলশিংদগী মশিঙ থিঙমদনা হেল্লমগনি। নোংজুথাদা লৈপাক মকম, উযেল, চেংগুমশিং নেংখায-থুগাযকবদা মখোযগী লৈবিক মকশিংনা ঙাংলৈনবা মৈখুগুম 'ব্রা' পাইথোবকই। অসিগুম্বা পাম্বীশিংগী লৈবিক, স্পোব

মশিং লাকঙমদনা অহাংবা অতিযাগী নুংশিৎকি কুযোম পঙ্খে মনুংদা কোযতাও তাওনা শান্নবি। থৱাইপান্দবা উফুল মবিক, মৈখু, বোম-তোপ, খুৎলাই চাংয়েংশিংগী ফৎতা-হৌদিশিংসু অতৎপা লৈতনা হাপচিল্লি। খুবীমুক্তা চাওবা লৈপাক মকম অমদা মক লাক্ষ কযা যাওবমনি ? পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তগী মশিং লাকঙমদনা লৈবিবা লৈপাক মকম মযামসিদগী নুংশিৎতা যাওবমগদৌবা মকসি কযানো ? অতৈ পাম্বী লাক্ষ-লাক্ষকীসু লৈবি। মখোয মযামসি কবিগুম্বা শক্তি অমনা পুল্লপ তাশিন-খোমজিন্দুনা পৈশিনবা ঙম্রবদি হিমালয কযামুক বাংলমগনি ? নুংশিৎতা যাওবিবা মক-মবাংশিংনা মফম চানা তাকবগা মতোন-মনৌ চোংদুনা অনৌবা পাম্বী ওইবকই। মতম কুইনা ঈশিং লৈদুনা নাপী হৌবা ঙমলুদ্রবা পুম্ভ্রি, খোংবানশিংদা ঈশিং হেক কংখিবা ইকুই কুইদনা নাপী মখল-মখা হৌবকপবু কনানা থাকবগে ? মসিবু কনাগুম্বনা লৈপাক্তা পোকপনি হায। তেনখ্রবা নুমিৎ খবনিগী মনুংদা লৈপাক্তা মখল-মখা থৱাই পোকপা মতিক্তা ? থৱাইদি থৱাইতনা পোক্কনি। লৈপাক্তা থৱাইগী কাযদোংফম ওইবনি। থৱাইগী মখল-মখা মতিক-মগুনশিং ফোঙদোকপা ঙম্নবা মচাক পিবনি। লৈপাক্তা নৎতনা নুংশিৎতগী মহীক-মনাইশিংনা থৱাইপানবগী হকচাংদফাও তোঙশিল্লি; থৱাইগী উফম, মচিঞ্জাক লৌই। খুদম অমদা, কোকফাই সুজা মখল খবগী মকশিংনা ঐখোযগী অমোৎপা উনশাদা পকখ্রগা মতোন-মনৌ চোংই, মীৎনা উঙমদবা পাম্বী মচা কযামকম ওইনা হৌই – 'ফি লাইকোয থুংবা (পকপা)' হাযনৈ। থৱাইপানবশিংনা শিবগা পৎথ-পুমথবিবসু মহীক মনাইশিংননি, অপুম্বা হকচাংনা মখোযদু পোকহনবা নৎতে। অপুম-অশাবু পামজবা হযিংনা মকম কোকশিল্লগা হল ওল্লি। লৈ ওইনা শাৎলিঙৈদা লৈবুক সিযোমনুংদা মকম কোকশিলহৌবা তিন্না মচা ওন্দুনা হৈনৌ মনুংদা চংই। হৈনৌগী মহাওনা তিল, ওলহনবা, অপুম-অশাদগী হল ওলহনবা খক ওইখোক্তে। মখোযদি লৈপাক্কুম্না থৱাইগী কাযদোংফম, মচাক হল্লুবতনি।

চহি মিলিযন কযাদগী প্রকৃতিনা থৱাইগী মমল লেপ্পা চাংযেং কযা তৌদুনা লাক্লি। লোমননা থৱাইগী যাওল কযা লৈবকই। চাংয়েং অমদা, চহি মিলিযন চাম্মবোম অদুৱাইদা মবাং কাযবম্বা দাইনোশোবশিং লোইনমক মাযথিখি। ফুত যাঙ্খে-চাম্মা শাংলমগদৌবা হিংচা যাইতম্বা মখোযগী চিঞ্জাক ফংলকখিদে। লৈফম লৈবকখিদে। প্রকৃতিনা লাকঙম ফাঙমদ্রবা মখোযগী

থৱাইদগী অপিকপা শা-উচেকশিংগী থৱাইনা হেন্না মমল কাওখৎহনখি। মীওইবনা পাঙথোক্লিবা চাংযেংশিংগী চাংযেংদি খবতনি, অদুগা প্রকৃতিগী তম্পাক্তা প্রকৃতিগী চাংযেংদি মশিং লাকঙমলোই। মহাক্কীদি চীং, পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং, লবুক-লমহাং পুম্নমক চাংযেংশঙ ঙাক্তনি। অদুগা মশিং লাকঙমদ্রবা থৱাইপানবা-থৱাইপান্দবশিংনা চাংযেংগী মচাক। চাংযেং খুদিংমক্তা মতম-মতমগী যাওল, ফিভমগা চাশিন-চুশিন্নবা ঙমহৌবা থৱাই অদুনা মাযপাকহৌই। হিংহৌই। অদুগা চাশিন চুশিন্নবা ঙমহৌদনা মাযথি-হৌববশিংবুনা শকউদবা প্রকৃতিগী খুৎ অমনা শাগল লাক্লা চীংথোকখি। মখোযবু মাঙহনখি। থোঙ্গুল মুৎহনখি।

প্রকৃতিগী অবোনবা চাংযেংবু শকক মচেৎ অমতং খঙউ উকবা ঙমহৌবা কনাবু মীথোয মীহেনবনি হাযনা শিঙথানবি। অদুগী, ফ্রনসিসকো বেদী (১৬২৬-১৬৯৭), লাজাবো সপ্লানজানী (১৭২৯-১৭৯৯), লুউস পাসচবগী (১৮২২-১৮৯৫) চাংযেংশিংনা থৱাইনা থৱাই পোকই হাযবা উৎখি। চার্লজ দাবরীননা (১৮০৯-১৮৮২) চহি মঙাবোম সমুদ্রগী মফম খুদিং শিনবা থুংনা কোইকবগা শকখঙনবকপা থৱাইপানবশিংদগী প্রকৃতিগী অবোন-অথুপকী পাবা কযা তমলকখি। খঙলকখি। অদুবু, মহাক্লা 'প্রকৃতিদা থৱাইনা থৱাই পোকই, মাগী মশিং লাকঙমদনা লৈবিবা পাম্বী, তিন, কাং, শা-উচেক্কী শক্রোনদি মতমগী যাওলনা তপ্না তপ্না পুবকই, শেম্বী শাবীবা কনা অমতনা মখোযবু অসুম্না সুম শেমলক-শাবকখিবা নৎতে' হাযনা মীযামদা পাওদমলুবদদি **অঙাওবা** হাযনা লকনবকখি। গিগোব মেন্দলনা (১৮২২-১৮৮৪) লবুক্তা মখল অমগী হৱাই মঙ্গল মকনা মচু-মচুগী লৈ শাৎলকপা উখিবসু প্রকৃতিগী চাংযেংননি। অমুক্তদা মকম যাঙ্খ্রে চাম্মা কোকপা ঙম্বা লবুক থবোই অমগী পুন্সিদা মকম কযাম কোকলমগনি ? পৃথিবীগী অদুগুম্বা থবোই মপী মযাম্না কুম অমদা কোকলমগদৌবা মকম কযানো ? মহাক্কুম্বা থবোই মখল কযাগী মশিং লাকঙমদবা মপী মযামসিনা কোকলমগদৌবনা কযা ? ভাবনা লাম্বফাও বাবগনি। মকম মযামসি লোযনমক মচা ওন্দুনা মপী ফাববদি পৃথিবীগী লৈমাযদা থবোই মকুতনা মবোল কযা লোল্লম্রগনি। অতৈ জীবশিংগী লৈফম লৈবমলোই। মসিমক প্রকৃতিনা থোকহনাখদে। থোকসু থোকহল্লোই। মাগী চাংযেং কযানা অমুক্তদা মচা অমতা পোকপা থৱাইগা

মকম মচা লিশিং লিশিং পোক্লিবা থবাইশিংগী মবক্তা খল কাযহন্দনবা থৌবাংলি।

থবাহ্পানববু ওইববসু কলাগী পোৎথোকপু ওইববসু মখোযদা থবাহগী লেফম/যাওফম কদাইবাইদনো? উশাদগী উহৈগুম পানববা? তুবেল ঈচেলগুম চেনববা? চী-মায নুংবীগুম খিনববা? এখোযনা অকংবগুম উবিবা পিকখ্রবা হ্নাম মকপী মনুংদা থবাহনা যাওবি হাযববু কনানা উবগে? অদুবু মতিক চানা ঈশিং নুংশিৎ নুংশা লাংলগা মহাক অদুমক মিৎকপ থোকলকই। মতোন চোংলকই। মনা পাল্লকই। মশা মউ মথং মথং লোংলক্তুনা লেশাৎলকই। মহৈ যাল্লক্তুনা হান্নগী হঙ্গাম মকম শক্তমদা অমুক হল্লকই। অসুম্না হঙ্গাম পাম্বী মমপী পুন্সি যাওলদা থবাইগী মতিক মগুন তোঙান তোঙান্না উংলবসু মপী পুন্সি নাক্কক অমদা মচেৎ মচেৎ শেৎলগা যেংলবসু থবাই যাওবর্ম্বদি থব যেংনদে। শাশিংগীসু অদুমঙাই হকচাংদা তোঙান তোঙানবা তোংশা, কযাৎ মচা মচা যাওবি। মখোযবু বিগ্যানগী অনৌবা পাম্বে কযানা নুংজাও চী মাযমুক চাওথোক্না উহল্লবসু থবাইবুদি উবা ফংনদে। অচৌবা শা উচেবাশ দা **হার্ট** পাল্লি। হকচাংগী বাটীন কোইযা শিনবা থুংলিবা ঈচেলগী হৌফম লোইফমনি। **থমোয়** হাযনা শক্লোকনবসু যাওই। হার্টতি মাৎনা উবা হকচাং কযাৎনি অদুগা থমোযনা মীৎনা চঙমদবা নুংগী গুর্নানি। থমোযনা থবাইদগীসু তোঙাল্লি। থবাইনা থবাইপানবা পুম্নমক্নানি থমোযনা থবাইগী লেংলৈনি। মফম মতমগী মতুংইন্না থবাহপানবশিংদা থমোযগী মতিক মগুন খেন্নে। ঙাশিংগী হার্টতা কা অনি হঙোই চুম, লির্নাশিংগীনা বা অহুম উচেক অদুগা মীওইবা যাওনা খোমথকপা জীর্বাশংগীনা কা মবি মবি পাল্লে। হোয যুগ কযা শাংথ্রবা যাওল লম্বীদা অসুম অসুম মবাই চাযথখ্রবা হার্টকী কা অমা যাওবগদি মঙানি হাযবসু যাহ্। কা মঙা শাবববা হার্ট নংঙগা থমোয হাযনববু থবাইবা? মৈ, ঈশিং নুংশিৎ লোপাব, অতিযা হাযর্নাবিবা থবাহগী মাতক মঙালবু হার্টকী কা মঙা আপবুবা মাসনা থবাহগী অশেংবা শক্তম ওইবগনা অপীকপা জীব পাম্বীশিংগীনা কবি

মীওইবনা মশাগীনা থনবা রাখলনা মশাগী থব্রাইতবু থব্রাই ওইবগা অতৈপী থবাইবুদি থবাই ওইনা যনলে। পাম্বী তিন, কাং, শা উচেকশিংবু

থৱাই পান্দবগুম হেক হেক কাওথোকনৈ। মশাগী থৱাইতবু মমল কাউহল্লগা অতৈগীনা মমল লৈহন্দে। মখোযবু তাথি-তাওই তৌবী। নৈহৎপী। মখোয়গী থৱাইবু মত্তিকনৈ। ইশাগী থবাইগী মশকফাও খঙজদবা ঐখোযনা অতোপ্পগী থৱাইগী মমল লেপনবি। অপীকপা জীবশিংবু নুংশিবীবোইদৌবা ওইবগা নশাগী থৱাইবুদি কবিগী নুংশিবি ? নংনা নশাগী থবাইগী মমল খঙনিংলবদি শা-উচেক্কী থৱাইগী মমল খঙফম থোকই। নংগী অশেংবা থৱাইগী মমলদি পাম্বী, শা-উচেকশিংগী মবক্তা লৈবমগনি। শা উচেকশিংগী থৱাই মমল খঙলুদবদগী প্রকৃতিনা যেংলকপা অশাও মীৎযেংবুদি নংনা কবিগী রাবৌবি ? ❑

ক্বাক-কোকিল

ক্বাক কোকিল কনা কনানো ? ঙচেক অনিসি মশক তোঙান তেঙান্না তাক্লগদি অদুক হাক্লা বাগদৌবা মান্দে অমগী খোঞ্জেলনা খোইবাং খোইশাওহনর্বনি, অদুগা অমনা শুমহৎযাই পুবিনী। কোকিলদি ক্বাককুম্না যেলহৌঙদগী লমদমসিদা লৈবক্তে। মহাক অশেংবা মীবমগী উচেকনি। অদুমঙইনমক লমদমসিদা অমুক্তা উদ্রিবা উচেক অমবু ফজনা শক্লা শোন্নবা হাযবগদি মদু কোকিলনি। ক্বাত্তি ঐখোয ইবক্তসু লৈ। মীবমদসু ব্রাৎতে। কুনশুবা চহিচাগী মযাইচল্লকপা অদুবাইফাওবদা খ্বাইদগী নুংশিনদবা উচেক অমা হংনবকপদা চামগী মনুংদা তঙ্খায হেনবনা ক্বাকনি শোযদনা খুম্নবক্কনি। কবিগীনো ? মশক থি, কুচু মুই, মবম ৎ ফজদে হাযবগীবা ? শেম্বীবকপা প্রকৃতিদদি খেন্নবসি লৈবমলোই। মঙোন্দদি তুমিৎ যুবালদগী অচৌবা পাম্বী, শা-উচেকশিং ফাওবা চপ মান্নবমগনি। মহৌশাগী খল কাযহন্দনা লৈনবগীদমক মখোয খুদংমক্কী থৌদাং চপ মান্ননা হাপলমগনি। মসিবু খঙলুদবা ঐখোযনা থবাইশিংগী মবক্তা খেন্নবা থম্লি। থব্রাইপানবশিংগী মবক্তা অথিবা ফজবা, নুংশিবা নুংশিদবা, মবম কযা পিশিন্দুনা থৈদোক থৈজিন তৌবি। কান্নবা কান্নদবা হাযনা খন্দোক থঞ্জিন তৌবি। কান্নবনি খনবশিংনা লুনা তৌবা অদুগা কান্নদর্বনি খনবশিংনা তাথি তাওই তৌবিবি। ওৎপি নৈবীবী। হাৎতোকাপবি অসুম্না মবাইবক থিববা থবাইশিংগী মবক্তা ক্বাকসু অমনি। মাবু উবগা নৎএগা মানা খোংবা তাবগা থিনা থিনা চৈবীবতা মথংই।

ক্বাক মখল ঃ কোকিলগী মপাও তমদ্রিঙৈ, জীবশিংবু কাঙবু-কাঙলুপ খাযদোক্লগা খন্ন-নৈনবশিংনা ক্বাকপু ***কোরভীদি*** (শাহীং-ঙাহীং, অপুম-অশা পাম্বা) অদুগা কোকিলবুনা ***কুকুলিদী*** (খৌজেংদগী নুংশিবা খোঙ্গোক থোকহনবা) উচেকনি হায। বাবেন[১], কক[২], মেগপাই[৩] নচিংবা ক্বাক্কী নকনবা ইমুং মনুংনি। অদুবু মবম খবদা ক্বাক্কা মখোযগা খৈন্নে। ক্বাক্তি ক্বাকনি।

লৈফমগী মতুংইন্না মশক-মতৌদা খবা খবা খেন্ননা উবগসু পৃথিবীদা ক্বাক লৈতবা মফম তাঙই। লাক্ষাদীপকী কাভাবাতী কৌবা ইথৎ মচা অমদদি মহাক লৈতে। ব্লাবীদা, অদুঙৈ, উজাও অমগী মখোঙদা লাইনিংলিবা অমগী কোকথক্তা ক্বাক অমনা মাঙশিল্লুই। মতৌসিদা মৈহৌনা শাওববা মহাক্লা শাপ তৌখি। ক্বাক লৈবা ঙমখিদে। ভাবত্তা ক্বাক মখল অনি লৈ – অমনা যুমগী ক্বাক (বিগ্যানগী মীং ঃ ***কোরভস সপ্লেনদিন***) হাযনৈ। ফুতমুক্তা শাংবা মহাক্কী মঙক-মখৌবীদা উফুল পকপগুম ঙৌকনৈ। যুমলক্তা লৈবগা চাকথুম, কৈথেলগী হুন্দোকখাক, অবেম-অপাশিংনা হিংই। অনিশুবনা জঙ্গলগী ক্বাক (বিগ্যানগী মীং ঃ ***কোরভস মেক্রোরিনকোজ***) কৌই। মখোযনা লমলক্তা লৈবগা যুমলক্তা মচিঞ্জাক থিবা তোযনা চংলকই। ফুত অমা মখাইমুক চাওবা উচেকশিগী হকচাংপুম্বা অবংবা কানা মুশুক মুই। মণিপুবদা লৈবা ক্বাকসু মহাকনি। মাগী মচিন কোনতক তৌবগা চাওই। মতোন তুম্মী। মকোক মচিন তাইনফমদা অপৌবা মতুনা শমমান্না হৌই। মতৌসিনা মণিপুবগী ক্বাক্লা 'বাবেন' মখল মালহল্লি। অদুবু বাবেন্না নোংপোক ভাবত অদুগা জঙ্গলগী ক্বাকনা নোংচুপ ভাবতকী লমদা চংনদে।

ক্বাক্কী লোনচৎ ঃ মীওইবনা খঙলু-উকদবা প্রকৃতিগী অবোন-অথুপ লোন কযা শা উচেকশিংনা খঙই। চাং খেন্নববসু মখোযগী হকচাংদা অইং অশা, অহোংবা কযা খঙনবা উপায শাগোন্নবকই। নুংশিবা লৈনমনা (নৎত্রগা

(১) *বাবেন ঃ* নোংচুপ ভাবতত্তা লৈবা অচৌবা ক্বাক মখল। মণিপুবদা যংদে।
(২) *কক ঃ* বাবেনগা লৈফম পুল্লি। মপি ফাববা উচেক্কী মকোক মচীন তাইনফমদা অঙৌবা মতু হৌই। মণিপুবদা লৈতে।
(৩) *মেগপাইঃ* চাং উচেক মেশাংবী। মণিপবদা মখল অনি লৈ।

চিংহী মনম্না) হায়নকবা নাইদনা মীওইবগী ব্রাখল লৈযোল চোংহন্দুনা পুক্নিং ইবাং ঈথক হৌহনবগুম, মীৎকুপ পুংজাগী হোংলক্লিবা প্রকৃতিগী পুংলোন তাম্বানা শা উচেকশিংবু লাংতকনহল্লি। লাইতোংলবা মাইবীগুম লৈতাহন্দে। থমোযদা ফাওবকপা ঈথিলদুমক মখোযগী শাজৎনা উৎথোকই। মখল মখা খোম্বোক্না ফোঙদোকই।

প্রকৃতিগী অবোন অথুপ খঙনা পাওপুবী উচেক শিংথানবদা ক্বাক অথোইবনি। মীওইবা মবক্তা ওইববদি মহাকসি অফাওবা মাইবী, পাঞ্জিনিকা হায়ননি। পুক্নিংদা ফাওবকপা প্রকৃতিগী ইথিল কযা মহাক্না মশাগী লোন্দা হন্দোকই। খোম্বোক নাইনা পুথোকই। খোম্বোক কযা, সুব কযা থোকহনবা ঙম্বা মাগী খৌজেংনি। মাগী 'কা আ ক, কা আ-ক' হাযনা চিংলপ চিংলপ নৎত্রগা 'কা-ক, কা ক' নৎত্রগা 'আ গ, আ গ' হাযবগুম্বা খোম্বোক্তি অকি-অখঙগীনি। অদুগা কা, কা' হাযবগুম অতেনবা খোম্বোক্না অচা-অথক থিবনি। পুন্সিদা লাব অমোম ইথা থাদোকনগন্দে। মখোযনা ঊশা কাবোংদা তোংমীন্নবিঙেদসু তুমিন্না লৈগন্দে। চাবিঙেদসু ব্রাবী শানবগুম কবিগুম। কবিগুম্বা ক্বাক্না মচিঞ্জাক চাবিঙে, অতোপ্পগী পোৎ মিতাবিঙেদা মবে লৈতোন ব্রাবকপা ঙমলম্লবদি মহাক মপুক থন্না চাবা ফংলমগনি। পুন্সি নুংশাংলমগনি। অকি অখঙ লৈতবা মফম, মতমদদি মহাক্না 'ক্বাক-ক্বাক' হাযনা থমোয মকা লাম্বা ফোঙদোকই। লাব-অমোমগী লৈফমসু খোম্বোকসিনা তাকনৈ। অযুক অঙনবগী পাওজেলসু খোম্বোকসিনি। নিংতম্বা, হবাও তযাম্বগীসু পাওজেলনি। খোম্বোকসিখক্তনা মশাগী মশক তাকচৈ। মমিং কৌজৈ – **ক্বাক**। (ইংবাজীদা **ক্রো**, হিন্দিদা **কৱা**, সংস্কৃততা **কাকা**, কনাবীদা **কাগা** কৌনবসু মাগী খোম্বোক্তগীনি)।

অতিযাদা নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক্নী মাযকৈ, লৈচীল নোংফাইগী যাওল, নোংজু নুংশাগী ফিতম তাকনবা মহাক্না খোংহ। নোংঙাল্লক্কদৌবে খঙহনবা মাগী পাওজেলবু **ক্বাকখোং অহানবা** হাযনৈ। অযুক অঙনবদা কোযপাই পাইদুনা তুম্বা হৌদোকপবু **ক্বাক্নী লানবাও চেনবা** শৈশকনৈ। মাগী লমচৎ মতৌগুম্না অযুক অঙনবদা লেকায কোযগনবী, অদুগা ব্রাহৈ খোনফম থীবী, নুংশিদবী কনাগুম্বীবু **নুপী ক্বাক** , চবেং চবেং খৎনগনবী মনি-মমৌ নৎত্রগা নিঙোল মৌ নৎত্রগা লোন্নী নুপীগী মতৌব **ক্বাক্বা-চৱোইগা**

হায়নৈ । কনাগুম্বনা মফম মতম চাদনা ঙাং-শকপবু **ক্বাক্বা খোংবগুম তানিংদে** পাওবৌনৈ। মীগী অৱা-অনা উবগা হবাওবা কনাবুনা লেংলাই থুংবা শনগী লুশমদা তোংবা ক্বাক্কা চাংদমনৈ। ক্বাক যুম্বান্নবা উরুবা ফৎতে থাজনৈ। অকবা থবক চৎপা লম্বী-লমখাঙদা উকববদি যুমদা অমুক হনজিন্দুনা ইকজনৈ । শেৎলু-ইল্লুবা ফীবোন ফাওবা গুদোক-চামথোকনৈ । নুমিৎ চপযুংবদা ক্বাক্বা লাক্বা-লাক্বা খোংবা নৎত্রগা অহিংদা ক্বাক খোংলবদি (লমদমসিগী ক্বাক্তি লমলক্তা লৈবা মখল ওইবনা অহিংদা যুমলক্তা যাবেক্তে। মীবৈবাক্কী যুমলক্তা লৈবা ক্বাক মখলদি নুমিদাংদসু খোংই) অফবা খুদম নৎতে, অৱা-অনা থোক্বনি নিঙনৈ। ইখোল মনুংদা ক্বাক্বা তোংবা মফম, মতম, মাথৈকে মাযোন, খোঙ্গোক তাবগা/উবগা থোক্বা যাবা থৌদোক বাথোক হায়নৈ। ' *অবাংলোমগী ইখোলদা ক্বাক অমা নুংথিল পোবোবতা লাক্বা লাক্বা খোংই। নুমিদাংদা যুম্বুবেন অহলদু মংলাক হংলাকননা শি, তোম্বীনৌ মতৈ মনাওসি হায়ফেৎ পৈশা পাযজবন্নবনি মবাইবক্বা থীবিবদি মমীৎতা মচা অমতা উদে। কৈদৌকনি। তৌবগীদি মখোয়গী মবালনি। লৈকায়নদি হায়বীবনি মানা যুম শাগদোবিবসি ক্বাক যুম্ফমদমনি, মহৌশাসু মফমসিদা হৌবম্বা উজাও অমদা ক্বাক যুম্বান্নখি* ' লৈকায় লৈকায়গী বাবীনি। ভাবতকি মফম থবদা মসিনা (যুম ক্বাক্বা) লাফু লাদা তোংলগা খোংলবদি কনাগুম্বা থবা থুংলবনি, অচা অথক তৌববনি থাজনৈ।

মণিপুরদা ক্বাক ঃ মণিপুবদা ক্বাক্কি ফিভম কমদৌবি ? অককনবা থিজিল হুমজিনবগী ফলনা মাগী মশিঙ চপচানা হায়বা ঙমদ্রগসু লমদমসিদা উচেক অসি যাইফবা হায়বদুদি ওইদ্রে । অযুক নোংঙাল্লকপদা ক্বাক্বা যাকৈবা তানদ্রে। চবোইনা ক্বাক মতু ফোইবগী কুম্মে উনদ্রে। যুমদগী ঙা, ঙানু যেনাও মচা ক্বাক্বা লাকখিনি হায়বগী মিপাইবা পোকনদ্রে। মতম অমদা ক্বাক খোংবা তাবগা ওঙ্গোক্বা নুংশিখিদ্রে হায়নবম্বদু হৌজিক্বা 'ক্বাক খোংবা তাদবসি কুইবে, নুংবু নুংশিবে' অসুম্নাফাও হায়নবে। কুনশুবা চহীচাগী মযায চল্লকপা অদুরাইফাওবদা মণিপুবদা ক্বাক মবা৲ কায়বম্মী। ক্বাক্কী ক্বাক ঙাক্তা। মাগী 'গা গা' খোঞ্জেলনা পুমনিল নিল্লম্মী। পূম্নমকসি ৱাবী ওইনবক্রে। মহাক লৈববসু লৈএগুম্রে।

ক্বাক মবায চাযথবকপগী মবম কযা লৈবমনি। মবমশিংদু ঐখোযনা খঙনদ্রবসু মহাক্নদি তশেং তশেংনা খঙলমনি। মবম পূম্নমক মীওইবননি খঙলম্লবা, মহাক্না ক্বাবৌবমনি।

ক্বাক্না মবাইবক থিবকপগী মকওইবা লম্বী অহুমথোক্না নৈনবা য়াগনি। অহানবদা, পৃথিবীগী মফম পূম্নমক্তা ক্বাকপু 'নুংশি' হায়না খক শোন্নদে। থাযনা ইংলেন্দগী নিংথৌ নিপালশুবা হেনবীনা ক্বাক পাক-শন্না মাঙহন্নবগীদমক চহী ১০ চুপ্পা অচৌবা থৌবাং তৌখি। লমদমসিদা ক্বাক হাৎতোক্নবগী অকক্নবা থৌবাং লৈত্রগসু মাবু উবগা হেক্তা হাৎতোকপীনবা হোংনৈ। লমলক্তা লৈবা উচেক মখল ওইবসু মহাক অযুক নুংথিলদদি যুমলক্তা অযাম্বা লৈ। উতোন-ক্বাতোন, শম্বলদা তোংলগা শুমাং-থেলোং, যেনখা-লুখাদা মমীৎ ক্রোক ক্রোক ওৎলকই। শুমাংদা ফৌবিবা ঙা; লোংউপ যেন্দাইনা উপলিবা ঙানু মচা, যেনাও; যেনখা লশিং পোলাং মনুংদগী যেকম; মানা পামলুবা চানিংলুবা পোৎশক শেন্নদুনা লৈ। খুদোংচাবা হেক ফংবগা তাপ লাক্কুনা পুখি। হীবমশোমদা মহাক যাম্না হৈথোই-শিংথোই। মাগী খুখোং-লাকখোংসু কনামতনা তানিংদে। মবম কযাসিনা ক্বাকপু নুংশিনদে। কুচু মুবী পুকফৎতবী উচেকনি খন্নে।

ক্বাক তশেংনা হুবান-চিন্থি তৌবী, থমোয ক্বাবকপা ঙমদবী উচেক ওইবমগদ্রা? প্রকৃতিগী থৌদাদা মহাক চহীগী নোংজুথা মাংওইননা পা-পী তিন্নে, অদুগা নিমমচুদা চেক মচুনা কুপলাং লাংবা মকম ৩-৫ কোকই। নুমিৎ কুননিমুক মমাগী শেগাদা মৈশা ফংলগা ওল্লকপা মচানা চয়োল ৩-৪ গী মনুংদা মপুঙ ফাই। থুনা চাওবগী মতিক মচাশিং মপুক লাওই, ইল্লিবমখৈ চায, পিৰ্জাবিবমক্তদা পেল্লক্তে। ফিভমসিদা মচাশিংগীদমক মমানা অৱা-অনা থিবক্তে। অকিবা পোক্লক্তে। চেকশিন্না ঙাক্লিবা মীওইবগী যুমলক চংলুই, হুবান লমচৎ চৎলুই। উতোন বাতোন অমতদা মহুম শামিন্নবিবা চবোইগী মকম মচা হুবাপ্লকই। মচাগীদমক চবোইসু শিবা নাবা কিদনা পান্বোম তিংলকই। **ক্বাক্বা-চরোইগা** পাওবৌনৈ। ক্বাক্কী অবোনবা শাজৎ-লিচৎ কযাসিনা ওইবমগানি। **ক্বাক-ক্বাক** নৎত্রগা ক্বাক তানবী, ক্বাক মাঙজোংগী ক্বাখললোল, লাইওইখ্রবশিংনা হৌদোকপিবল্লিবা।

অনীশুবদা, হৈক্রেং, নোংলৈশং, উযুংগুম্বা অচৌবা পাম্বীশিংসি ক্লা পামজৈ। মখোযগী মশা কাবোংদা অকংবা উশা-ৱাশা তবল-তবল খামজিল্লগা মকোন শাই। মতমসিদা পাম্বীশিংসি মমীংতা ঙাযবক্লে। তম্পাক্তা উমংলাইগী লাইকোনুংনা মবাং কাযবিঙৈ, চীংদা মীওইবগী খুৎশেম চংদ্রিবা উমং-উজাও যাম্না হৌবিঙৈদা ক্লাক মকোন শাফম, যাবেকফম মবাং কাযনা ফংলম্মী। পৃথিবীদা চহী খুদিং উমং হেক্তব মিলিযন ১৮-২০ লেপ্তুনা কোক্লি (ভাবতকী হেক্তব লাক্ষ ১৫ অদুগা মণিপুবগী হেক্তব লিশিং ১৪ বোম য়াওনা)। মীওইবগী লৈফম পাকখোক চাওথোক্লবকপা, চাওখৎ থৌবাংগী মবম কযানা উমং মাঙহনবগী মকুওইবা মবমনি। ফিভমসিদা ক্লাক্কী মকোন শাফম ফংহন্দে। লৈফম লৈবক্তে। লৈফম-চাফম লৈবক্লবা প্রকৃতিগী থৱাইনা কযামকুইনা হিংবা ঙমগনি ? মসিগী মথক্তা মহুম-মকোনগী মকম-মচা কযাসু মবক মবক্তা লাম্মৈনা কোগোক-কোক্লা চাকথোকখি।

অহুমশুবদা, মীওইবনা পোৎথোক চাথোক হেনগৎনবা পাক-শন্না শীজিন্নবিবা খুৎশেমগী হাব, তিলহাৎ-হীদাকশিংনা শাহীংচাবা শা-উচেকশিংগী খ্বাইদগী চাওবা লাংফম ওইবি। মহৌশানা অপুম-অশা মীতাবা উচেক ওইবনা মযাক কল্লবা **দিদিতি** (দাইক্লোবো-দাইফিনাইল-এাইক্লোবোইথেন), **এলদ্রিন**নচিংবনা হাৎলবা তিন, কৌজেং, ঙা, হঙোহশিং মহাক্লা মিতাকই। চিঙ্গাক্তা যাওবকপা হুনা হকচাং মনুংদা অসুম অসুম তাশিন-খোমজীল্লক্তুনা মাগী যেক্লবা ওইবকই। খুদম অমদা, ১৯৪৯-৫৭ দা কালিফোবনিযাগী পাৎ অমদা তিন-কাং খবা হাৎনবা দিদিতি অহুমলক্তুং চাইকবদা পাৎতুদা চাক্তাবা র্গেব (উপুম নৎত্রগা উথীৎ) হাযনবা ঙানু মখলদু দোবা তুম্না শিখি। খিজিল্লুবদা, পাৎতুগী ঈশিং মনুংগী ইশং-চবাংশিংদা তিনহাৎ হিদাক্কী চাং ০ ০২ পিপিএম [৪] ; ৱাইখু, থরোইগুম্বদা ২ পিপিএম; ঙাশিংদা ১০০ পিপিএম অদুগা উচেক্তুগী চাবোক কযাৎতা ১,৬০০ পিপিএম যাওবম্মী। প্রকৃতিগী তম্পাক্তা থবাইপানবশিংগী মবক্তা তঙাইফদবা চিঙ্গাক্কী লম্বী পবীং মশীং লাকঙমদনা লৈ। পবিংসিদা শা উচেকশিংনা পাম্বী অদুগা পাম্বীগী পোৎথোকশিংদা হাকথেংননা নৎত্রগা নাকোযননা হিংই।

৪) *পিপিএম* পার্ট পাব মীলিযন

হাকথেংননা চাবা কাংবুবু প্রাইমাবী কনজুমব, মথংদা সেকেন্দবী, তাবসবী, মথং মথং হায়নে। চিঞ্জাক্কী লম্বী পবিংসিদা চংথ্রবা দিদিতিনা প্রাইমাবী কনজুমবগী থাক্তা (মথক্কী খুদমদা · বাইখু, থবোই) শকক ২৫০, সেকেন্দবী থাক্তা (ঙা) শকক ৫,০০০ অদুগা তাবসবীদা (উচেক) শকক ৮০,০০০ ফাওবা চাং হেনগৎহল্লি। অসুম্না, তিন, কৌজেং, ঙা, হঙোই চাবিবা ক্লাক্কী মশাদা দিদিতি তুংনফম ওই। হুগী পোৎচাক অসিনা উচেক মপি অমা শিহনবা ঙমদ্রগদ্ মাগী হকচাং কথাৎশিং, মকওইনা চাবোক কযাৎ মথৌ ফজনা তৌহন্দে। মকম কোকপা হঙ্গহল্লি নৎত্রগা নাওশাবা মকম কোকহল্লি নৎত্রগা মকমদু মচা ওনবা ঙমহন্দে। কল কাবখানাদগী থাদোবকপা সলফব অমসুং নাইত্রোজেন গ্যাসশিংনা নোংগী ঈশিংবু এসিদ ওলহল্লি। কুমগী অহানবা নোংজু ঈশিংনা মতমসিদা মকম কোক্লিবা ক্লাকুম্বা উচেকশিং মবাইবক থিহাল্ল। এসিদ নোংনা মখোয়গী মকম মকু পাথহল্লি। মচা ওনবা ঙমহন্দে।

ক্লাক অমসুং মীওইবা ঃ ক্লাক লৈবক্তুবনা ঐখোযদা মাঙজবিবসি কবিনে? অতেনবা বাহংসিগী পাউখুমদি হাযঙমদনা মশা মবোঙ মবোঙই। শমাজল্লগা, উচেকসি লৈবক্তবনা এখোযদা মাঙজবিবসি লম্বী অলমদনি।

:

অহানবা, থাযনদগী মতিক লৈববা নাৎকি চৎন লোনচৎ কযা ক্লাক্কা শাগোন্নবকই। মহাক লৈবক্তবনা অদুগুম্বা চৎনবীশিং মবায চাযথবকপগুম ...বে। মশেম-মবাং উবক্লে। খুদম অমদা, থাযনদগী চহী খুদিংগী **মেরা হৌ চোংবা, ক্লাকতানবা** চৎনবকই। গবিবানিরাজ নিংথৌ হাতক্কা থৌবমসি লেম নিংথৌ অঙম্বশিং যাওনা পাঙথোকই, অচৌবা কুম্মৈনি (**অরিবা মণিপুরী লোনগৈ**)। নুমিৎসি অঙম-অথৌগী ফিজেৎ তান্নবা অচৌবা কুম্মৈনি (**চৈথারোল কুম্বাবা**)। চহী খুদিংগী মেবা ৩বানি পানবদা চীংমী-৩ম্মৌ পুন্না নুংঙোবীদা শন্দং অমসুং নোংগৌবী কৎপগী থৌবম অচৌবা কুম্মৈগা নোযননা মেবা হৌচোংই। মফম থবগী চৎনবীদা **উকায় কাম্লা** থৌনমগা ক্লাক তানবগা পুন্না পাঙথোকনে (**রাখুল পোমীৎ**)। মতমসিদা **রাবন কাম্লা** হাযবা অমসু ক্লাক তানবগা তোৎনখিদুনা ক্লাকতানববু **ক্লাক যাত্রা** হাযনবক্লে। ক্লাক তানবগী থৌবম অমদা মীযাম্না কৈথেনগুম তিনখি **ক্লাক কৈথেল** — ক্লা কৈথেল, ক্লাক যাম্না তাবা মফম অমবু **ক্লাক্তা** কৌনখি (**লমিৎলোন**)। ক্লাক তানবগী নুংগী থাপুদা লেবাক্কী মপী মপা নিংথৌনা

মাইবা-মাইবী, অঙম-অথৌ, ফমনাইবশিংগা লোযনবগা ক্বাক্না পামজবা চিঞ্জাক মফম অমদা থাদোকনৈ। উচেকসিনা চিঞ্জাক খুন্নবা পাইবকপা নৎত্রগা অচাপোৎ খুন্নগা অমুক পাইখিবা মাযকৈ, অচাপোৎ খুনবগী মওং-মতৌনচিংবা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না যেংলগা কুমদুদা থোক্লবা যাবা থৌদোক বাথোক, শা-লানগী পাউদম পি।

মীবোল কযা পুন্সিবক্লবা মেবা হৌচোংবা, ক্বাকতানবগী তোপ-তোপ্না শক্লোন শক্তম অসুম অসুম মবায চাযশিল্লক্লে। নুমিৎসিদা কৎনবশ্মী হাযনবিবা শন্দং, নোংগৌবীগী থোঙ্গুল মুৎখিদৌব। নোংগৌবীনা লোক্তাক অমসুং অকোযবগী কৈবুল লমজাউ, মাইবম ফুমলাক, মোইবাংকোম, ক্যাযনা চীংগোন্নচিংবা মফম খবদা তবক-তবক হিংলি। মহাক্না লমদমসিদগী মাঙখিবগা লোযননা *'নোংগৌবী নোংগৌবী শাবী কাম্বোং . '* হাযনবা শৈশক; উচেকসিনা পাৎ, তুবেলদগী ঈশিং কক্না অমতা থক্তে, মহাক্না ঈশিং থৌবাংলগা অতিযাদগী নোং কৌথৈ অদুগা ঈশিং থকই নোং কৌথবা ঙশ্নী উচেকনি নোং-কৌবী, নোংগৌবী, হাযবগী বাবী পবিং তৎখ্রনি। শন্দংসু অদুমঙাই, মহৌশা চীংগী মফম পুম্নমক্তা মবাং কাযনবশ্না; চীংমী অযাম্বগী হবাও কুম্মে, নিঙোল থাজ যোনজবদা ৩ঙাইফদনা যাওনবশ্না মহাক চীংনুং লেবাক্তা ফংবা বানবে। তিনকায খুনৌদা মবাইবক থিববা শা অসি লানবন মনুংগী বন্দিগুম হিংহন্নবা থৌবাংলি।

ক্বাকৈল উথক্তা শাৎপী ঙৌবনি। লৈবোল ব্রাবী অমদা, অদুঙৈ, ক্বাক যাওনা উচেকশিংগী মবক্তা খ্বাইদগী অহল ওইবা তান্নখি। মথোযগী মবক্তা 'ঐনা হল্লি, ঐনা হল্লি' খৎনখি। মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা, মশা শাইকং কনবা লংজানা ব্রাযেনখি। মহাক্না থিগৎলুবদা মকুনা খ্বাইদগী অহল অদুগা ক্বাক্না খ্বাইদগী অঙাং ওইবগ্রে। ক্বাকপু মবালগীদমক ব্রাকোংনবা হাযবদা মশাদগী মতু অমা থৎলগা 'লাল্লে' হাযজখি। থকশি খাশি কাযবগী অচুম্বা ব্রাযেলবু তুংফাওবা খঙনহৌনবা ক্বাক্কী মতুদু উশা কাবোংদা থেৎখি, উবৈ ওইনা লৈশাৎলকখি – **ক্বাকৈল** কৌনখি ব্রাবীনৈ।

হৌজিক্কী মীবোন্দা 'ক্বাকথোং অহানব'গী অর্থ মাঙশিল্লক্লে। 'ক্বাক্কী লানবাও শিল্লক্লে, চবোই তেতু থোংলক্লে' হাযবা শৈশক কাওনবে। 'ক্বাক

ক্বাক, কবি ক্বাকনো' ক্বাকতানবগী মশান্না, নুংগী অর্থ খঙনবক্তে। 'নুপী ক্বাক, ক্বাক্কা চবোইগা, ক্বাক খোংবগুম' হায়বনচিংবা পাওবৌ পাওতাক নিংশিংনদ্রে। 'ক্বাক যুমফম'গী মকওইবা খন্নবক্তবগুম তৌবে।

অনীশুবদা, ক্বাক্বা মীওইবগী এনভাইরনমেন্ত তক-তনানহনবদা লৌবিবা থৌদাংনে। মীওইবনা মতম, শেন যাম্না চংনা, অচৌবা থৌবাং পাযখৎতুনা হোৎনববসু ফংবা ব্রাবগৌদবা কান্নবা কযা উচেকশিনা ইবাই লাযনা পাঙথোক্লি। মহাক্বা ঐখোযগী মহৈ-মবেং মাঙহন-তাকহল্লিবা তিন, কৌজেং, উশিংশা, ঊচীনচিংবা ফাই। চাথোকই। নমথি-হানৈ পোকহনগদৌবা, লাযনা-তিন্না থোকহনগদৌবা যুম, কৈথেলগী হুন্দোকখাক, পোৎথি-পোৎকুম কযা অমা চাথোক্তুনা মাঙহল্লি। ইপা-ইপু লাইওইখ্রবশিংগী নিংশিং উশোবশিংগী অবেম অপা হুন্দোকপদা ক্বাক শংগু শংগু পাইবক্তুনা চাববদি লাইওইখ্রবা মখোযগী থৱাইনা পেল্লবনি থাজনৈ। নাকল অমবোমদা পোৎথি-হুন্দোকখার্কশিং অসিনা পৎথ-পুমথবক্লগা এনভাইরনমেন্ত মোৎহনগদৌবিবা অদুদা উচের্কশিনা লৌবিবা থৌদাংসি যাম্না মক ওই। কুচু মুববসু থমোযদি মীওইবগী যাইফনবা কৎথোক্লিবা মহাকনি। খা ভাবতকি 'খোন্দা' হায়নবা শাদানবা কাংবুসিনা ক্বাকপুদি থক হাৎতে। মপা-মপুগী বাবীদা – লাইববা, কনা লৈজদ্রবা হনুবা-হনুবী মতৈ-মনাওগী অশিবা মচা পোৎলোইবীনিঙাই লৈতদুনা লমহাংদা কুইনা হুন্দোক্তুনা থমখি। মমংদা লাই অমনা ক্বাক ওল্লগা 'অশিবা হকচাং হুন্দোকপা তৌহৈদে' হাযদুনা লোযনমক চাথোকখি।

ক্বাক্কী মতেংদগী উপাল কযা হৌবি। অদুগুম্বা উপালশিংগী অশংবা উনানা প্রকৃতিদা শকউদবা ওক্সিজেনগী ফেক্তুর্বী ওইবি। নুংশিৎতগী উফুল ব্রাইফুল ফাজিল্লি। অহৌবা, অথাকপা খোঞ্জেল লাকশিল্লি। অইং-অশাগী ফিভম কাযহন্দবগা লোযননা লৈনুংদা ঈশিং তুংকোইনা তুঙহল্লি। ইকং থোকহন্দনা অনৱা ঈশিং কুম বাঙদনা ফংহাল্লে।

তালমশুবদা, থবাহপানর্বশিংগী মবক্তা মতেং-ইতেং লৌনদুনা পুন্না হিংমিন্নবা হাযবসিনা প্রবৃত্তিগী থৌশিল-থৌবাংনি। থৌবাং অমদা শা-[illegible]চকশিংগী মতেংনা পাম্বীশিংগী ধাবা নালা শন্দোকহল্লি। কাঙখুল মুৎতনা হিংহল্লি। হশিংখোই কুবাক, খোইমু, খোই ন[illegible]না লৈকাদা তোংলুই। লৈহী

চুপলকই। লোযননা মশাদা, মতুদা পকলকপা লৈ অমগী লৈবিক অতোপ্পা লৈদা খিকথদুনা লৈদুগী উহৈ মক চংহল্লম্মী। ক্বাক্বা, হৈক্রেং, নোংলৈশং, ক্বাকচাবী, উবৈবোম, উথুম, ঙাং, কাকযেলখুজিল, শ্বাইতিঙ্খংশিংগী ধাবা মফম অমদগী অমদা শন্দোকই। পাম্বীশিং অসিগী হোম-হোম লাওবা উহৈগী কুযোমনুংদা মক যাওই। কুয়োমসি যাওবিবমখে মক অমতা লৈপাক্তা মতোন চোংবা হৌবা ঙমদে। মখোযদো ক্বাক্বা পামজবা উহৈ ঙাক্তনি। মাগী চাকখাও মনুংগী অশিন-অযাক মহীনা কুযোমসি তুমহল্লগা মকনা অমাঙবদা যাওবকই। অসিগুম্বা মকতনা পাম্বী ওইনা হৌহল্লি। চেকপল, ফুবা-দলান মথক্তা খোংনাং পাম্বী হৌবকপবু মালি কনানা থাকবগে ? মতম অমদা ক্বাক মবাং কাযবিঙে পম্বীশিং অসিসু মবাং কাযবম্মী অদুবু ক্বাক লৈবক্তবগা ইবোইননা পাম্বীশিং অসিসু হৌজিল্লক্রে। অযাম্বা কাংখুল মুৎলক্কদৌবে। লোযননা থাযনগী চৎনা লোনচৎ কযাসু মশেম মবাংলক্রে। মহৌশা মীশী-মীনাদা খুদক্তা ইঙ্খোলদগী হৈক্রেং যাল্লগা পোৎলোইনবম্বগী চৎনবী মাঙখ্রে। ইমাশিংনা উবৈবোম শংবা ফীগী চন্নফমদি ঙাক্লি। অদুবু মচুদু পিবম্বা পাম্বীদি? পাম্বীসি কবিনো হাযবফাও মশক খঙনবক্তে। মিউজিযমগী মচাক ওইবক্কদৌবে। খুদম খবতনি, উচেকশিনা মাঙখিবদা নাৎকি চৎনবী কযামসু তুংইন্নখ্রনি।

কোকিল কনানো ঃ ক্বাক্বা পাম্বীগী চাদা-নাওদা শন্দোকপদা মতেং পাংবতা নৎতনা মমান্নবা উচেক্কী মমাসু ওই। ৱাবীশি মখা তাবক্তিঙে, কোকিল কনানো ? ক্বাক্কা মাগা কবি থোকনৈ ? কোকিলদি তিন, কৌজেং চাবা উচেক ওইববসু ক্বাককুম্না অপুম-অশা হৈনবা, ফৎত-হৌদি শেংদোকপা উচেক নৎতে। মখোযনিগী মবক্তা মান্নবিবা হাযববু, কোকিল লাবগী কুচুসু ক্বাককুম্মী (অমোমদি অৱাওবা চেক মচুদা ঙৌকনবনা মফুৎ-মফুৎ লাংই)। ক্বাক্বা মীওইবগী থমোয খোয়শাওনহনবী ওইবগা কোকিলনা থমোয ইংহনবীনি। কোকিলগী খোঞ্জেলদি এক্স বেঙুম মচিন থৌই। শকউদবা মাগী মশেক-মঙালনা উন্সা ফাওনা চংখিবগুম কোকিলগী খোঞ্জেলসু ফাওজিনখি অদুগা থমোয লাইয়ুমদা যৈকই। অনীসিগী খেন্নবা অমা হাযবগদি, এক্স বেনা হকচাং মনুংগী কযাৎ-তোংশাশিংগী মমী ফোতো ফিলমদা তাহল্লি। অদুগা কোকিলগী খোঞ্জেলনা অপাম-নুংশিগী মমী থমোয লাইয়ুমদা তাহল্লি। ক্বাক্বা এনভাইবনমেন্তকী পাও পুবী ওইবগা কোকিলনা থমোয ইবাং পোকহনবী

উচেকনি। তুংওগ্নোক্লাবিবা অচেলগী পাঙ্খককুম্বা উচেক অনীসিগী মবক্তা ক্বাক্লা কোকিলগী মকম মচা য়োক্লবা থৌব্রাংলমলিবা মহৌশাগী খুৎশেমনি। ওইথোক্তনা ওইথোকপা হায়বসিমক প্রকৃতিদা অনৌবা নৎতে হায়বসি ক্বাক-কোকিলগী লোনচৎনা পাউখোংনি।

খৌজেং নানবা উচেকশিংবু কুকো (কোকিল) হায়নৈ। পিথাদোই, তিংগোংকাংগোং, উফকচাবী, নোংগৌবী পুম্নমক কোকিলগী নকনবা মবি মতা ঙাক্তনি। লমদমসিদা কুকো মথল যাম্না লৈবগসু অশেংবা কোকিলদি (হিন্দিদা - কোয়ল, বঙ্গালিদা কোকিলা; আসামীদা কোকিল সোবাই, কুলি) থায়নদগী লৈবক্তে। মহাক্তি অশাবা খোঞ্জেল নৌবীনি। চাবোকথাদা মহাক্লা ভাবতকী মফম কয়া শিনথুংনা মকম কোকফম, মচাগী যোকচবী থিবকই। আসামগী উমংফাও হেক হেক যৌবকই। মণিপুরদদি খক লানশিনলক্তে। কবিগুম্বা লার্নাশিনলক্লবসু মহাক মপাঙ কায়নখিবদগী কঙাওনববা অমা নৎএগা লম্বী লমুকনববা কনানা মতম খবগী শাইদাংলবনি। লমদমসিদা কোকিলগী অইংবা খোম্নোক্লা কৈদৌনকনি ? কোকিলনা ঐখোয়গী ইবক্তা লেংদনা লৈবা উচেক নৎএগমু লমদমসিগী কবি অশৈবশিংনা মাবু থায়নদগী শৈশক শেথানবকই। অদুঙৈ, কবি কমলনা কাঞ্চি উমংদা খোংহনখিবা কোকিলদু মশা নৈত্রবসু মশক থোকই। বসন্তগী হৈনৌ মপাল শাৎপা মতমসি মহাক যাম্না হবাওজে। চবুল চবুল শার্গলিবা হৈনৌ মপাল মবক্তা তোংবা অপীকপা তিনশিং খোযদাজবা মহাকনি। মতমসিদা লাবনা অবাপ্পা অনকপদা লৈবা অমোমাশিং লেফম খঙনবা খোংহ। মসিবু কবিশিংনা হৈনৌ মপাল খৌবোম থন্না উম্লগা মঙাশুবা, তবেৎশুবা খোম্নাংদা খোংবনি শৈথানৈ।

কোকিল শৈথা : ক্বাক্লা অবিবা চৎনবোলাশিংগা শাগোন্নবকপগুম কোকিলনা সাহিত্যগা নোয়নবকই। থায়নদগী ভাবতকী মমিং লৈববা বাবী লাইবিকশিংদা কোকিলগী মফম চাওনা কন্নি।

বামায়নগী মতাঙ অমদা : *নোংঙাল্লে,*
অহিংগী লাইবেম্বীনা তুমিন্না নাথেম্লে,
উচেকশিংগী ইশৈদা, কোকিলগী সুবদা।

কোকিলবু অপামনুংশিগী অথোইবা লাই কামদেবগী পাউপুবা উচেকনি শিংথানৈ। কালিদাসনা ঋতু সাংহারদা ঃ পোমশাংনবিবা হৈনৌ মপালবু কামদেবগী তেনজৈ, অঙাংবা লৈবুনা লিকং ওইবগা খোইমু পবেংনা লিবী ওইবি। মালাচলদগী হুম্রকপা নুংশিংনা মাগী মচুম তাববা শামু, থাজনা মাগী নুহুপ ওইবগা কোকিলগী শৈহেক্রো মাগী শুমহৎযাই ওইনা শৈথাই।

অনৌবা যোনংলক্রো
যেংলক্রে অনৌবা লৈগী চবোং
লোযননা,
নিল্লক্রে খোম্বাং কোকিলগী।

- কালিদাস ঃ রঘুবংশ

মুসলিম কবি জমালনা নুংশি ইখৌ লাংবনা কঙাওনববী নুপী অমগী মতৌ থাবদা ঃ কোকিলগী খোঞ্জেল, থাবলগী ঈপোম, নামীবা নুংশিং, কামদেবগী শুমহৎযাইনা মহাকপু ঙহাক লৈতনা ওৎপিবে। মাবু ওৎলিবা মখোযবু কবিগী দন্দি পীবোইদগে? মনা মতমচংনা লৈমাযদা ক্বাক, বাহু, লাইবেল অদুগা শিবগী শক্তম যেকচবে। কবিগীদমক? ক্বাক্না কোকিলবু তুমিন লেহনখিনি, বাহুনা থাবু যোৎশিনখিনি, লাইবেলনা নামীবা নুংশিং থকচিনখিনি, অদুগা মহাদেবনা কামদেব তাম্বোকখিনি। মোমোন নোকচৈ নুপীদু। অদুবু মীৎকুপতা থরাই যাওনা যেকচবা লাইশিংদু মযী অমতা পকহৌদনা অমুক মুৎথৎলে, মাগী মপুবোইবা থুনা হল্লক্রনি; থমোয ইবাং হৌর্হল্লবা মখোয যাওদনা মপুবোইবগা মাযোক-মীৎচানকবগী অর্থ লেখিদ্রা?

অপুঙবা উনাবক্তা শকলোৎলগা নুংশিবা ঈশৈতবু তাহল্লিবা কোকিলবু শিংথাবদুনা অথোইবা কবি ৱোর্দৱার্দনা ঃ মহাক উচেক নৎতে, শকউদবা মমগী শুমহৎযাই পুবা নুংশিবা খোঞ্জেলনি হাযনসু শৈথারম্মী।

লৈনম্না হাববা নামীবা নুংশিংনা হুমলি কাইদা কাইদা
অবংব পোহাম্না লৈশাংপা পাম্বীবক্তগী
তেনৱা শঙ্গুগী লৈকোন্দা
খোইমুনা পাইবি লেহী খিনা,
কোকিলনা যাকাইবি অঙনবা অযুকপু।

দোগলস ঃ বার্দ কেলেন্দব ফোব নোর্দন ইন্দিযা।

বসন্ত (কালেন) লোইখিদুনা কোকিলনা তুমিন লৈখিবা মতৌদা ঃ

অতিযাদা লৈচীলগী নোংহৌ উবকপদা
লোৎখবে কোকিল তুমিন্না
মতমসি হঙোইগী কুমদমনি
কনানা তাবীর্কনি কোকিলগী ঈশৈবু ?
— রাহীম অমসুং তুলসিদাস

ক্বাক্বী মচা-কোকিল ঃ প্রকৃতিগী শিহ্না অমদা কোকিলনা মশাগী মকম কোনবা, মচা যোকপা হৈতে। ক্বাকপু যোকচবী মমা ওইহল্লি। মকুম মথা ওইবক্তুনা ঈযেক নাওযেক ফাওবক্লবী কোকিলনা ক্বাক মকোন থিবকই। উচেক অনীসিগী মকম মচু, মওং মতৌসু ইমান মান্নে। ফিভমসিদা ক্বাক্বী মকম অমা অনী চাথোক্লগা কোকিলনা মশাগী মকম কোকশিল্লি। মতৌসিনা কোকিলবু খৌজেংতমক নানবী থম্মোয হু ফুম্বী ওইনা উহল্লি। ক্বাক্বা মশাগী মকমনি খঙলমলোইদ্রা, অদুমক কোল্লি। নৌনা তাইবং ফাওবক্লিবা মচাশিংবু মানা হেক পোকচবগুম যোক থাকই। অবিবা পুবান **মার্ত্রমুনি সমহীতা**দা কোকিলবু অতিয়াদা থাগী খোঙচৎ চুর্পলি পাযবিবী মাতিক লৈবী লাইবেম্বী অমগা চাংদমনৈ। থাজনা মশাগী অঙৌবা মাযথোংতমক উৎথোক্লগা তঙ্খায অমদি শুংউ উহন্দনা লোৎশিনবগুম কোকিলনা নুংশিবা ঈশৈতমক তাহল্লগা অতোপ্পগী মকম মচা মাঙহনবা হিংচাবীগী লমচৎতুবুদি লোৎশিল্লি। কোকিলগী লুজদবা লমচৎ শিংথাবদুনা মহাভাবতকি মতাং অমদা – 'মচিন মনাওগী লোইনবীদা মীৎতাকবা কনানা মথং মপোক্তা কোকিল ওইগনি, মমাংমক্তদা মাগী লোইনবীবু অতোপ্পনা মীৎযেং কাবললকপদা কবিমতা হাযজবা ঙমলোই' হাযনা পল্লি।

ক্বাক কোকিলগী মান্নবা মশক মতৌ লেনবিবা মবিনা মখোয অনী যাম্না নকশিন্নবা ইমুং মনুংগুম উহল্লি। অদুঙৈ, মীওইবগী থবাই মচিন মনাও অনীনা ওনখিবা উচেকনি হাযবা বাবী থাজহল্লি। মমাংঙৈদা শামলো কৌবা নুপা অমগী তালোই উপেমনুবু লাফোঙ লৌওনবা কৌবা লাই ফৎতবা অমনা তুমিন্না পান্নদুনা মচানুপা অনী পোকখি। মতৌসি খংলক্লবা শামলোনা লাই

নিংদুনা অঙাং অনীদু উচেক ওলহনখি – অহলনা কোকিল অদুগা মনাওনা ক্বাক ।' ক্বাক্কা কোকিলগী মরুম কোল্লিবসি ময়াম্বগী থৌদারা ?[৫] মহাকবি কলিদাসনা কোকিলবু ক্বাক্কী মনে (মন্দোল) ওইনা চাংদম্নৈ ।

১৯৮৮ দা মাইসুরদগী মরুপ অমনা পাওদমলকখি । মানা থেংনরকখিবা ৱারীনি হায় – *ক্বাক অমনা মরুম কোল্লিঙৈদা মকোন শুংথা থাদোক্তে । নোংমা ক্বাক্কুম মুবা উচেক অমা মাযোক্লবা উশা অমদা তোংলরে । বাইনোকুলরদা উচেক্কুগী মশক ফজনা খঙলে । কোকিলনি । মাবু উকবদা মকম কোল্লিবা ক্বাক্তু মকোন থাদোক্লগা পাইশিনখি । হাৎলুরগে মতাগুম । কোকিলদু হান্না তয়াবী তৌদুনা লৈবা ওইরমালে । খুৎলৈ থুনা পাইখি । মতুংদা ক্বাক্কা তান্নখি । মতমসিদা কোকিল অমোম অমা ক্বাক মকোন্দা পাইশিনখি । কদাযদা লোৎতুনা লৈবম্বনো ? ক্বাক মকোন্দা মিনিত অনীমক কুন্দুনা পাকথবগা লৈ । মকম কোকলিমালে । খুৎলৈ থুনা অমুক পাইথোকখি । পাইখিবদা মচিন্দা য়েকম অমা চেনখি । ক্বাক্কী মরুম ওইরমগদ্রা ? মিনিত মঙামুক লৈরগা ক্বাক মপীদু হল্লকই । মকোন্দা লৈবম্বা মরুমশিংদু নিংঙাইদনা কোনখি ।'*

মহৌশাগী ফিভমদা থাইনদগী লমদমসিদা খোন্নৌবী কোকিল লৈবক্তে । চুড়াচান্দ মহাবাজনা মীরৈবাক্তগী কোকিল জুবা খরা পুশিল্লুক্কুনা য়োকখি । লমদমসিদা তুংকোইনা লৈহৌনবা থৌবাং তৌখি । অদুবু মায় পাকখিদে । কনানা হায – কোকিল লৈতবা লমদমসিদা কোকিল খোংলবদি অফবা পাও নৎতে । ১৯৯৩ দা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা কোকিল খোংবা তানখি । মতম কুইনদগী চান্ন-চীন্নবা লৈমিন্নবিবা মৈতৈ-পাঙলশিংগী মবক্তা উংখৎনখি । ফাইরেল লৈচীলগুম । থৌদোক্তুনা মতা চাকবা ওইবগসু লমদমসিগী উমং-ৱামংগী শক্তম অঙকপা ফংনা হোংলে । ঈশিং-নুংশিৎ-নুংশাগী ফিভম কাযবক্লে হাযবদি অশেংবনি । নোং খজিক্তুং মংবদা চুবনা হাল্লে । ফুদিৎ ফুনা চুবনি থাজনবা নোংহৌ কয়ানা মবিক অমতা চুবমদনা মাঙখি । কুমগী অথাক-অবাও হৌবকপদা নম্বো হান্না যোম্নবে । ঈচাওগী মিপাইবা কোক্তিঙৈদা ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লবে । খুনাইসিগী চৎন-লোনচৎ কযাগা শাগোন্নবক্লবা পাম্বী,

---

(৫) অহৈবগী **সনামানবীগী মীৎয়েং** লাইথিবক্তা 'তুম্ব' যাদবা আহং অমা' ।

শা-উচেক মশিং লাকঙমদনা মাঙখ্রে। মীওইবগী যেক্রুবা তিন, কৌজেং, ঊচিশিংনা মনিং মখা তন্ত্রক্রে। মীওইবগী চাওখৎ থৌবাংশিংগা মহৌশা শক্তমণা খুৎশিন্নখ্রে। সভ্যতাগী অবং অবাক মবক্তা কোকিলগী খোঙ্গাং যৈবকপা অদুগা মতম অমগী নাকোং শিংজা যৈবন্বা ক্বাক্কী খোঞ্জেলনা অসুম অসুম মশেম মবাংলকপগুম তৌবে। ❑

মণিপুর লিলী

অদুঙে, কিংদোন বার্ডনা শক্লোক্লম্বা মণিপুব লিলীবু শিবোই চীংজাওদা শাৎপীনি, মণিপুবগী বাংমদা খক ফংদে হাযবগীদমক শিবোই লিলী হাযনা খঙনৈ। বিগ্যানগী লোলদা লৈসিবু ***লিলীয়ম মেক্রিনি*** কৌনৈ। পোক্লফম নমদমগী খুঞ্জাশিংনা শিবোই তিঙাবাউ' হাযনা নুংশিনা কৌনবিবা লৈসি খবো, খম্নাল, থবিকথাশিংগী মচিন মনাবনি। অদুবু মণিপুব লিলীদি শিবোই চীংথঙা হৌবীনি, কংফালদা শাৎপীন। শিবোই চাংগী লৈকংথবোনি। শিবোইগী লৈচীল পক্লবা চীংমায চীংদোন্না মাগী অমতা ঙাযববা মযুমনি। বাশক চেৎপান শিবোই লিলী। লোসি নী লাঙ তুন বাবী অমদা অদুঙে, মীওইবা নংপাক্লো শিবোইগী মচানুপী শকহেনবীনা কাশোঙ পাঙ্গলবগা লৌনাস লৈনসি নশকনখি। কাশোঙনা শাফা লানফা চৎখিঙে, মহাক্না শিবোই চীংদোন্দা মবুংঙো হল্লকপা ঙাইখি। পাঙ্গলবদো ঙসি ফাওবা হল্লক্লি অদুগা মহাক্না লেকং খবো ওইনা শাইওদুনা মবুংঙো ঙাইবি। কযাম কুইনা ঙাইখিদৌবি / মীওইবগী খুজিল থৌবাং কযানা শিবোইগী অচিকপা, অবোল অথুপশিং অদুম অসুম থুদুম চিনশিল্লবদা লিলীনা বাশক ঙাকপা ঙমখিগদৌবিবা ?

শিবোই লিলীবু মানমদা অহানবা শক্লাকাখব' কিংদোন বার্ডনা লৈসি নকবগী অবা নুংঙাই বাবা পাওদমলি)

১। [illegible] কিংদোন [illegible] **'প্লান্ট হন্টব ইন মণিপুব'** [illegible]
[illegible] শিবোই [illegible]
[illegible]

নুমিৎযুংবা অদুবাইফাওবা নোং লেপতনা চুবি । কাকফৈসু মহানি । নোং লেপখিদুনা নুমিৎ বাউবি বাউবি উবকপগা লোযননা মচু মচুগী চাওবাং লাংবা হযিং মযাম পাইথোক্লবকই । মখোযনা চিকখ্রবদি মফমদুদা ঈশিং হানবগুম চাওনা চাওনা পোমখৎলি । হযিংসিনা খুজেংদা, কমলাক্তা তান্না তান্না চীককল্লি । হুমহালোঙ হাযনবা মফমদদি অসিগুম্বা হযিংসি মীযাম্না যাম্না কিনৈ । মখোয পাইবা উবগা খোইদৌ শাওগৎনৈ । মবম অমা নৎত্রগা অমদগী ঐখোয ঙহাক্তা নৈতোবা ফংহল্লমদে । ফুক ফুক হৌগৎতুনা কাতু কাবল চৎহল্লি ।

শিবোই চীংশাংগী লোইপানলোম থংবা চীংমাযদা উচান খব খবতমক হৌবম্মী । ঐখোযনা পুশিঙ হাযবা মফমদু থাদোক্লম্বা অদুগা অমুক হল্লকপা ফাওবদসু যিভমাস ইকায কাযবমদে । মখোয অদুমক তবল তবল উই । মফমসিদা নোং মবাংকাযনা চুবনা ফিভমসি ওইবম্বা যাই । মহৌশাদগী থাশীগী উচালদি নোং যাম্না চুবা মফমদা হৈনদে । মসিমক্তনা পাম্বীসি তম্পাক্তা নিংথি নুঙাইনা হৌবা ঙমলমদবা ওইবমগনি । মাওলেন্দ চীংগী অবাংবা মফমদা নুং, চেনবাক মবাং কাযবা চীংমায, চীংচেপ্পা পাম্বীসিগী চানবা হৌফমানি । অদুবু মফমসিদসু উচান ইহৌ হৌদে । মখোযগী মহুৎতা কোনা অমসুং থাংতুপ পাম্বীশিং মবাং কাযবি । মাওলেন্দা নোংজুগী চাং ইঞ্চি ২০০ দগী তাবমলোই ।

হুমহালোঙদা ঐখোযনা নৈবিবা থাঙপোক্তু নোং যুই । অদুবু হযিং অবাংবী কিবদগী ঙস্তানা ইমুং চংলগা নৈ । হৌজ থেঙ্খাং কযাদা অহিং নোংযাইদা যুবকপা নোংলিনা ঐখোযবু হেক হেক মিৎকপ থোকহল্লি । ফুক ফুক হৌগৎহল্লি । থোঙদগী চেনশিল্লকপা ঈশংনা ইমুংগী মচি মচিদা তুঙশিন্দুনা কোঙ্গুত কোঙ্গুত তুঙই । ঐনা যমুংদগী কুমথবকপা খুদিংদা খুজেংমুক লুবা ঈশিংদা হেক হেক কুমলুই । তশেংনা ঐখোযগী ফমুং অমসুং চৌত্রি মথাদু সমুদ্রগী দিপ দিপ নৈবগুম উগনি । অদুবু নাইবক ফবদগী মফমদুদা ঐখোয নৈবাক্তাদ অমুক্তা তুমলদ্রে ।

হুমহালোঙদগী ঐখোয অমুক উখুল যৌবে । নৈক নৈকবা মফমদা ঐখোয অদুমক নুংঙাই । মফম মফমদুগী নিংথিবা কযানা

ঐখোয়বু থমোয় মথুম-মরাং হৌহল্লি। শেন্নাং মমৈগুম কাচপ পানবা কুরাকশিংনা নোংলিক মরক্তা চিৎ-চা লিৎতুনা ঐখোয়বু লকনবগুম কোইপাই পাইরম্মী। অমুক্তা শকউদ্রিবা পান্নীশিংদা ফজ ফজবা লৈশিং ফুগাইনা শাৎলম্মী। অনৌ অনৌবা উচেকশিংসু মরাং কায়রম্মী। ত্রৎ-ত্রৎ চিংশিনবমখৈ ইংলিবা অকবা লোকচপ মপান মপান্দা **বেগোনিয়া**[২] পান্নীশিং মবাং কায়না হৌরম্মী। পান্নীশিংসিগী অঙকপা মতিক মগুন অমদি, আসামদা মখোয়গী মখল নিফু-য়াঙ্খ্রমুক ফংবগী মরক্তা মনাশিংগী মওং মতৌদা খর খর খেন্নরবসু লৈশিংদি ঙৌরুননা ইমান মান্নে। অদুমওইনমক লৈশিংগী সিয়োম অদুগা অমুনবা উহৈগী মওং-মতৌদি অমুক খেন্নে।

নুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়না চীংগী মফমশিংদা থেককোই থেককোই কোয়রিঙৈ; লোকচপ খোঙলম লাম্থোক্লবা চীংমায়দা চপ-ঙম্না কুমথরিঙৈ; চীংদোন, চীংদুম শম্ৰগা মাঙগী অঙম্না চীংদা অমুক কাবিঙৈ; ঐখোয়না চৎলিবা খোঙলম্নীদা অমুক্তা শকউদ্রিবা লিন, চুম, হঙোই, শাবৌ, উরেন্নীনচিংবা জীব মখল মখা থেংনরকই। চীংখোঙদা ফৌগী লবুকশিংদা ফিখোংদবা মীশিংনা থবক কন্না শুবম্মী। লৌরী-পন্দোন শারম্মী। অদুগা লৈপাক লৈখোম লৈনাং হৌহন্দুনা লৌলিংনবা থৌরাং তৌবম্মী। চীংমায়, চীংনাপোমশিংদা মোৎতাই শুদাইনবা মান্না ঙৌবা **তৌরনিকোরতিয়া**[৩] কৌবা পান্নীশিংগী অপীকপা লৈশিংনা কৃক কৃক ইন্ননা শাৎলম্মী। লোযননা খোই-খোইনবা **ক্রোজির**[৪] লৈশিংসু সমুদ্রগী **সি-পেন** হায়নবা অদুগুম্না মকা ফল্লম্মী। মফমসিগী নাবক মোঙশোংলক্তা অচৌ-অশং ইমুংগী শকহেনবী কনাগুন্নীগুম মপা লৈতনা তরু-তরু চঙখোনবা লৈশিং শাৎলি হায়বসি থাজবা ৱাৎকনি। মখোয়শিংসি ঐদি **কোরগেৎ-মী-নোট**[৫], **এনটৌশা**[৬], **ভাইপরস বগলোস**[৭] অমসুং **লিখোস্পরমস**[৮] গুম্না লৈশিংগা চাংদমননিংই। শিবোইদগীনি হায়ববদি ঐখোয়গী অপীকপা **ওনোসমা**[৯] ফাওবা মপা লৈতনা ফজবা পান্নীনি।

(২) লৈহাউ মখল অমা।

(৩ ৯) ফেমীলি বোবাজিনাসিগী মনুংচনবা মোংশোং নৎত্রগা অদুক হাক্না চাওদবা অদুগী লৈদি ফজনা শাৎপা পান্নাশিং।

পুশিঙদগী হাইথবকপা চীংমাযগী উচান মবক মবক্তা **এননেসলিয়া ক্লাগন**[১০] কোবা পাম্বীগী লৈশিংনা খুবক হাংদনা শাংলম্মী। মাগী অঙাংবা মহৈশিংদু হৌজিক মপুঙ ফানা মুল্লে। কুমগী নোং অদুক হংক্রা কল্লক্রিঙৈদা এখোযনা মাগী লৈপাক্তা কেল্লকপা মকশিং খুলহোনবা মতম খবা লৈথবম্মী। মথংগী অযুক যাহোবকপদা না পুমমম মমলম্মী অমসুং নুমিৎতুমা নোং শুংলেপ লেপলমদে। অনীবকশুবা ওইনা শিবোই চীংশা যৌবকপদা মফমদুগী ফজববা দৃশ্যনা এখোযবু হোংদুনা পুবম্মী। মাণপুবগী ফজববা লৈকংথবোস উবা ফংলনি হাযবগী লাংতক্রবা বাখলা। এখোযনা লম্বীফাও থকদনা নাপীনা কুপলিবা চীংমাযদা হৎ হৎনা কাককনি। অদুবু লৈশিংদুগী মহুৎতা নোংজু সাশিংনা হল্লক্লা অক অকবা সবম খোংলম লমহুই মখুল কযা থেংনফবদা নিংঞা কাযখি। লম্বীদা, লান মনুংদা পোকখাযহৌদ্রবা বোম অমসু নিঙাইদনা তুম্লম্মী। মফমসিদা লৈকংথবো অমতা শাংলমদবদা থোইদোক্লা নিংবা কাযাখ। ইঙক উকখি। মবমদি মফমসি সমুদ্র সমাযদগী ফুত ৭০০০ গী মথক্তা বা হ শিবোই থুল যোগদোবসু মাইল অহুমলোমদা ডাইবে। অদুগা মযমদু যোবা ফাওবদা মীনম তাদ্রিবা জঙ্গল নংঙনা কাবমতা লতে ফিভমশিংদু শিবোই লিলীনা খোযদাজবা মফমগা যাম্না মান্নদবা নংতে শাযবসি মদুদা নেমনা লৈশাংপা **আইবিস**[১১] **ওনোসমা**[১১] অমদু লবুক লমহাংদা হৌগনবা নাপীশং মথাং কাযবম্না অদুনা তাকই। শিবোই চীংগী লেকংথবোনা শিবোইদা ফুত ৭০০০ কী মথাদা লৈশাংলবসু মহাক তশেংনা অবাংবা মফম পামজগনি।

জঙ্গলগী অবোইবা ফিবানদা নাপীশিং পাবানবকপগা লোযননা মনা পুঙলবা উথম্বা ন পাম্বীশিং উবকই। মতমাস মখোয অযাম্বগী লৈ পোম্রি অদুবু পাম্বী অমগীদি কপ মওং মানবা লৈশিং মপুঙফানা ফজনা শাংকাযবম্মী। পাইদু চপম্না চীংচেম্পা হৌবগা মশানা লৈপাক শোবানি, শোকনি হাকথকোম। ফিভমাসদা এনা পাম্বীদুগী মনাক নকাশনা চংলুবা যম নুংবাদি লোশংদু খুংনা ইথাই লাইনা ফংদুনা হেকানিংবা হেকপা যাবমগাব। এনা অন্নাংবা নাপী অমসুং মোংশোং

(১০) নমাল **থিয়াসি** মখলন। পাম্বা তমবপ চাংবগা চহাচুম্ন মনা তশং শংহ। ভাংলেনাব লেহাউ মচুপ উাস গো গনাং লংনংগা পাম শাবদা যজে।
(১১) বপ্পইবে মখল।

হাইদোক হাইদোক্তনা চংলগা লৈ খবদি যাম্না রানা হেকলকখি। মংগ্রামচুগী গুলাপকুম ফজবা লৈশিংদু **মেগনোলিয়া কেম্পবেলি** হায়নবা উথম্বাল অচৌবা মখলদুগী লৈগুম চাওই। মপুঙ ফানা শাৎকাযবা লৈ খবদি ইঞ্চি নিপাললোম পাকপা যাওই। লৈ খুদিংমক লৈনা মাপল মাপল শুই। লৈনা অহুম অহুমগী লৈযোম অহুম অহুমনি। খ্বাইদগী মপাল থংবা লৈনা অহুমগী লৈযোমনা অশংবা নৎত্রগা হাযফেৎ মঙ্গ্রামচুদা কোনা চংই, সেপালগুম্মী[১৩]। মযাযগী অহুম্না ঙাংলৈনবা গুলাপ লৈগুম্মী, অদুগা মনুংগী অহুম্না শংগোম মপাল মচুদা হাযফেৎ ঙাংলৈনবগুম তৌই। মযায অমসুং মনুংগী লৈনা তকক্লা পেতালগুম্মী[১৪]। খবা অবাপ্পদগী উবকপদা লৈ অমগী মশাপুম্বা মঙ্গ্রামচুনি হাযনিংনি। এনা মমুৎতানা যেংলকপা পাম্বী অহুমগী মনুংদা অমদি ফুত ১০০ বোম বাংলমনি। মহাক্কী পোমলিবা লৈ মযামগী মবক্তা কযা অমদি মপুঙফানা শাৎকাযহৌবে। শক্তমদো খ্বাইদগী ফজবা দৃশ্য অমা নৎত্রগসু যেংবদা পুক্রিং হুনা ফজহৌই।

উথম্বালশিংগী মবক্তা **মেগনোলিয়া ইনসিগনিস** হাযবাসগী লৈনা খ্বাইদগী চুঙ ফিবাল চানা ফজৈ। লৈকোন শেমদুনা হোহল্লবদি অমুক্ক হেন্না ফজনি। মাবু যেংনিংবনা ঙাওববা লমলক্তা শাৎপা উবা যংঙমল্দোইদোবা মীওই লিশিং লিশিংনা যাম্না হবাও নুংঙাইজনি। মবমদি অসিগুম্বা অতাঙবা দৃশ্য অমা উর্বসি জিবাফ কৌবা শানা লমহাংদা চেনবা উবগুম পেননগনি। মথংগী অযুক, লৈ খবা যাম্না শাৎপা মতমদা অমুক লাক্লে, চীংজাউ কাবগে ফোতো নমলগে হাযনা চপযুংনা নিংখি। অদুবু নুমিৎতুদসু লৈ খবতমক শাৎলম্মী। নোংমু ফুদিৎ ফুনা চুবম্মী।

শিবোইগী অখুবা চীংলম্বী মতুং ইন্না ঐখোয উখুলদা অমুক হল্লম্মী। থাঙপোক্কগী মাইল অমবোম চৎলগা ঐখোযনা হান্না খঙলবা হৈজুগা পাম্বী অমনা মমুল ফানা ঙাকশং ঙাংনা মহে ।.বোং চবো.

(১৩) সেপাল : লৈ অমগী মপাল হংবা থংবা লৈনাগী কয়াম। মশাগীশানা মচু শাংহ। মনুংগী মনৌনা লৈনাশিং ঙাক শোল্ল।

(১৪) পেতাল : সেপালগী মনুংদা পানবা লৈনাশিং মথোযগী মচু, লৈনম্মা অমর্বাশিং শুমহৎলি।

পাল্লমগদৌবদু যেংনিংদুনা লেপলুই। অদুবু পাম্বীদু লৈমাযদগী ফুত ১০ নৎত্রগা ১২ মুক বাংনা যানথৎলম্বা মশা মবেংনা শীং ওইনবা মতেক মতেক ককথৎতুনা পেশিল্লম্বা উকবদা পুক্রিং থুক লাওখি। ঐখোযগী অসিগুম্বা অফবা মখলগী পাম্বীশিং নিংথিনা ঙাকপী শেনবীদবা হাযবাসি খ্বাইদগী ফৎতবা অমনি। পাম্বীগী মবমদা ঙাওজবা অমনা মানা পামজনা খাল্লবা পাম্বীদুগী চাদা নাওদা তুংকোইনা লৈহৌনবগীদমক প্রকৃতিগী শিল্পাদা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিবা উচেক খেবোই, থোইদোক হেন্দোক্লা তিন কুবাকশিংগুম্বা চপ মান্ননা ব্রাজৈ। ফি৬মসিদা মানা খোযদাজবা উ অমগী উহৈ (মক) মপুঙ ফানা যান্দ্রিঙৈদা মীওইবনা মাঙহন তাকহনবীনবা তৌবা হাযবসি থমোয কার্যনিঙাইহনি। অদুগা, ঐখোযনা পামদবা উ অমা মাঙহনখিবা ওইব্রবদি পাম্বী মখল অদুনা অতৈ মফমদা হৌহৌবগসু ঐখোয অদুক হাক্লা নুংঙাইতবা তৌবমলোই।

ঐখোযনা ইম্ফাল তাবা লম্বী যৌবকপদা মফমদুগী কনা অমতনা থৌওই বাওইবীদ্রবা লাযেংনবীদ্রবা লাযেংশং অমা পান্নবিবা ডা মুখর্জীনা মাগী খাঙপোক্তগী হবাও হবাও চেহোবকই। ঐখোযবু তবাম তবাম্লা ওকলম্মী। ঐখোয অনী ঙহাক বাবী শানদুনা অমনা অমগী অবা নুংঙাই পাওদমনবকই। ঐখোযনা যুমদা হর্নাখ্রঙৈ উখুলদা নোং লেপ্তনা চুখি। মানা খঙবদা নিংথম মমৈগী খ্বাইদগী অকনবা নোংজুনি হায। ঐখোযনা মঙোন্দা যামা নুংঙাইতবা মফমনি হাযনা মাংজোননা হাযখ্রবযাও মহাক নুমিৎ খবা চামমুদা লৈকহসু হাযবকই। মদুদগী ঐনা মতমচুপ্পা নিংশিংদুনা লৌববা, মহোশা ঐখোযনা শিবোইদগী পুবক্লগা মাগী খাংপোক্কী শুমাংদা থাখিবা পাম্বীশিংদু লৈশাংথত্রব্রা হাযনা খোইবাংনা হংলম্মী।

হোই মতম খবগী মমা৲দা পাম্বী খবদি লৈ শাংখ্রে হৌজক লোহবু লাইবর্ম্রনি। নোংমা নিনাসি মখোযবু যংলুদে। কাবিগুম্বা চিৎথা না৲বা লৈহোবমখিদ্রা নো সু ।

মাগী বাদু অমুক মথা৲ানা তাকদ্রে। লৈদু ডানিংবনা অঙাওবগুম মল্লবা থাঙপোকশঙ ৭ম্লা চেল্লম্মী। খল্লুই, ঐখোয অদুক হাক্লা থেংথবমদবা যাই। ঐখোযনা ফফান্দু যাদোকলম্বা চযোল অহুম

খবতমক হেল্লি । মসিগী মথক্তা হৌজিক মে থানি । শিবোইগী লৈকংথাবোদি জুন মাংওইননা লৈ ইশাৎ শাৎতে। ওয়্লোকপা হাযদুনি, উখুলনা শিবোইদগী ফুত ২০০০ হেন্না নেম্মী অমসুং নুংশা যাম্না লাংদে হাযবা কাওথোকলুবে । মুখর্জীনা হাযবিবদু অচুম্বনি। মতা চাকবদগী ঐখোয লৈদু শাৎপা উহৌনবা লাকপা হাযদুনি । নুংশিৎনা হুমদোকপিববা, অচোবা নোংলিক্লা নৈনা মচেৎ মচেৎ শেগাইবীদুনা মশক মশা ফজনা খঙদ্রবা লৈ খবা তবক তবক শাৎলম্মী । মকা ফন্না থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানিঙাই ওইবা লৈদি অমতা যাওবমদ্রে ।

ঐ লৈ মখলসি **লিলিয়ম**[১৩] কাঙলুপকী মনুংচনবা অশেংবা থবো মখলনি, যেৎননিঙাই লৈতে হাযনা ইথ্রে । অদুবু চিংনবা খবদি ইংব লৈবম্মী । হৌজিকফাওসু । চহী তবামুক্কী মনুংদদি মণিপুবগী লৈকংথবো মখলসিনা **লিলিয়ম রেগালি** নৎত্রগা **লিলিয়ম উরাতম** হাযনা খঙনবা থবো মখলগুম্না খ্বাই পুম্নমক্লা শকখঙনদ্রগসু, খবমখৈদি খঙনগদৌববনিনা এনা লৈসি থেংনকবা, মাগী শক্তাক বাবী তেনতক্লা লিবা ফংবসি যাম্না লাইবক ফবর্বনি ।

লাইবর্ক্কী[১৬] অহানবা তাক্কক্তা হাযখিবগুম, এনা ১৯৪৬ মনুযাবী থাদা লৈ অসিগী মহৈ খবা ফংখি । মতমদুদা এনা মসি **লিলী**[১৭] নৎতে, **নোমোকারিসনি**[১৮] খনাখ । পংখন খনখিবা নৎতে । লৈসিগী উহৈ কুযোমগী মশক মতৌ, পাম্বীগী মউদা চেৎনা নপাশিন্দুনা শাল্লবা অক বা মনাশিং, থোইদোক হেন্দোক্লা ইঞ্চি বানিখংই এখ্যাবোম বাংবা পাম্বীদা লৈ অমা অনীতমক শাৎপগী মতৌ (নুমিৎতুনা এনা অপীকপা পাম্বীঙাক্তা উখি), মবম কযাসিনা যুম্মুম ওইবগা লেপখিবনি। এনা পাম্বী তকুকখক লৈপাক তৌথোক্লগা যেংলুবদা লিলীদগী হেন্না নোমোকাবিসকীগুম্না মক মবাদা পানাও শীংনাবে শাবম্বা থেংনাখ । মখোযদো মপুঙ মবৈ ফান্দ্রিবা পাম্বী শ্রী গাপ অদুনা লৈ মখলাস লিলী ওইবম্বা যাবগী থাজবা লৈবগসু এৌদ মাব নোমোকাবিসনি খনাখ ।

১। ... বাবকথা কান্নুপ ।

২। **প্লান্ট হন্টর ইন মণিপুর** অইবা ... কিংদোন বা ।

৩) লিলা থবো থানিকথাগা মখল

৪। **নোমোকাবিস** লিলাংগী লেশংপা পাম্না ।

অথাম্বা লিলী উনবস্রগনি মাগী মবমদা খবমথে খণ্ডনবস্রান থল্লি। অদুগা নোমোকাবিস হায়বাসিদি কবিনো। পাম্বীগী মবমদা মুন্না থিজিনবা অখণ্ড অহৈশিংনা নোমোকাবিসসু লিলী মখল অমান হায়না খন্নবে। মখোয়গী ব্রাহম্বোকাস চুমগান। অসুক্কী মতিক চুমগনি মদুদি সেক্সন $K^{(\cdot\flat)}$গী পাম্বীশিংগী মবমদা অখণ্ড-মহৈ মবক্তসু লৈসি নোমোকাবিসগুম্বা লিলী নৎত্রগা লিলীগুম্বা নোমোকাবিস অনীগী মবক্তা কবম্বনা হেন্না চুম্বগে হায়বা চপচানা লেপথোক্লবা ঙমদ্রি। অমিগুম্বা চযেৎনবাস ইভোলুসনগী থিওরীগী মতাঙদসু হেক হেক থোকই প্রকৃতিনদি পামলক্তবা জীবগী স্পেসিজ অমবু খৎতোক্লুনা মাঙহল্লি হায়না বাবানা হেক হেক হায়থি।

পৃথিবীগী লেমায়দা নোমোকাবিসনা চিন হিমালয়গী লমদমদা হৌই। অদু [illegible] মফমসিগী ফুত ১০,০[illegible] গী মথাদদি পাম্বীসি ফংদে, অ[illegible] [illegible]থক্লনা [illegible]লীযম হোদে হায়বসি খণ্ডজিনবদা নুংঙাইনা [illegible] মখ[illegible] অনীসগী [illegible] অসুক্কী নতিক মান্নবা মওং মতো [illegible]নবা অমনা নামোকাবিসশিং অম অক্সা'বা উনগী লৈবাক্তা হৌবা লিলী [illegible] হায়বসু যাই। মদুবু অসুম্না ইবাই লাইনা খন্দোকপা বাপু আসদগী অনোবা রাহং কয়া থোবকপা [illegible] ঔাকবা লৈ। মদুমাক্ত [illegible] নিনমে

[illegible] [illegible] পাম্বী [illegible] নুম অহানী মবমদ [illegible] থন্ন নৈনবা, [illegible] খনবা [illegible] [illegible] মালো নুমদি [illegible] [illegible] [illegible] মখল থাগিবা [illegible] নোমোকাবিস [illegible] [illegible] [illegible] মদুবু [illegible] অদমক [illegible] [illegible] মদু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উপন [illegible] ভাগেগনি

১। [illegible] বটিক্স [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]মেন্ন ওক সাইন্স, [illegible] বটিক [illegible]

ইং ১৯৪৬ জনুযারীদা ঐনা মণিপুরগী নোংপোক মাইকৈদগী শিরোই নোমোকাবিস মক, মকু পাল্লিবা মহৈ কযামকমক, মক মবাগী পাননাও-শিংনাও তককথক, পাম্বীশিগী মবমদা মশাগী হৌফম লৈশাংফমদা মীংনা শং শং উবকপা মবম কযা ইশিল্লগা পুবকখি। মখোযদু লণ্ডনগী বোযেল হোবতিকলচরেল সোসাইতিদা শিন্নখি। খুদোলসিনা মফমদুদা লিলীগী লৈকোন শেমনিবা কাংবুশিংনা মথুম মবাং হৌনা হবাওখি। পাননাও শিংনাওশিংগী শকক তঞ্জাই অমা ইম্ফালদা লৈবা ঐগী মকপ বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট, মিস্তর সি জীমসন্দা পিখি। অদুগা অতোপ্পা শকক তঞ্জায অদুনা শিলোংদা লৈবা শ্রীমতি এল জি হোল্দাবগী মফমদা যৌহনখি। মহাক অপীকপা লৈকোল শেম শাবদা থরাই যাওজে। যাম্না হৈথোই শিং থোই। মহাক্না অসামদা লৈবিগু লমহাং-তুমহাংদা পংহৌ হৈজবা পাম্বীশং খোমজিল্লগা খ্বাইদগী চংখোন্না ফজবা লোকোন শমখিবগীদমক শিংথানে।

মতমগী মতুংইন্না পোং খুদিংমক হোংবা নাই। ১৯৭৬ এপ্রেল মেদা ইম্ফাল অমসুং শিলোংদা থাখিবা পাননাও শিংনাওশিংদু হোদুনা লৈ অমমম নৎত্রগা অনী অনী শাৎলে হাই অদুবু ঐদি লৈশংদু শাৎলিঙে নৎত্রগা হেকলগা ওইবসু তখিদে ঐগী খঙানংনা হখিবা চিঠিগী পাউখুমদা শ্রীমতি হাল্দার অমসুং জীমসন অনীমক্না লৈদুগী মওং মতৌ, মখোযনা হেৎ খঙবমখৈ হবকখি। মখোযগী ব্লাবোলশিংদু চিবোল অমতা নৎতে। লৈশিংদু হৈফ ফজদে, থাগৎনিংঙাই হৈবে লেত নৎত্রগা মখোয চুকর্চানিঙোহ ওই থাগৎনিঙোহ শুংলৈ লৈতে হাযনমু হবকাখিদে। ঐদি, জীমসননা মণিপুর নোমোকাবিসকী মবমদা ঐ পেন্নবা লৌশ লৈখোন্না হবক্কান থাজবম্বনি। অদুবু তোবকাখদে। থোইনদুম ওন্ন তেন্নবা হবকখি। এগা পাও চৎনাববা মখোয অনীমক্না লৌসি মোৎতাই-সুদাইননা তৌই পায়বকখি। লেগী মতং মতৌদু অশেংবা **বোতানি**[২০]গী

সম্পা ॥ ১৮০ ০ ৭ ৷৷

লোন্দা পুদাদা হাযবক্রুগসু মহাক অহুমশুবা থাক্কী নোমোকাবিস ওইগনি হাযনা তশেং-তশেংনা ইবকখি। মখোযগী ব্রা তাবগা হৌখিবা বসন্ত মতমদু মহৌশাগা মান্নখিদে, পাম্বীশিংদু অকনবা লৈপাক্লগী ফুকপা মতমদা মওং তাখিদে হাযদুনা ইশা ইতোমতা পুক্রিং ফাজিন্নবা হোৎনখি।

মথংগী লংলা-লংজীন ওইনা ইংলেন্দগী পাও অমসু ফ লে। ঐনা যুমদা থাখিবা মকশিংদু গ্নাসনা কুপ্পা যুমদা মতোন-মনৌ চোংদুনা হৌবে, মক হুনখিবা মতুং থা তবাতকক্কী মনুংদা, ১৯৪৭ জুন থাদা লৈ শাৎলে হাযবকখি। লৈশিংদু মোৎতাই সুদাইনৈ হাযনা ইবকপা উকবদা ঐ হাযফেৎ নুংঙাইকদে। হান্না খল্লম্বশিংদু মাঙহন তাকহন্নবা শিনবা থৌবাং ওইবমনি হাযনা খল্লুই।

ইংলেণ্ডদা হৌবিবা লৈশিগী মনা অমসুং মশাৎপা লৈশিং উবগা পাম্বীশিগী মবমদা অখঙ-অহৈশিংনা কবিগুম্না খবা মশকথোক্লা তৌবা তাবম্মী। **কেউ** হাযবা মফমদা বাবেপনখিবা অমসুং বোযেল হোবতিকলচবেল সোসাইটি অনীমক্লা মত অমতো ওইনা ফোঙদোকলকপগী মতুংইন্না লৈসি লিলীযম নৎত্রগা নোমোকাবিস ওইগনি। অনীমক্তি খক ওইবা যাবোই। অনীসগী মবক্তা খেন্নবিবসি লমগী ঙমখৈ পবিংদা যেৎনবগুম্বান অদুগা কনাগুম্বগী ইথিল যাওদনা মনিংতম্না অচুম্বা থনগদৌরনি। মসিনা নোমোকাবিসান হাযনা খল্লবা, অদুদগীদ, বোযেল হোর্বাতিকলচবেল সোসাইটিগী লাইব্রেরী পানারবা মিস্টর দবলিযু টি স্টার্নগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক [illegible] তব কমুক 'লৈশি' হাযনা লৌনবিবসি অমুব [illegible] হাযনা [illegible] মবম বাবিনো [illegible] মাস [illegible] পামনবোই। অনী[illegible]সগী ম[illegible] অমা ইক্তা নমদুনা [illegible] তাগনি [illegible] বাবেপন্নবগীদমক লিলীযম অমসুং নোমোকাবিস অনীমক্কী মা[illegible]ক ম[illegible] নৌহৌনা লেপ্পা [illegible]ই। নৎত্রগাদি ম[illegible]খাগী খেন্নবা তশে[illegible] তশেংনা হাযবা [illegible]বগান [illegible]যেংনাববা [illegible] মবগী মবম অমদি

জেনস নোমোকাবিস হাযবসি মুথংলগা পূন্নমক লিলী ওইহনবনি। মসিসু ঐগী ব্লাখলদা অখঙ-অহৈশিংনা মুন্না খল্লগা অচুম্বনি খন্না খক তৌনিংলোই। অদুমওইনমক মফম কযাদা চৎতুনা পাম্বীগী অনৌ-অনৌবা মখল থিজিল্লিবা মীশক অমা ওইনা ঐদি লৈসি লিলীদগী নোমোকাবিসনা হেন্না মাল্লি হাযবসি হৌজিকফাও খল্লি।

অসুক চাওনা অহোঙবা অমসুং শাবাশন্না চযেৎনবা কযা থোক্তনবা মণিপুরগী লৈকঙ থবো মখলসিদা মীৎযেং থম্লিবা পাম্বীগী অখঙ-অহৈশিংদা সর্গদগী দূত অমনা ব্লাযেল্লবগুম লিলীনি হাযনা অদুমক যানবে। ১৯৪৯ গী অঙনবদা ঐনা পাম্বীশিগী মপুঙফানা চাও-শাংলবা পাননাও-শিংনাও অমসুং মওং-মতৌ চুম্না শেম-শাবগা কঙহল্লবা লৈ কযামকম ইংলেণ্ডদা থাবা মতমদা ব্লাবেপসি কনখৎতুনা অচুম্বা হাযবদু ওইবে। লৈকোন্দা পাম্বী কযা মাযপাক্লা থানবা হোৎনবদা ঐগী চান্নবীনা[২১] থব্লাই যাওজখিবা, মাগী থৌদাং, মতেং কযাবু শকখঙনবা, ইকাযখুম্নবা ওইনা মিষ্টর জে আব সেলীনা পাম্বীসিবু **লিলীয়ম মেকক্লিনি** হাযনা অনৌবা মিং থোনখি।

লৈশিংগী মন্দিরদা শেংলবা মফম অমা ফংলবা পাম্বী অমবু মাগী অশেংবা মশক-মতৌ মুন্না যেংলগা অনৌবা মমিং থোনবসু (লেতিন লোন্দা) অখঙ-অহৈশিংনা যাদুনা **কেউ ইন্দেম্নতা**[২২] মমিং যাওবা হাযবসিনা অমনি। অদুগা মাগী মমিংনা হৈকোল লৈকোল শেম-শাবশিংগী সংসাবদা ঙাওজবশিংগী মরক্তা তনৌ-তনৌবী নুপীমচা অমনা খঙহৌদনা শক-উৎলকপগুম্বা হাযবসিনা অতোপ্পনি। অসিদি দেৱীততা পোকপা হাযবগা মফমদুদা লৈবকপা হাযবগা অনীগী খেন্নবগুম্বনি।

(২১) লৈশাবিঙৈদা মিস মেকক্লোন কৌবন্মী। মণিপুবগী লেকং থবো মখলসি নোংচুপলোমদ **লিলীয়ম মেকক্লিনি** হাযনা শক্তাকলগসু ১৯৬০ গী মমাংদা অমুক নোমোকানিস মেকক্লোন হাযনা মামং হোংলকলোই হাযবা চপচানা পিবা ঙমলোই কিংদোন ব্লার্ড।

(২২) কেউদা পাম্বীশি গা মখং মনাও নাইনা শেমাখবা বিগ্যানগী মিং পবেং।

ওক্তোবর থাদা ঐখোয়না শিরোইদা অবোইবা খোঙচৎ চৎলিঙৈদা জেননা[২৩] নৈশিগী মপুঙফানা চাওববা পাননাও-শিংনাও মযাম অমা ফুক্রুগা ইংলেণ্ডদা থাখিনবা, মফমদুদা হৌইন্দুনা মীযামদা পাকশন্না খঙহন্নবগী বাফম হৌদোকলকই। মসিগীদমক খুঞ্জাশিংদা অথৌবা শীংজং ওমনা পাঙ্গীসিগী মক মবা নৈনুংদগী কবিমতা শোকহন্দনা ফুকপা তঙ্গীবমই। মতৌ অসুম্না থা লোইবকপা ফাওবদা ঐখোযদা পাননাও-শিংনাও চহুমদগী তাদনা পৈবরে। মসিদগী অমুক খ্বাইদগী চাওবা অমসুং তিনজং কাযজংদবা চনিমুক খনগৎলে। মখোয অমমমবু ইশংনা ফজনা যোমশিল্লগা ব্রাগী অচৌবা খুমোক ওনীদা হাপ্তুনা উঠ্খুল যৌনা পুবকলম্মী। মফমদুদগী দিসেম্বর থাদা তেক্ত কাযদনা আসামগী ওোকলাইদা যৌখি।

১৯৪৯ গী জানুযারী অঙবা শকক্তা ঐখোযনা কলকতা চৎপদা ইশংনা চেৎনা যোমালিবা পাননাও শিংনাওশিংদু অমুক হন্না উগী উপু অহুমদা পিকথন্না হাপ্রুগা এবোপ্রেনা পুরম্মী। মতুংদা খজিক্তং থেংখববদু মখোয নোযনমব এবোপ্লেনা লণ্ডন্দা পুনবা। যীযাং ভৌখ অমসুং হযোল অমগী মনুংদা থুংখি। ঐগী চান্নববা মকপ বোযেল হাবাতকলচরেল সোসাইতিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেতরী, মিষ্টর এ সিমোন্দনা পোৎলুমদু পেবিচকী এবোপ্লেন তাফমদা পন্দুনা লৈতেনবা, যাম্না থুনা লণ্ডনগী প্লেন্দা হাপকৎখনবা শিনবীনখি, মোযনন বশি কসমনসু অবোইবদা অযেংপা কযা পিবীদনবা তেলিফোন্দা হাযখিবগীদমক থাগৎচরি

অমুম্না পাঙ্গীসিগী পাননাও শিংনাও চনিমুক, চাওবাব্রা ফেব্রুযারী থাথায অদুবাইদা, ম থাযবু ফুকনাবনা যা ওঙমবোমগী মতুংদা ঐগী মকপ কর্নেল এফ সি স্তাননী মফমদা থুংখি। মহাক মতমদুদা লিলীগী মবমদা খ্বাইদগী খঙ হৈববা মীশকনি। হৈকোল

২৩) মেকক্রীনগী লম্বে নব মংগী মি ।

লৈকোলগী পাম্বীশিংতা নৎতনা লমলক্কী উজাও উবেলশিংসু মশক মুন্না খণ্ডবগীদমক মহাক যাম্না মমিং চৎলি। ফ্রিদ স্তার্ননা পাননাও শিংনাওশিংদু থা তবানিপাল চেকশিন্না শেন্নদুনা হৌহল্লগা, ১৯৫০ গী কেলসিযাদা পাঙখোকপা লৈগী মেলাদা মপুঙ ফানা লৈশাৎ তম্রবা পাম্বী অমা পুখোবক্তুনা মীযাম চোনবা জগোয শাফমদা হৈখোয-শীংখোযনা শকহেনবী অমা ইহান হান্না খোবকপগুম ঙকহনখি। মতৌসিদা **লিলীয়ম মেকক্রিনি** কৌবা লৈশিবু বোযেল হোৰ্বাতকলচবেল সোসাইতিনা ব্রাংনা থাংগৎখি। লোযননা মীযাম্না কল্লক্রববা খ্বাইদগী অখোয-অহেন তাবগী মনাম্দু পিখি।

মতুং তাবকপদি পাম্বীশিংদু মতম শাংনা শিহন্দনা তেঙ্গা কাযদনা ফংহন্নবগী খৌবাংনি। হৌজিক মপুং ফানা চাওববা পাম্বী চামমুক হিংলি। মখোযশিংদুদগী মচা পোকহন্দুনা চাদা নাওদা শন্দোকহন্নবগী যবক্তি লৈপান্নবিবা মালিশিংগী খুৎতা লবে। তুনরীজ বেলদতা লৈবা মেসর্জ আব দবলিউ ব্রালেক্স এন কো হাযনা খঙনবা মমিং লৈববা ফার্ম অমিদা লিলীগী অখঙ অহৈ যাম্না লৈ। মদুদা হন্দক্তা ইহান হান্না খোবকখিবী ঐখোযগী শকহেনবী, নৌনা ইকাযখুম্নম্নবী মহাকপু তেক্তা কাযদনা **লিলীয়ম** (নৎত্রগা **নোমোকারিস**) **মেকক্রিনি** হাযনা তুংকোইনা মাগী ইতিহাস লৈহৌনবা অমসুং মশেং মমান্নবা মবক্তা মণিপুরগী লৈকঙথবো হাযনা শকখঙনহৌনবা থবক খ্বাদিংমক শিন্নবে।

মমাঙদা, ১৯৪৮ গী মে ২০ ফাওবদা ঐ মপুঙ ফানা লৈশাংলবা পাম্বী অমত্তা যজনা উখিদি। অদুগা বোতানিসশিংনা(২৩) উনবিবসু যুমদা লুনা চান্না তৌবীদুনা কেখোকহল্লবা নৎত্রগা শোন্দম নাদম্রবা পাম্বী ভাক্তনি। মতমশিনা ঐখোয মে থা লোইবমদাইগী নো৲ খিৎলি খিৎলি চুবা নুংখল

(২৪) পাম্বীগী মবমদা অখঙ অহৈশিং

অমদা উখুলদা অমুক হন্না লাক্লে। মফমদুদা লৈসিগী খোংগুল লিকবদা যাম্না নিংবা কাযবকখি। মচেৎ-মচেৎ তৎনা শিকংনববা লৈখোক পাম্বী থবা নৎতনা উবকখিদে। লৈশিংদুনা ঐখোযনা পাম্রিবা অচুম্বদু পাওদমলকখিদে।

হৌজিক ঐখোযদা যাম্না লাংতক্লকহল্লিবা অমনা হৈজুগা অঙাংবা পাম্বীদুগীনি। ঐখোয খুদক্তা কনা অমওনা থৌওইবীদ্রবা পাম্বীদুগী মনাক চৎলুই। মমাংগী খোঙচৎ অমদা উ অমগী মতেক মতেক, কক্রবা শিঙ মপৈ, মশা মবেং কোযচাই চাইনা তাবম্বা উকবদা ঐঙোন্দা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওহনখি। খুদক্তা ঐ থমোয শোক্লা কপনিংবা ফাওবকখি। অদুবু নুমিৎতুদদি উদু কৈসু তৌদবগুম লেপলম্মী। উহৈ থবসু পাল্লম্মী। অদুগা উখাদা, লৈপাক মথক্তসু উহৈ কযামকম কোযচাই চাইনা কেল্লম্মী। ঐখোযনা উহৈ চামবোম খুল্লবদা তঙ্খাইমুক্তি মক চংলম্মী।

মথংগী অযুক্তা মীবোল কযা তাদবা অঙাং অনা ঐখোযগা চৎমিন্নবম্মী। মঙোন্দা হৈজুগা পাম্বী অমা অনী মশক তাক্লগা মক থবা খুল্লুনবা শিন্নবম্মী। অদুবু পুং কুনর্মাবগী মতুংদা মহাক্লা ঐখোযগী মল্লবা খাঙপোকশঙদা হল্লকপদা নুংগুম কল্লবা হৈজুগা মহৈ অমতা পুবক্তে। মদুগী মহুৎতা লবুক্তা পংহো হৌবা নাপী মথল অমগী অকংবা মক তককথক যাওবকই। মঙোন্দা ঐখোযবু খমথেংনা থৌওই উশিৎতবগী মওং লৈবগুম মাল্লি। ঐখোযনা হাযবদু মহাক থক ইননিংদে। মেগী অবোইবা নুমিৎতা ঐখোযনা নুংঙল্লবা হৈজুগা মহৈ ২১১ খুল্লম্মী। মদুগী মনুংদা যাঙ্খোনিখোযথক মক চঙনা ফবম্মী। ফথম্বগী চাং যাম্না রাঙবমক্তি নৎতে।

উহৈ, মর্কশিংনা লৈপাক্তা কেল্লগা মতোন চোংদনা লৈবিঙে নৎত্রগা মমুল ফাদ্রিবা উহৈ ওইনা পাম্বীদা পাল্লিঙৈদা অযাম্বা শকক তৌনশিংনা চাথোকই। মকনা মপুঙ ফানা চাওদুনা মমুল ফাবা উহৈ ওইবক্কদৌবা যাম্না বাৎলঙৈদা তনৌ-তনৌবা

লৈগী শিযোমনুংদা মখোযগী মকুম হেক হেক কোকশিল্লি। তিন মকমদগী হল ওল্লকপগা তানজা মেনজা চান্না উঁহৈ মুল্লি। মতমসিদা অশোনবা তিন মচা অমতনা উঁহৈ মপান্দগী মনুং হুৎতুনা চংলুবা খক ঙমদে। অদুনা মনুংদা হান্না লৈববা মখোযতনা চিঞ্জাক্কী মচি ওইবা অমসুং মচল শুনা যাওবা অহাওবা মতোঙশিং চাদুনা নোযপেন্না চাওই। মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা মশাগী লম্বী শেমদুনা মখুল হুৎলগা মপান্দা থোবকই। অদুগা পাম্বীগী অতৈ মফমশিংদা মাঙ-তাকহনবা হৌবকই। জীবশিংগী মতেংনা পাম্নদবা নাপী মাঙহন-তাকহনবগী থবক্তা মখোযগা যেক্নবা তীন মখল অমসুং মকপ মপাঙ্গ ওইনা লৈমিন্নবা যাবা তীন মখল অনীমক চংই। মখোযগী অপাম্বা ফংনবগীদমক অহানবগীসিদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনগদৌবনি। অসুম্না পাম্বী মখল খুদিংমক্কী পুন্সি তাক্কক খুদিংগী মবী লৈনবা তীন মখল খঙদোকপা হাযবসি যাম্না মক ওই।

হৌজিক থৌবাং খুদিংমক যাম্না মক ওইবে। পাম্বী খুদিংমক মকুম মথা ওইবকপগী হোম হোম চাওবে অমসুং ঐখোযনা হান্না উখিদ্রিবা পাম্বী অচৌবা, মচা কযা হৌবি। মখোযগী মবক্তা শিবোই চীংদা হৌহৌবা ***ভিবুরনম***[২৫] *মখলশিং নৎতনা কাঙলুপসিগী মনুংচনবা ধাবা মখল মবি নৎত্রগা মঙ্গা যাওবি। অসুম্না উবকপা পাম্বীশিংগী মবক্তা মউ পীক্লগা মনাদি কারংচাকগুম পাকপা, নিংথম-কালেন থাযনা মনা শিনবা পাম্বী অমগী মওং মতৌনা ঐবু শুমহৎলম্মী। অদুবু মখোযশিংদু নৌবিবা পাম্বী ঙাক্তনি। চহী অমা অনীফাও লৈ শাৎখিবোই। মতুংদা ঐখোযনা মপুং ফাববা পাম্বী খবা অমুক থেংনবর্মী। মখোযগী মনা খবা পিকথৈ। অদুবু ভিবুবনম ধাবাগী মতিক মগুন ঙাক্লা চাওই। ঐখোযনা পাম্বীশিংদু শেন্নদুনা লৈবর্মী। মে থা লোইদ্রিঙৈদা মশা খুদিংমত্তা লৈনম চেন্না ঙৌকনবা নাপু মচুগী*

(২৫) চহীচপ্পা মনা ইশং শংবা যমালি 'কপিস্ফালিস্মাসগী মনুংচনবা পাম্বী

লৈ চবোং চবোং শাৎলকই। অসুম কুইশিল্লক্রগা লৈশিংদু কোম্রা মচু মাল্লকই। পাম্বীশিং অদুগী লৈখোক্তো তবন তবন্না লৈনা পানবগী মতৌনা **ভিবুরনম ইরুবেসসেনস** হায়বা মখলদু যাম্না মালহল্লগসু মাগী নাপু নংত্রগা পাম্বোকপা নাপু মচুগী লৈশিংনা ভিবুবনম নৎতবগুম উইল্লি। আগষ্ট থা যৌবকপদা লৈশিংদগী নোংজাবী মচুগুম ভাংবা উহৈ পাল্লকই। মখোইদু থা মখাইমুক অসুম্না সুম লৈবক্রগা, অহিং অমদা খঙমু মুশিল্লক্লুনা মশা হোম হোম লাওবকই।

মযামশ্চগী হেন্না তোঙনা ফংবা মানবা, যাম্না ফজনা মীৎফম হোংবা যাদবা পাম্বী মচা অমসু ঐখোযনা খেংনবকই। মহাক হৈজামপেৎ অঙাংবগীগুম্না স্রানভেসিয়া হায়বা ফেমীলিগী মনুংচনরা ওইবগসু তশেংনা হৈজামপেৎতি নত্তে। লাইবকথিবদি ঐনা পাম্বী অনীখক্তা খেংনবকখি। মখোয অনীমক লৈ তকক তকক্তুগী হেন্না শাৎলমদে। অপীকপা নাপু মচুগী হৈজামপেৎ চবোংগুম্বা মহৈশিংদু দিসেম্বর থাদা মুল্লকপদা পাইবাকেম্বা হায়না খঙনবা ঙংপ পাম্বীশিং নীংশিংহল্লি। মশক মশা খঙদিবা উশিণী মমদা ঐ যাম্না খোইবাংলি। মসি চুম্নতগী অতাঙবা পাম্বী মখল ওইবম্বতা নংতনা মদিনা মপুংফানা লৈশাৎলকপা মতমদা শাথিনা ফজবমগান। যাম্না রানা হোৎনববা তুংদা ঐ পাম্বীসিগী মহৈ খবদি ফংবা ঙমজকখি।

লৈপাক লৈনীন কানা, উকেম লাংবা নালা মপান্দা **তিক্রোআ কেব্রিকুগা** হায়না খঙনবা অঙকপা পাম্বী মচা কযা অমমু লৈ শাৎলমগী, মখোযগী লৈ অমসুং মহৈ অনীমক মচু ইমান মান্নে। শম্বল লোংবা উবিৎ মখল অমগী মকমগুম হকচীন্না নিমমচু চংই। যেংবদা ২ম্বাক্রা ফৌজ। মহাক্কী মবমদা কনামতনা কাবিঅমলা খঙনদ্রগমু হাইদানাজযা ফেমীলি (পেম্রিফ্রাগাসিযা) গী কাঙবুনি

রোজা লোম্রিকুসপস হায়নবা হামব্রুলৈ নৎত্রগা নাংতোনচারী গুলাপ মখলসিদি লৈ খেংনা শাৎলি। মখোয

চেঙ্গম ঙৌবা লৈ চবুন চবুন শাংলে। লৈ খুদিংমক্কী চকখোক মচুগী তোমেন[২০] শিং পাল্লি, অমসুং লৈবিকখোক পুম্নমক ইশম-শমনৈ। লৈনমসু চেন্দে। থৌওই রাওই তৌবিদ্রবা উবী তিঙ্খং পাম্বীসিগী মতম কুইনা ককপীদ্রবা অশাং-অশাংবা মশা মতোন্দা লে চবোং চবোং যাম্না শাংলি। অসুম্না চহী হৌবা মতমগী অযাম্বা শকক্তা ঐখোযনা গুলাপ মখল মখল যেংদুনা মতম লেল্লি। অহানবদা মার্চ থা মনুংদা চাংদমনিঙাই লৈব্রবা **রোজা জাইজেল্লা** হাযবা মখল; অদুদগী এপ্রিল থাদা **রোজা সেরিশিন্না** কৌবা মখল, অমসুং অবোইবা মে থাদা **রোজা লোসিকুসপিস** কৌবা মখলনি। অবোইবা গুলাপ মখলসিগী লৈ খবা ঐখোযনা য় অনীমুক্কী মমাংদা উখিবদু থা শুদনা, মনুং মানম চাদনা শাঙ্গা শংখং মাগ্রংবা ঙাক্তেনি।

মাকাবাঙ্গা হাযনা থঙনবা উতোংলৈ মখল অমগী পোমশাঙনাবিবা লৌশংনা ঐখোযবু অমুক শুমহৎলম্মী। লৈশিংদু অদুক হাক্লা লৈচু হেন্দে অদুবু লৈখোক থাওদনা পিক্কব পিক্ককপা লৌশিংনা পীর্জাগী মোম থাওমৈ পরেংগুম চপ চপ চুংহ। অপাকপা অবংবদ মনাশিংদু লৌশিংনা মখোযগী মবংবা লোংশিন লোংশিন্দুনা থম্মী। মাকাবাঙ্গাশিং অসি থুনা চাওগনবা, উকম রাকম থন্দনা পংহৌ হৌগনবা অমসুং পাম্বী মচং অদুব হাক্লা উইদবা, লৈপাক্কী ইবাই লাইনা ফুকপা যাবা উ মখলনি। মখোযনা চহী চা কযা পুন্সিববা লাইওইববা উমংদদি কযা হৌগন্দে। হৌরগদি মউ যাম্না চাওই। নুংশা মঙাল ফংহোবরোই মতোগুম পাম্বী অতৈগী ব্রাংখৎনা উই।

হোনীসকল[২১] (বিগাপনগী মিং **লোনিসেরা মাকারম্বা**) হাযনবা উবি মখলমসু লৈনি। মফমশিংগী পাম্বীশিং হংলোংগী হোনীসকলগুম্না শকহেনবী। অমদগুম শবন ঋতুদা হৈজোমাপং অমুনবগুম মুবেনবা উহৈ চবোংবা কক কক ইনন পানথদ যেংবা ওক্লোক্লা নুংলোই।

---

২০) [illegible]

২১) [illegible]

ঐখোযনা থুংলবা চযোলমুক্কী মনুংদা নোংজু-নুংশাগী ফিভম খবা ফগৎলে । নুমিদাংদা হান্নগুম নোং চুবগসু অযুক নুংখিলদদি চীংমায পক্রিবা লৈচীলনা চীংদোন অমদগী অমদা লান্না শান্নবে । অদুগা থা লোইবকপগা ইবোইননা শাবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লুনা নুংখিলদা দিগ্রি ৭০ নৎত্রগা মদুগী খবফাও হেল্লে ।

ঐখোযনা শিবোই চৎনবগী লেপখিবা মতমদু মখা অমুক খিঙ্গহন্নিংদ্রে । যামদ্রবদা জুনগী অহানবা চযোল ফাওবদা যৌহৌদ্রগদি যাম্না থেংথমনখ্রনি । উখুলগী পাম্বীশিংনা মে থাখায মমাংদা লৈশাংপা হৌই । অদুনা ঐখোযনা পাবদা শিবোইগী অশংবা চীংদোন্দা মখোয জুনগী অঙনবা শকক্তা খ্বাইদগী যাম্না, মপুঙফানা লৈ শাৎপনি । লাইবকথিবদি খোঙচৎসিদা ঐখোযগী পোৎ-চৈ পুবীনবা খুঞ্জা অমতা নেকপা ফংলমদে । মতমসি মখোয খুদিংমক অসুক্কী মতিক থবক চিল্লি । মদুদি পামদা চৎনবা হাথু-হাথু হোৎনবদা ঐখোযনা হাযকবগী ‘ঙমলোই’ হাযবা পাউখুম পীবম্নবা মতমফাও ফংলমদে ।

ঐখোযনা এপ্রিলগী অহানবা নুমিৎতা নোংচুপ চীংজাওদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগুম্না জুনগী অহানবা নুমিৎতা অমুক হন্না চৎলম্মী । খোঙচৎসিদা ঐখোযনা মকওইনা খঙনিংলিবদি মতমসিদা শাৎলিবা উথম্বালশিংগা মে ১৯ দা কাঙকুইদা ফংলকখিবা **মাঙলিকসিন্না ইন্সিগনিস** হাযনবা উথম্বাল মখলসিগা মান্নব্রা হাযবা যেংনবনি । মফম অনীমক্তগী নিংথিনা শেম শাদুনা কঙহল্লবা মনা, লৈশিং চাংদমনদুনা যেংবদা মান্নবগুম উই । অদুবু মখাতানা মান্নি নৎএগা নত্তে হাযবা যেংবদি মথৌ তাবি ।

মহৌশাগুম অঙনবা অযুক্তা অথাবা লৈচীলনা চীংদোল কুপলম্মী । পুক্রিং হুববা শক্তেমসি ঐখোযনা খোঙশান্দ্রিবৈঙদা মতম খবা যেংখিসি হাযনবে । লৈচীলনা ব্রাওবি-ব্রাওবি

পাথরক্তুনা নুমিৎ ময়েক শেংলকপা চাওরাক্লা পুং তরামুক তারকপা অদুৱাইদগী ঐখোয় খোঙশাল্লম্মী। মতমদু থেংলবনিনা ঐখোয় অসুক্কী মতিক কন্না হোবে হোবে চৎলম্মী। ইংবকা অমতা চংদ্রে। অদুনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অমরোম তাবদা উমংগী ফজরবা মরুমদা থুংলম্মী। ঐনা হান্না খল্লম্বগুম্না নোংচুপ চীংজাওগী উথম্বালদু **মাঙলিকসিয়া ইম্সিগনিস** হায়বা মখলদু তশেংনা ওইরমলে। অদুবু মখোয়গী লৈ শাৎপা মতমদি লোইশিল্লক্রে। মতমদুগী অইং-অশা ফিভমদা উথম্বাল খবদি অদুমক শাৎলম্মী। লৈশিংসি অসুক্কী মতিক থুনা চাওখৎলি। মপুং-মবৈ ফাই। লৈগী মনুংথংবা লৈনাশিং শাৎকায়বকপা মতমদা মপান থংবা খরদি লৈমন চন্দুনা কেনখিবফাও য়াওই। আমেরিকাদা ফংবা **মাগনোলিয়া গ্রান্দিফ্লোরা** হায়বা উথম্বাল মখলসি অৱাংথংবা আসামগী মফমশিংদা ফজনা হৌবা ঙম্মী। তৌবতবু মখোয়গী ঙাংলৈনবা লৈরিকখোকশিংদি ইরেক লেকথৈ অমসুং লৈ শাৎপা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা শঙ্গোম অনৌবাগুমলম্বা লৈনাশিংদু মংগে মচু মাল্লকই। লৈশিংসি য়াম্না চীংলেম্না ফজৈ। মাগী শাৎপগী মওং-মতৌনা লৈকোন্দা পাম্না থানবগী মবম অমনি। অহানবদা, মপান ইথং থংবা অশংবা লৈনাগী কুয়োম হায়দোরকই। লোযননা মনুংদা লোৎতুনা লৈবম্বা নোংজাবী মচুগী লৈনাশিং তপ্না তপ্না ফন্দোরকই।

ঐখোয়গী হিংচা-য়াইতম্বগুম্রবা উজাওসি ঙাংশং ঙাংনা অপীকপা মনা চবুন লিশিং লিশিংনা লৈতেংলমদুনা হান্নদগী হেন্না ফজরম্মী। ইংচীক্লবা মফমদুগী ফজবা কযানা ঐখোযবু পুমপেন পেলহল্লি — লৈবোং মান্না য়েক-খোৎলবা থাকন মবক্তুগী থিন্দোবকপগুম শংবানবা মঙালনা চোৎ-চোৎ লাওবা উমংদগী ফাওদোরকই। মপা লৈতনা ফজরবা চাংথ্রং পাম্বীশিংনা তমোন-তমোনবা গলীচাগুম তোরবান শিনথুংনা কুপলি। ঈচেল মচা অমনা নুংজাও-নুংবী মথক্তা চোইজাইননা তারকপা মফমদুদা মমৈ চেগপ শাবী উচীনাওশিংনা অঙৌবা-অমুবনা চাওবাং লাংলিবা মচু পূম্নমক উৎথোক্তুনা মমলি

মমলিবা উমংদা খুৎলৈথুনা পাইশিনখি। লোয়ননা অরাক-অখঙগী খোঙ্গোক্তা য়াক্লা য়াক্লা খোংলকই। মফমদুদা ঐখোয়না ইংলেণ্ডদা ফংবা কোকিল মখল অমগী খোনজেলসু তারকই।

অসুম্না পুক্রিং থুকনিঙাই ওইরবা কালেনগী অহানবা শরুক হৌখিবগা লোযননা ঐখোয তশেংনা পাখৎপা পোক্লক্লে। মতমাসিদা শিৰোইদা কেম্প তৌদুনা লৈবগী তঙাইফদবদু মঙগালীদা চেকশিন্না হায়বম্মী। লোযননা মঙোন্দা ঐখোয়গী পোৎ পুবীনবা মী থরা ফংনবা কন্না তক্লরম্মী। করম্বা মতমদা ফৌ হুনবগী তঙাইফদবা মতম লোইগনি? মহাক খঙলমদে। চয়োল অমগী মনুংদা ওইগদ্রা? থা মখাই অমগী মনুংদদি তশেংনা লোইবনি। ঙাইবা হায়বদুনি ..., অদু মতমদি য়াম্না থেংমল্লনি।

নোংমা, নুংশা-চিংশা ফবা নুংথিল অমদা ঐখোযনা হুমদুমগী চীংযাঙদা চৎলিংঙে ফজ-ফজবা উজাও অমসুং অদুক হাক্লা রাংদবা পাম্বী মখল মখা হৌরম্বা উরুবদা ঐখোযগী নিংথা কায়বদু তশেং-তশেংনা ফাওবকই। মফমদুদগী শিরোই তক তকনা উবকই। মহাক্কী লোইবোই ঙম্বা চীংমায়না ইশং শংনা ঙালহৌই। মফমসি পোক্লফম ইংলেণ্ডদা কালেনগী অঙনবা মতমগী শক্লমগা চানৈ। অয়ুক নুংথিল শাগৎলে অদুবু অদুক হাক্লদি যৌদ্রি। নুংথিলগী নুংশা মঙালপুম্বা খোঙথাং তপ্লা লৈনম চেল্লবা নুমিদাংরাইগী মশেক-মঙালদা অদুমক তিনাখি। অতিযাসু শংবানৈ। অদুবু লৈচিল থাংদবদি নৎতে। নুংশিবা লৈনম্না হাববা অদুগা লৈহাও চেল্লবা পাথগী ওইনম্লবা লৈপাক লৈহীং-মনমনা চুরবা নামিবা নুংশিৎনা ঐখোয়বু তপ্লা-তপ্লা কোনশিল্লকই। অঙনবা অয়ুক অমসুং নুমিদাংরাইদা উচেকশিংনা খোঙ্গাং হাপ্লা ঈশৈ শক্লি। নুংশিনা হুইখোংলি। পা-পী চিল্লোক্লবি। লৈকম তাক্লবা খোংনরি। পুন্সিদা অরাং অমসুং খাবোমদা নৎত্রেগা নোংপোক অমসুং নোংচুপলোমদা থেংনরকপা চীংজাও চীংদোলশিংগী মরক্তা অসুক্কী মতিক নকশিন্নবা, অসুক্কী মতিং ফজবা নৎত্রেগা অসুক্কী মতিক

মিতানিঙাই ওইবা থেংনবক্তি । ঐখোযগী মবাইবক থিববী লৈকংথবো, থৌওইবীদনা থোঙনেৎনবীববী, লৈথোম-লৈনাং তৈববী মহাক্কা উন্নথিবা মতুং নুমিৎ তবানি হৌখ্রে । ঐখোয যম্না থুনা শিবোইদা অমুক হন্দ্রগদি ঐখোযগী থমোযদা যেকথ্রবা অশংবা চীংমায, লিলীনা হবাওজবা মফম, লিলীনা পাকশন্না শাৎলমগদৌবা থেল উগনি হাযবগী আশা কদাযদনো ? অদুগুম্বা খুদোংচাবদু ঐখোযদগী নাম্থোকথ্রবদি, ঐখোয মথংগী চহী অমামুক পুবা ঙাইবা তাবি । মসিমদি ঐখোয ৩শেংনা খঙই এপ্রিল থাদা ঐখোযনা লিলী শাৎপা উবক্রুগসু মফমদুদা লিলী চামা চামনা খুজিং ওইনা হৌবি ।

কাবিগুম্বা মখোযনা খবা থেংথনা, নোংজু-নুংশাগী ফিভম ফগৎলকপা মতমদা লৈ শাৎত্রগদি মে থাগী অকনবা মমসুং লেপ্তবা নোংজুনা মখোযদা অন্না খুদোংথনিঙাই ওইহল্লম্বা যাই । মসিমক নৎত্রগদি ঐখোযগী লৈকোন্দা ওইহ্লিনা লিসিগী মবাইবক অদুমক মফমদুদসু ওইগনি । ফিভমশিংসি খঙনবা ঐখোয শিবোইদা লেক চাদুনা লৈকবা তাই । লৈশিংদু ঐখোয ইশানা যংলুগদৌবনি । ঐখোয খুদংকা চৎকদোবনি

ঐখোয অহানবা ওইনা লৌমীশংগী মবাইবক লেপকদোবিবা মতমগী মাযোক্কা চংনুবে । মতমসি ঐখোযদা অহানবা লাকহল(২৮) পিবিবা পাম্বীশং লৈহন্নবগী যাম্না দবকাব ওইবিঙে ফৌ হুন্নবা মতমান । থুঙ্গগী নুপা নুপী, অঙাং পুম্নমব লবুক্কা নোংঙানবদগী নুমিৎতাংবা ফাএবা মথৌ চান্নি । কনাঅমতা নোংমা ফানা কাইথোকপা শংদে মতমদুদা শুবিবা হবক্কা মখোযগীদি থবাইনি । পুম্সানি । মতমাসদা মখোয লেশাগী মমল লৈতে । মদুনা চাক থইবা যাবোই । লৈহাও চল্লবা পাথতনা মদু থোকহনগনি । ঙশিং লৈববা চিংমাযগী থাকলো নাফমদা লৌহোন হেক লিংথোক্তিবা ফাওবাদ ঐখোযগী পোৎ পুবীনবা

(৮) অশংবা পাম্বীশিং পাইমানা থোদা লৈ অহানবা লাকহল চিং জৈব কীড়

কনাঅমতা ফংলবোই হাযবসি নুমিৎ কযামকম কবিঅমতা কান্নদনা হংনববা তুংদা খঙলকখি । ঐখোযনা পৈশা ফনমক যাম্না পীগে হাযবফাও হাপতা অনীমুক্তি ঙাইখিবা তাবি ।

বারোইশিন

শিবোই লিনীগী ফজবা মশক মতৌ, মাঁতক মগুন, মালেমগী লৈশিংগী মবক্তা মকওইনা থবো, থম্বালশিংগী মবক্তা মাগী শিংথানিঙাই ওইবা ফমফম, মণিপুরগী চাওথোকচনিঙাই ওইবা মতৌ, লমদমসিগী মকওইনা চীংগী অঁবিবা বাবী শিংবুর্নাশিংগা শাগোন্নবকপা, মবম কযাদগী মাবু ১৯৮৯ দগী মণিপুর মশক তাকপা লৈ ওইনা শকখঙলে । মাগী মকওইবদু মীযামদা শিন্নবে । অদুবু, শকনাইববী লৈসিবু লুনা চান্না ঙাকপী শেনবীনবা মশক নাইবা থৌবাংদি বাংলি । শিবোই চীংজাওবু লৈসিগীদমক নেসনেল পার্ক ওইহন্নবগী থৌবাংসু মমুদা তিন চংখ্রে । মশক নাইবীনি হাযনা লৌখংপবগা কাংখা থাংগুম লংশেকপিবীবা মাগীদমক অশেংবা মফম খমদি খঙহৌবাস । তুংগী মীবোলগীদমক । ❑



শঙাই
(লানবন মনুংগী শজি)

থৱাইপানবগী 'লৈবাকসিদা থৱাইনা থৱাইবু মমল লৈহন্দনা তাথি-তাওইনা তৌবিবি। হৌজ-থেংখাঙ কযাদা কৈবুল লমজাউদগী শঙাই হাৎপগী লৈবাক পুংজাও থিল্লি। খল্লুই, শঙাইদো ওঙ্গোক্লা ৱানা, শিঙমদনা শিবমনিদা। ফিভম চুম্না খোঙনেৎ খোঙদাফম ফংদ্রবী মহাক্তুনা শা হাৎপনা লাঙ্গোই চল্লকপদা কবি খল্লমনি ? উপায লৈত্রবী ওইনা মানা খাঙলমগদৌবা শক্তমদু মীৎতা শং শংনা উই। অবেংবা খুদিং ফুমদা পুৎথবমগনি। খুজেং, খুউ, নিংদোল চা'জৌ থুমজিল্লক্তুনা ওঙ্গোক্লা বানা খাঙলমগনি। শিবমদাই মিৎকুপকি থবাইনা হকচাংগা খাইনবমদাইদা মীওইবনা মীৎলুদগী পিবাং শিঙ্থবগুম্না শঙাই মাসু কপলমনি। অসিগুম্বা পুন্সিগী অবোইবা মিৎকুপ পুংজাদা মীওইবগীদি মচা মশুশিংনা শিঙ্থবিবা পিবাং তৈথোকপী। ৱাবৱা হাযনা হংবী। শঙাই মাগীদি পিবাং তৈথোকপীবগী মহুৎতা শাহাৎপশিংগী নুংশিহৈতবা মীৎযেং উবমগনি। থাক্লা থাক্লা নোকপতমক তাবমগনি। ফুমদা পুৎথবা খাঙগদ্রা, হিংচাবগী মীৎলমদগী নাঙ্গোক্লবা হোৎনগদ্রা, মবাইবক থিববীদো, মীওইববু যাম্না বাবৌবমনি। নিঙোলনা মীৎতগী পি তানা তৌবা শাপ লেম্না মাঙদে হাযনৈ। শঙাইদ যেলহৌঙদগী লৈবক্লবী কংলৈ চনুনি। কাবণীনো মাগী মফমদা অসুক নুংশি হৈত্রিবা / তাথি তাওই তৌবীবিবা ? মীওইবা ওইনা পোক্লগা মীওইবগী থমোয পান্দ্রিবা? নংগী ইমুং-মনুং, নুপী অঙাংদা শঙাইগী মবাইবকসি তাবস্লবদি নহাক পেল্লগদ্রা ? লাইবক থিববী, চাদা নাওদা তাক্লবী মহাকসি হিংবগী মমী শাম্লবীনি। মতমগী খোঙলৈনা নোংম নোংমগী হোংলক্লিবা ফুমদিগী যাওলদা তনিক তনিক খাঙলিবী মাগী

থৱাইনি। থম্নাথক্কী ঙশিং ঈবিককুম পল্লেপফম নাইদ্রবী মহাক্কী পুন্সিনি। থাযনদগী ঐখোযগী সাহিত্য, কলা-সংস্কৃতিগী মশক হাপলিবা মহাক্না পৃথিবীদা মণিপুববু শক্তাক্লি। মহাক্না লমদমসিদগী মাঙখিবদা মালেমদগী লমলক্কী থৱাই অমসু খোঙ্গুল মুৎখ্রগনি। অসুক মমল যাম্লবা, তবক তবক লেঙদ্রবা লনসিবু তাখি তাওইনা তৌবীফম খোকলিব্রা ?

শঙাই কনানো ? মাগী মবি-মখোঙ থিদোকমিন্নসি। খঙমিন্নসি। প্রকৃতিগী তম্পাক্তা থৱাইপানবা মশেল থৱাইগী মমল খঙনা হিংমিন্নসি।

শঙাই লেজেও ঃ অদুগৈ, লুৱাং শলাইগী পুদাংকোয কৌবনা মীওইবা মপোক থাবগে খন্না মকোক কোকযেৎতা শংগাই কৌবা থাং মচা থেৎচিল্লগা হকচাং পুম্বা নাপীনা কুপশিন্দুনা লাই নিংখি। যাওবৌ তুবানশা ওনখি। তুংদা শাদু শঙাই হাযনা খঙনখি। তাইবং থৱাইনা ওনখিবা তুবানশা ওইবনবা, মখোয যেৎ ওই থাদোক্লদে। যাম্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নে। মতমচুপ্পা শজিক চামিন্নে। কুনমিন্নে। অহিং যাবেকমিন্নে। অকি অখঙ খুদোংথিবা খুদিংদা থাদোক্লদনা মপাঙ 'ঙাই-ঙাইনা' লমজেলমিন্নে - শা-ঙাই, শঙাই কৌখিবনি থাজনৈ

মোইৱাং কংলৈরোলদা শঙাই ঃ থাযনদগী শঙাইনা খোযদাজবা লৈবাকনি - কংলৈপাক (মণিপুব)। লমদমসিগী বাংমদা মহাক খক লৈনিংলুদে। লৈবকখিদে। অদুগা চীংনা পনলোন খাবিবা তম্পাক অমসুং চীংখোঙ চীংযাদদি মবাং কাযবম্মী। শঙাইখেল, শঙাইপ্রৌ, শঙাইতাবী শঙাই লৈবম্বা নৎএগা ফাখিবা থৌদোক ৱাথোক ৱাবীগা মবি লৈননা মীংথোনখিবা মফমশিংনি। শঙাই মবাং কাযবম্মী হাযবগী খুদম চাংদমনি। অদুবু, মাংলমচৎতা মীওইবগী খুজিল-থৌবাং কযানা মাগী লৈফম চাফম অসুম অসুম পিকশিল্লক্তুনা কেবুল লমজাউগী ফুমথক্তা অবোইবা চংজফম লৌখি। অদুগা মীবোল ক্রযা লিনবক্লিবা বাবীর্নাদ অদুগৈ মোইবাংগী অথৌবা কদে, থাংজইনবনা লৈবাক নিংথৌ যাইফনতগীদমক তোববুং লমজাউদনী শাশিং ১ ১ ফাবগা লাইদা কৎখি। মহাক্না চেংলৌ হেন্না নিংথিজবী, নাওপু থাশিং শুনা তোমথিন ঙানবী শঙাই অমসু ফাবকখি। অখন্নবা যাবৌনি। চান্নবী তোনু লাইজিংলেম্বীদা নুংশি খুদোল তম্নবা। অদুবু মানা শাতানবা চৎখিগৈ তোনুদি নিংথৌবোন্দা ওংখিবমলে। নিঙমদবগী

পিরাংলক্তা নাওপুরবী শঙাইদু কদেংনা কৈবুল লমজাউদা থাদোকখি । মাগী মচা-মশুশিংনি ঙসিফাও কৈবুল লমজাউদা লৈরিবা শঙাই ?

শঙাই অমসুং হিয়াং হিরেল ঃ ঐখোয়গী লূদা-তোংদা পকখ্রবা, মতিক লৈরবা শঙাইগী ৱারী শীংবুনলক্তা অদুঙৈ, নিংথৌগী হিয়াং হিরেলদা মাগী মকোক-মচী হাপনখিবগী থৌদোক ৱারীসু ময়েক লারি । নোংমা লূৱাং নিংথৌনা কৌজেং হারৌশিংনা অকংবা খিকলোই লাংনাদা চেৎনা কোল্লগা ঈপাক ঈরংদা কোইতাও তাওনা নিঙাইদনা লৈবা উরুবদগী হি শাবগী ৱাখল পোকখি । ইঙেল চীংদগী উনিংথৌনা হি শাহনখি । ময়াম্বা পুদাংকোয়না ওনখিবা য়াওরৌগী অকংবা মকোক, মচী হিদা হাপ্লগা লূৱাংঈ তুরেলদা অহানবা হিতোংহনখি । থৌদোকসিবু নিংশিংনবা ওইনা নিংথৌগী হিয়াং হিরেলদা শঙাই শাকোক হাপ্লখি । মতুং ৱারীদা – মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাবনা (১১৯৫-১২৩১) খুমনগা মায়োকনবা লানফম অমদা খুমনগী পাঙ্গলবা ক্বাকপগী লুরেল কক্লগা হাপ্তুনা পুরকখিববু নিংশিংননবা হিয়াং হিরেল হিরুবাক্তা ক্বাকপগী মকোক হাপ্পা চৎনখি ।

শঙাই শকখঙনরকপা ঃ মহৌশা শঙাইনা মণিপুরগী চীংয়া তময়াদা মরাং কায়রম্লবসু মাগী অথোইবা মতিক মগুন খঙনরকপা মতমদদি কৈবুল লমজাউদা লৈরম্লে । কৈবুলগী ফুমদি-হাওদি মরক্তা লোৎশিন্দুনা থম্বা মনি ওইরম্লে । অচাকপা মৈবু ফিনা কুপশিন্দুনা কয়াম কুইনা লোৎঙমনি । ১৮৩৮ দা পারসী এলদনা (আসামগী চিফ কমিস্নারগী প্রিন্সিপল এসিসতেন্ট) লোক্তাক খোঙবান্দা শঙাইগা উন্নখি । শঙাইগী ফজবদা মহাক পুংশুম শুমহৎখি । পুমঙাও ঙাওহনখি । তথক-তথকপা শঙাইগী মীৎয়েংনা মাবুসু থকহনখি । ফুমদি-হাওদি মথক্তা তুমিৎ-কাংগী চৈনা খাঙলিবা শঙাইগী মতৌদা মাসু কপখি । কেপটিন গুথ্রিসু (বঙ্গালগী ইঞ্জিনিয়ার) এলদগুম্না শঙাইগী ফজবা চিবোংদা ঙাওখি । মালেমদা শকখঙনদনা কেকু লোৎলিবা মণিপুবগী শজি মখলনি । কেকু ফোঙলগে থন্না বঙ্গালগী এসিয়াটিক সোসাইটিগী জোন মেক্লিলেন্দা শঙাই মচি জুরা খবা খুদোল তমখি । খুদোলদুনা মেক্লিলেন্দবু অমুক লৈতাহন্দ্রে । বিগ্যানগী মমিং থোন্দ্রিবা শজি মখলনি । অনৌবা মীং থোন্দুনা মীয়াম খঙহন্নবা পারসী এলদ অদুগা গুথ্রিগা কুপ্না ৱাতানখি ।

মেক্রিলেন্দনা শঙাইগী মিং থোন্নবগী বাবী রাখোঙ থিবকপগী মতাঙ অমদা ঃ[১]

*১৮৩৯ দা এনা কেপটিন সি এস গুথ্রিদগী **রুসা** হাযনা খঙনবা শাজি কাঙলুপতুগী মনুংচনবা, মচা ওইবিবা শাজি অমগী মচি অমা ফংখি। লোযননা মচিদুগী তোপ তোপ্পা মওং মতৌদু চেকশিন্না যেংনবা হাগবকাখ। শাজিসি কনামতনা শকখঙনদ্রিবা অনৌবা ধাবা অমা ওইবম্বা যাবগী ইঙ্গিংসু মহাক্না পিবকাখ। মচিদুগী মবমদা এনা যাম্না খঙনিংবগা লোযননা মতমদুগী এসিযাটিক সোসাইটিগী মিউজিযমদা লিশিন্দুনা থমখি।*

কলকাতা নেচবেল হিষ্ট্রি চেফোঙগী মরিবশুবা মশিং, লামায ৫[illegible]১ দা ঐনা কেপটিন গুথ্রিনা পল্লকাখবা তোপ তোপ্পা মাচগী মওং মতৌদু শুগাযনা [illegible]ক্রগা হাখ। গ্রেট তবানিথোইশুবগী অহানবা ডোলুম হাযনা মমিং থাবগা ফোঙাখ অমসুং মঙোন্দা মখাতানা কুপথনা থাজিন্নবগীদমক চেকশিন্না শিন্নাখ। কেপটিন এলদ কৌবা আসাম কমিসনাবগী প্রিন্সপাল এসিসটেন্ট ওইনা থৌপুবম্বা অমসুং মহাক্না হান্না মণিপুরদা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী যুমদা লৈবম্বা অমনা ঐখোযনা ফোঙখিবা অমসুং কনাগুম্বগী মত কোখবা শাজি মাচ অদুগী মবমদা যাম্না থবাই যাওবকখি। মানা শাশিগী মওং মতৌ অমসু ঐখোযনা হাপখিবা অযেকপা মাচগী মবমদা মত পিবকাখ। ইবমাসগা মবিলেননা শম্বরবা নাইদনা যাম্না নুংঙাইবা চিঠি অমসু শাংনা ইবকখি[২]। মাসিনা হোজক ফাওবগী ওইনাদ মীযাম্না খাইদগী খোবাংনাবিবা শজি মখং আসিগী লমচং শাজি অমসুং মওং মতৌগা মবা লৈননা ইহান হানবা পাউ হাযবদু ওইবে। কেপটিন এলদগী চিঠি অদু অনীশুবা ডোলুমগী লামায ৪১৫ শুবদা ফোঙখ্রবাননা মদু শিকাবদা যাম্না হৈখোয শি থোবম্বা নুপা অমনা শা অমা মশাগী পারফম লমগী লমতাংগী মান, মথা তমানিদা তহোবা যামা মতংহবা অমসু মমল লেনবা মীংযেংনি হাযনা চুম্না

(১) **কলকটা নেচবেল হিষ্ট্রি** ([illegible]) [illegible] অনীশুবা [illegible], [illegible] ১০১
[illegible]।
[illegible]

পল্লুবা নৎতনা নৌহৌনা অমুক শিংথানকবগী মথৌ তাদ্রে। কেপটিন এলদগী চিঠিদগী খঙবা ঙম্মী মদুদি শা অসিগী মবমদা মহাক্না ১৮৩৮ দগী হৌনা মমুং তানা খঙলে। অদুবু মহাক্না মতমদুগী চেফোঙ অমদা মীযাম খঙনবা ফোঙদোবখিদবগী মকওইবা মবমদি মশোন্দা কনাগুম্বনা মসিগা মান্নবা শজি মখল অমসু অল্লাং নোংচুপকী মফমশিংদা যংই হাযবর্কাখ। কেপটিন এলদগী অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোকনিংবা অসিদা যৈথংপা অসিমক লৈবমদ্রগদি মীযাম্না খঙনিংনা খৌবাংনা ঙাইনবিবা, মশক মতৌ খঙনদ্রিবা শা অসি মীযাম খঙনা পুথোক্কুনা মশক তাকপদা অতৈ কনামতনা হাযনদ্রিদৈ মহাক্না ইহান হান্না পুথোকপা হাযবদু ওইবমগদৌবনি। অদুবু মহাক্কী অপাম্বদু মতমচানা পুথোকহৌদবনা, মাগী হান্না খঙলম্বশিং অদুনা কেপটিন গুথ্রিগী চিংননিঙাই যাওদবা অল্লাংবা থাক্কী ফংফম থোকপা হক্কু মাঙহনবা ঙমলোই, অমসুং মহাক্কুনা পৃথিবীদা ***সরবস ক্রোক্তেলিস*** *কৌবা শা অমা লৈবে হাযনা লাওথোকপা মীশকান হাযগনি। মসিথক্কুনা কেপটিন গুথ্রিদা পিবা ইকাযখুম্নবা লোইদ্রে। মতমদি মহাক্না অচুম্বা পোংশক অমা নৌনা পুথোবকপা অসিনা শাজনবিবা পোংচাকশিংদা পেন্নদবা কযা কোক্কবা চহী অহুম পুবা চুপা শা অসিগী পুন্সি তাক্কক মুদিংগী শক শযাং উন্সা অমসু, মকোক মটৌ ফংনবা থবাই যাওনা হোংনাখ। মদুনা মহাক্না অহানবা ইনো নৌবা শজি মখল অমা ওইগনি হাযবগী পিখিবা ইঙ্গিৎতু যেৎননিঙাই লৈতনা অচুম্বান হাযনা পমান। তৌনবা খৌবাং তৌখি অমসুং পৃথিবী পুম্বনা শা অসি ফজনা খঙবীনবা হোংনখি।*

শঙাইগী শাগৈ-নাতৈ ঃ লোক্তাক থোঙবান্দা শঙাইনা অহানবা শকখঙনখিবা এলদ নি। মহাকপু ইকাযখুম্নদুনা শাসিবু ***সরবস এলদি*** মীংথোল্লবসু মাগা শকমান্নবা, ঈ মবী তিন্নবা অনীমসু মীবমদা লৈবি হাযবা খঙনববখি অমনা ব্রমাগী (ম্যানমাব) মীনবু উমংদা অদুগা অতোপ্পা অমনা থাইলেন্দা। লমদমসিদা **শঙাই** শাযনা নুংশিনা কৌনবগুম মখোযবুসু ব্রমাদা **থামেঙ** (অচৌবা শজি) অদুগা থাইলেন্দা **লমাঙ** (শজি অচৌবা) হাযনে (বিগ্যানগী লোন্দা মণিপুর শঙাইবু ***সরবস এলদি এলদি,*** ব্রমা মখলবুনা ***সরবস এলদি থামিন*** অদুগা থাইলেনগী মাবুনা ***সরবস এলদি সিয়ানেনসিস*** হাযনা খঙনবি)।

শঙাইগী মিংশিং ঃ মমিং যাম্বী শঙাইনি। মীবেবাক, মীবমচাশিংগী মবক্তা কনানা কৌনৈ মাবু - **মণিপুর শঙাই**। **মণিপুর থামিন** কৌনবসু যাওই। **এলদগী শজি মখল** নৎত্রগা **পানোলিয়া দিয়ার** হায়নবসু মাবুনি। মহাক্না (শঙাই লাবনা) শজিক চাবা/ঈশিং থকপগী লুকথবকপদা মচীনা পিশুমদগী থিনগৎলকপা মান্না উই – **মণিপুর ব্রো এন্টিলর দিয়ার** কৌনৈ। ফুদোঙবা সনা কুচুনি – **সনামনবী**। মতিক মগুন লৈবা জগোয়গী লৈবাক, মহাক্কী ঈশিং নুংশিৎ, প্রকৃতিগী শুমহৎযাই মবক্তা পোক্নিবা লমদমসিগী শা-উচেক পুম্নমক জগোয হৈ। শঙাইসু। হৈশিংলবা মীওইবনফাও খোঙফম চুম্না লেপ্লা ঙমনদবা লোক্তাক্কী থোক থোক নোম্রিবা ফুমথক্তা নিঙাইদনা শান্নবিবা শঙাই উবগা ঙক্কবা কনা লৈবিবগে ? নিনিপানবা থাজগুম্বা চীবোংনা লৈতেংলিবী, তীংদা যাঙদা চুম্বী মহাক্না শাথেক হৈবী কনাগুম্বীগুম ফুমগী তাম্থা চাননা থাংলকপা খোঙথাং – থেক্না থেক, নৌগা নৌ; যেৎতা চেপ্লগা ওইনা ফা, ওইদা চেপ্লগা যেৎনা ফা, মতৌসিনা বৃতিশ মচা ঈ পী জী পুমঙাও ঙাওহনখি। মাবু **মণিপুরগী জগোয় হৈবী শঙাই** মিংথোনখি। লোক্তাক খোঙবান্দা লৈবা শজিনি – **দিয়ার ওফ দি লেক**।

মশক-মতৌ ঃ চহী চা কযা লিশাংশিংনা হীবম কযাদা নৈহৎপিবক-পদগী মবাইবক থিববা লমলক্কী থবাইশিংগী মবক্তা শজি শঙাই অথোযবনি। ফিভমসিদা মখোযগী মখল কযা মতমগী চৈথেং ফংদুনা চাদা নাওদা কাঙখুল মুৎখ্রে। অদুগা হিংহৌবিবা কযামসু মমী ইশাম শাম্রে। অসুম্না মবাইবকথিববা শজিশিংগী মবক্তা শঙাইগুম্না চুঙ-ফিবাল চাবদি অতাঙবনি। সেন্টিমিটব ১২০ মুক ৱাংনা মপুঙ ফাববা (অমোমনা সেন্টিমিটব ১০০ বোম বাংই) লাবগী কোকথক্তা থা মচেৎ শাবিবা চীহৌ, শঙাই মহাক্তগীনি। ফাইবেল-লমতাদা যুম্বান্নখ্রবা লাবগী মচী অনীমক হৈখোক লৈখোক লোযববা হৈ লৈগুম মতোমতা কেনখি। অদুগা যাম্না থুনা মচী-তুম্বৌ চোংদুনা জব জব চাওখৎলি। মতমসিগী নৌনা হৌবকপা মচীদা বেশোমগুম তমোন-তমোনবা উন্সাগী কুযোমসু কুমগী শজীক নাপীশিংনা উঁহৈ মক যান্দুনা শিকংনবকপগা ইবোযননা লিন্না মকু হুবগুম অমুক হুক্তোকখি। তনৌ তনৌবা মচীগী শক লুনৌনা ফি থোংদবা কনাগুম্বীগী হকচাংগুম্ তঙাং তঙাং লৈহৌই। মতুংদা নুংশিৎ নুংশা লাংলগনা শকগী মচী ওই। ফাইবেল লমতা অমুক যৌবে। উপাল ৱাপালশিংনা অনৌবা যেনিং হুল্লকপা, চবোৎ লাংনানা হুপনৌ শজিক

চোংলকপগা ইবোয়ননা শঙাইসু থমোয বৈয়োল চোংই। লাব়গী কাংচেৎ মচু কানা কাঞ্জিল তকপগুম ইবং লংলকই (অমোম্না ঙাংলৈনবা সনা মচুনি), লোযননা লেংতাবমখৈ নোয পেল্লবা ঙকশমদা মতু জুম জুম চোমলকই। মতমসিগী মপুঙ ফানা কল্লবা মচী পাল্লবা মখোযনা কনাবুসু কিবক্তে। শামান লেংমান্নবা মবক্তা কোযনা চৎতুনা লানশিংনবকই। অমোম হাকন্নবগী তোইনা খৎনৈ (ব্রাইনৈ)। অঙম্বনা অমোমদুগী মপুনি। মখোযনি যুম্বান্নৈ। যুম্বান্নবা লোইখিবগা মচীসু কেনখিবগা লোযননা লাবগী ফজবম্বা শক্তম মাংখি। অথোয নাপল কাবম্বা মহাক্তো মথংগী যেনিং হুন্দ্রিফাও কনা লৈজদবা অমগুম পুন্সি লেল্লি। যুম্বানথাদসু অমোমগীদি নাপল লৈতে। যুম্বীবেম্বীগুম ইং-তপ্পী। থা নিপাল নাওপুই। নৌনা পোক্লকপা মচানা লাবা ওইবগা চহী হেল্লকপদা হামেং মান্না চীহৌই, মদুনা কেনখ্রগা অমুক থা-মচেৎ শাবা শঙাই মচী ওইবকই। যুম্বানথাদা শঙাইগী ফজবদি ঃ

চোযনৌ সনাবু ঙমজবী
সনা ফুদোঙবা কুচুনি
নুবেলথক্কী চীবোংনা
নিনি পানবা থাজনি
তাঙথক নাইবা ফুমদিথক
যাওবৌ খোঙকাপ তানবদি
শাথেক হৈবী নুজাগী
জগোয খুথেক ঙমজৈদা (৩)

শঙাইগী মরাইবক ঃ কৈবুল লমজাউদা শঙাই কবমতৌবি ? মহাক পুন্সি নুংশাংনা হিংখিগদ্রা ? তেল্লবা বাহংসিগী পাউখুম মবোং মবোংই। শুপচিল্লগা, অদুগৈ বৃটিশনা কংলৈ সনা কোনুং পাযনবা মাযকৈ কযাদগী তমশিল্লকপগুম কৈবুল লমজাউগী ঈশিংনা কোযশিল্লবা ফুমথক্তা শঙাই যেক্রবনা লাঙ্গোই চল্লবা বন্দিগুম হিংলি। লানবন মনুংগী শজি ওইবি। গড মান্দাবনগী বাজকুমাবগুম মহাক। মাযকৈ মবিদগী অকবা লানফম মাযোক্লবি – অনীনা শকউনা অদুগা অনীনা শকউদনা।

---

(৩) **ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু ঃ** অইবা।

১। **শাদানবগী চৈথেং ঃ** থরাই খুদিংমক শিবা নাই। লাযনা তিন্না, অহল ওইবকপগী শিবনা মহৌশাগীনি। অদুগা, শাদানবা অমসুং লৈফম চাফম লৈবক্তবনা শোকচিল্লকপগী শিবনা খুৎশেমগী। শকউবা লানফম অনীসিগী মনুংদা শঙাইনা অকোনবগী সিদা হেন্না ৱাজৈ। মাবু ঙাকপী শেনবীবিবা আইনগী খুবামনুংদা শাদানবগী লাংদা থুবদি খবতনি। অদুগা লৈফম শোকচিল্লক্তুনা লাই ওল্লক্লবদি চেনফম, নাম্থোকফম লৈত্ৰবা মখোয খবসি মীৎনা কুপ্লদা লোইগনি। মাংলমচৎকী হৌজ থেংখাঙ কযাদা মীওইবগী মীৎযেংদগী নাম্থোক্লবা নাবক মোংশোঙ, কাচিন কোযাদা লোৎ লোৎতুনা খাঙলকখিবা শঙাইনা উপাই লৈবক্তবদগী কৈবুল লমজাউদা অবোইবা চংজফম লৌথি। তথক তথক মীৎযেংদা ইপাই চাওবী তুবানশা ওইখি। 'কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম ওকনৈ' হাযনবগুম মফমসিদসু মহাক লৈতাবা ফংদ্রি। মীওইবগী মীওৎ মীনৈদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রি। মাবু লোন্না লোন্না শাদুবী। ঙাক-শেল্লিবশিংনা মাবু কন্নবা হোৎনবদা শাহাৎপগী নোংমৈনা পানবগী বাবী (১৯৮৪), থরাই যাওদ্রবা শঙাই অমোম অমা পুবগা লৈবাক পুংজাও থিনখিবা (২০০০), শাহাৎপগী খযাৎতগী মুল্লকপা শঙাই শাদোঙগী ৱাথোক (২০০৩), মফম কযাদা থৌবী কোঙ্গোই লাং থাক্লম্বা খুদম খবতনি। মাগী মবাইবক থিখিবগী থৌদোক-ৱাথোক কযামদি কৈবুলগী অশোঙবা নাবক শীংলক্তা কৌজেং হাবৌতনা শৈথাবি।

২। **লৈফম-চাফম শোকচিল্লকপা ঃ** কৈবুল লমজাউগী ঈশিং কম্বোং মনৌ, অপোম্বা লৈশিংবু খৌবোম থন্না চাবগা তৌ, খোইমোম, শীংউৎ, শীংনাংলক্তা নোংজু নুংশা খাঙলিবী শাসি অৱাবা চৈথেং ফংলে। মীওইবগী মীওৎ মীনৈ খাংঙমদ্রে। লোক্তাক প্রোজেক্টকী ঈশিংনা মাগী লৈফম থুমলে। ফুমদি ঈবাক্রে। ফুমথক্কী নাপী শীংনা পুম্নমক ইতাক তাক্রে। মতমচুপ্পা ঈশিংনা চামদুনঙাক লৈববা ফুমদি পাথবে। খোঙনেৎ খোঙদাফম যাবক্রে। মফম কযাদা ফুমদিনা মচেৎ মচেৎ কাযদুনা কোইতাও তাওবি। অকি-অখঙ মতমদা যাম্না পাখৎনা লমজেনবী শঙাইনি। লমজেল্লিংঙৈদা মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা লাবনা মবক মবক্তা লেপ্পুনা, তুং হন্না যেংলগা লমজেলমিন্নবিবা মপাঙ ঙাইবগী হৈনবী লৈবগসু অমোমশিংদি অশোঙবা নাবক মোঙশোং হেক ফংদ্রিবফাওবা লমজেল্লি। মতমসিদা পাথববা ফুমনি খঙহৌদবদগী নেৎলুদুনা নিংদোল চাংজৌ থুম্না ইবাকনৈ। অৱাবগী মথক্তা অৱাবা, যুম্বানথাদা

খোঙগং খুকংবা ফংদ্রবা মফমসিদা লাব অমোম কবম্না চিল্লোক্লকনি ।
মীওইবগী যাইফ থৌবাং প্রোজেক্টসিনা শঙাইনী যেক্লবা ওইবি । মহাক্কনি মতম
কৌবা লাইগী শক্তম লৌবগা থুবাম মতংনা শঙাহবু ফাগদৌবগী তান্নবিবা । মথা
লাওনা কাথোক্কুনা শঙাহবু পুম্না যোৎকদৌবগী ঙাইবিবা । ফিভমসিগী অবা
পিবাংলক্তা শঙাহনা মতং থাবি **ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু, ঐবু অমুক্তা
কনবীয়ু** । লোইবমদাহ মীৎকুপতা মাগী থমোযদগী শিঙ্গবকপা পিনা লোক্তাকী
ঈশিংদা তপ তপ তাবি । অদুগুম্না পিবাং তোৎলবা ঈশিংনা চনাইবা, হে
লোক্তাক প্রোজেক্ট নংগী পুন্সি কযাম শাংদৌবি । শঙাইগী শিংলি ঈচেল
লেপখিদুনা মালেমদগী থোঙ্গুল মুংখিবগা লোযননা নংগীসু অবোইবা
ওইবোইদ্রা ।

বেবুল লমজাওদা শঙ হনা অথাবা যুমদা মকতহবা অদুমক অশোংবা
নাপীসুনি । মথর্মসিগী শাভাব অদুগা নাথন পিবিবা অবাংবা নাপীশিংনা
মতমচুপ্পা খল মান্ননা থোবা মহাব পাস্রমানি নাকল অমনা তেনগৎলকপদা
বাদুনা লৈববা মাপী পুন্সিদা অৱাবগী ঈনোৎ হাপকনি । লৈফম চাফম যংদ্রবা
মফমদা শজিক মবাং কাযবা ঙাক্লুনা মহাক হবাওবোই । অদুগা শাজক হোদনা
অবাংবা নাপীঙাক্তা ওইবগদু চবা তেনগনি । মতমসিগী হংনদি অনেম্বা
নাপীশংগা মকমদা অবাংবনা সরাক্লবি ।

৩। **পারী পুরীগী হী-য়াই শোম্বরকপা ঃ** থবাইপানবাশংদা
মপা মমা খবনা হন্না হন্না যুম্বান্নদুনা পোকলবপা মচা মশুশিংদা পাবী পুবীগী
হী যাহগী মতিক (জোনগী শক্তি) শোহবকং । শঙাহদসু খোকলব্রা । মঙোন্দ
লাযনা তিন্না ঙাকথোকনবগী পাঙ্গল শক্তি অসুম অসুম শোম্বরক্লমালে ।
কাংদা খজিত্ত খেবাংপা থাওবদা কুহনা লাইজোই আহচ মাহ তং
এহদসদগীসু হেন্না শাথিবা জোনিতাক্কী লাযনা লাহওনি । হেবাশন থৌবা
বযানা মাহচ মাহ শনোব । যবা ঙ্গনসু শঙাহগী পাবা পুবাগী
ওইবক্লিবা মশোনবা মসিন্না যংব যাবান । বিতমাংগী অঙ দবা থমখতা ।
থোংনেৎ থোঙদাবিবা শঙাহগী মখক মথোঙগা থীবা দোঙ্গোয় যাং তব থবা
মানা বযাম কুইনা থাঙভমনি ।

বেবুল লমজাউগী শঙাহ ১ মুব অদুগা ভাবতকী শাযোকশঙ ১৫
মুক্কী মখোয ১০০ মুক্কনা পযিবীদা মাগী মবোইবা নশিংনি । শাযোকশঙ

অদুগা কৈবুলগী শাশিংগী মবক্তা যুম্বান্নহন্দুনা মাঙলুববা জীনগী শক্তি হেনগৎহনবগী থৌবাংসু অদুক হাক্লা মঙাল নাইবোই। শযোকশঙগী খবসিনা অমুক্কা হেন্না অপীকপা ইমুং মনুংগী মচা মশুশিংনি। ১৯৫৬ তা কৈবুলদগী কলকটা (কোলকটা) পাংখিবা শঙাই জুবা অমা, অদুগা, ১৯৬২ দা দিলিদা লৈখিবা জুবা অমা; মখোয মবিগী মচা মশুশিংনা মদ্রাজ, মাইসুব, নন্দনকানন, ট্রিবানদম, আসাম, কানপুব, হাযদ্রাবাদনচিংবা থৌখি। ১৯৭৮ দা ইবোইশেম্বা শাযোকশঙগী শঙাইসু কৈবুলদগী লাবা অমগা দিলিদগী লাবা অমা, অমোম অনীগনা হৌদোকখি। চহী ১০ মুক্কী মনুংদা মখোযগী মচা মশু ১২ ফংজখি। লাইবক থিবদি ১৯৮৯ ঈশিং ঈচাওদা লাবা অমা নৎতনা পুম্নমক যাওখি। ১৯৯২ দা হিংহৌবিবা শঙাইদুগা মাইসুবদগী লাবা অমগা দিলিগী অমোম অনীগা নৌহৌনা অমুক যোকখৎনবা থৌবাংলি।

৪। **পা-পী খল কায়রকপা ঃ** মতম অমদা (১৯৫০) মণিপুবদা শঙাই লৈত্রে, শাঙাইগী থোঙ্গুল মুৎখ্রে হাযনকবে। বাফমসিগী অচুম্বা খঙদোক্লবা সুটজাবলেন্দদগী আই যু সি এন না (ইন্টবনেসনেল যুনিযন ফোব কনজাববেসন ওফ নেচব) ঈ পী জী থাবকখি। মহাক্লা কাচীন কোযা ফাকলকপদা শঙাই ১০০ মুক কৈবুলগী নাবক্তা লৈবম্বা থেংনকবদগী ১৯৫৪ দা মফমশিবু শঙাইগী অমতা ঙাইববা লৈফম ওইহনখি লোযননা শঙাইগী মশা-মউ ফনবা, মশিং হেনগৎহন্দুনা কাঙখুল মুৎখিবদগী কন্নবা থৌবাং হৌখি। থৌবাংশিগী কুমশিং ৫০ মুক শুবফাওবা, মশিংদি ইহেন হেনগৎতে (২০০০ গী মশিং থিবদা ১৬২ লৈ হায)। মসিগী মকওইবা মবম খবদি ঃ

- মতম কুইনা অফা-অপুন্ননা লৈমিন্নবক্লবা মখোযদা জীনগী শক্তি শোঙ্গবকপা।
- চাবোকথাদা ফুর্মদি ঈবাকপা, মীওইবগী নিলখোংবনা মখোযগী যুম্বান থৌবম কাযহনবা।

  অবাপ্পা অনকপদগী ত্রবেল, ঈবম খোঙলম, নবুক-লমহাংদগী চেঙ্গবকপা হুগী পোৎচাকশিংনা শঙাইগী চাবোক কযাৎ শোকহন্দুনা মচা পোকপা ঙমদবা, লাযযৈ চৎপা, শোন্দম নাদম্বা মচা পোকহনবা (হুগী পোৎচাকশিংনা চিঞ্জাক্কী লম্বী পবিংদা - ঈশিংদগী লৈপাক লৈহাও, শজিক পাম্বীশিং মথং মথং শঙাইগী হকচা৲ থৌই)।

- লোক্তাক প্রোজেক্টকী ঈশিংনা পাথহল্লবা ফুমদা ফিভম চুমনা চৎপা হৈত্রিবা মচাশিং পুৎথবা। ঈবাক্লবা।
- শঙাইগা লৈমিন্নবিবা খবশা, লমওক্কী মশিং জব জব হেনগৎলক্নুনা লৈফম-চাফম মুন্নবা। লমওকনা শঙাই মচা মাঙহনবা।

  মফম কযাদা অৱাংবা নাপী তাকশিল্লকপনা শঙাইগী লোৎফম-লৈফম, মকম থুপফম লৈবক্তবা।

শঙাই খুদিংমক মীওইবগী থৱাইগুম মমল লৈববা ঙাক্তনি। অমোমনা অমুক্কা হেল্লি। মহাক্লনি চাদা নাওদা পিগদৌবিবা। লমলক্কী জীব কাঙলুপ অমগী মশিংদা লাবগীনা হেনগৎলক্লবা মখোযদো মবাইবক থিববা, কাঙখুল মুৎকদৌবা কুইদ্রবনি। কৈবুলদা লৈবিবা মশিং খবসিদা লাব-অমোমগী খল কাযবৱা? মনুং মতম চাদনা শিখিবা থাবগা ভাবতকী শাযোকশঙশিংদা পোকখিবা মচা ৩০০ হেনবগী মবক্তা লাবনা হেন্না য়াম্মী। মীপাযনবা কযাসিগী মবক্তা ইবোইশেম্বদা শঙাই অমোম অমা তাইবং ফাওবকপগী হৱাওনবিঙৈ, মশাগী পোক্লফম কৈবুলদা শঙাই হেক হেক মাঙলি।

লোইবা খম্বা নাইদ্রবা শঙাইগী অৱাবা ৱাবীনি। মহৌশাদগী ইংনা চিক্লা লৈজবা পাম্বী মহাকসে মতমসিগী নিল থোংবা কযানা ঙহাক্তা লৈতাহন্দে। মিপাইচাওবী শজি ওইনা কবিগুম্বা মবম অমদগীসু তথক তথক খংগনবী হাযবদু ওইহল্লি। থবক মিহুল চেনগুম চেনগানা চেলহল্লি। অসিগুম্বা ফিভমদা মবায (মকোক) থাঙ্গৎনা লমজেলবী ওইবনা মাংদা কবি লৈ উহৌদে। কংবী কংজাওনা কুৰ্পালবা ঈশিংদা তাশিল্লুই। অপাবা ফুমদা পুৎথকই। শাফা লাংদা থুকই। ফাইবেল লমতা শজিবু, শঙাইগী যুম্বান্নবা মতমসিগী লাব-অমোম পুল্লিঙৈদা শাদানবশিংনা খুদোংচাবা ৩ানলুম্মী। মখোযগী থৌবাং কযানা শঙাইবু মিপাযহল্লি। যুম্বান থৌবম কাযহন্দুনা চাবোক হম্বহল্লি।

শঙাইগীদমক্তা : শঙাই অমসুং মাগী অমতা ঙাযববা কৈবুল লমজাউগী ফিভম শাথিনা শোক্লে। মখোয অনীমক কবিগুম্বা মবম অমদগী হেক্তা মাঙখিবা যানা থবাক থবাক যাল্লি। ফিভমসি যৌবফাওবা মখোয়বু

কন্নবা তশেং তশেংবা থৌবাং ইৱাৎ ৱাৎলি। মপু পান্দবা ইথ্মোলগী হৈ লৈগুম্রি। অদুবু পৃথিবীগী কাচিন কোযাদগীদি মণিপুরগী শাঙাই কনগদৌবনি হাযবগী খোল্লাও খোক্লি। মিনুংশি, পাঙ্গল-থৌনা, শেনগী মতেং কযা পিনবক্লি। উবিষাগী নন্দন কানন্দা (১৯৮৯) শঙাইবু **স্পেশিজ ওক দি ইয়ার,** মাইসুব শাযোকশঙগী ১০০ শুবা মপোক্তা (১৯৯২) **ঐখোয়গী শঙাই** হাযনা শিংথানখিবা মহাক্তো বৃটিশ ইযাবৱেজনসু (১৯৯২) **নখোয়গী শঙাই কনবদু ঐখোয়গীসু ইথৌনি** হাযবি। যেলহৌঙদা লুবাংগী ঈনা ওনখি বাবীনবিবা শঙাই ১৯৮৯ দগী **মণিপুর ষ্টেট এনিমেল** ওইবগা ১৯৯৮ দা মঙাশুবা নেসনেল গেমসকী মাস্কোট **নিংথেম** মিংগৌদুনা খুমন লমপাক্কী চাযনপুঙদা তবি তবি থোবকখি অদুগা খোঞ্জেলদি থোক্কনা হৌনা লাওবকখি – **ঐবু অমুক্তা কনবীযু।**

---

(২) জোন মেক্লিলেন্দা থারকপা পারসী এলদগী চিঠি ঃ

কলকতা জর্নেল ওফ নেচরেল হিষ্ট্রিগী মাবশুবা চেফোঙবু থাগৎচবি। মসিনা ঙসিগী পোষ্টা যাওবকপদা ঐ যাম্না নুংঙাইজে। ঙাসগী পোষ্টা যাওবকপশিংগী মনুংদা ঐনা যাম্না মক ওই হাযনা লৌবিবদি শাজি অমগী অনৌবা শক্তম যাওবকপা, মদুনা মুনিপোব (মণিপুর) অমসুং কছাবগী মযক্তা লৈ হাযবা মদুগী মচি খবা অকোনবগী মফমসিদা কেপটিন গুথ্রিনা ফংখি হাযবসিনি। যেক্লিবা লাইদু উবদগী ঐনা খঙলে মদুদি মদুদা পল্লিবা শাজি মখলদু ঐ ইশামক্তা ইং ১৮৩৮ গী হৌগৎলকপদা মুনিপোব তম্পাক্তা ফংখিবা অদুনি। মহী অদুমক্তদা ঐনা কেপটিন গুথ্রিদা মচি জুবা কযামকুম পিখিবনি। মতমদুদা ঐনা শজিদুগী মও' মতৌসি জর্নেল অমদা ফোঙদোক্কে খল্লম্লনি। অদুবু মদুগা মান্নবা শজি মখল অমা অৱাং নোংপোক উমংশিংদা ফংহ হাযনা কনাগুম্বনা হাযবকখি। অদুনা মদুগী ফিভমদু ...ত ... ... হন্না লৈবা শাজিসগী অশেংবা মচী জুবাদগী যেকথোকপা নাই, ঐগী শিকাব দাযবীদা মতমদুদা হাঁশনাখিবা শাদুগী চাওথাকপা মবম পুম্নমক নঙোন্দা (মেক্লিলেন) শিন্নববনি, অমসুং নংনা মদু নংগী অপাম্বা মতুংইন্না শিজিন্নবা ঐ হবাওনা যাবে।

মফমদুগী মীশিংনা শঙাই সুঙবাই (শঙাই) কৌনবদু লমদমদুগী

তম্পাক্কী মফমখক্তদা ফংবনি । মদুনা কছাব নংত্রগা কবো তম্পাক নংত্রগা মুনিপোবগী অকোযবদা লৈবা নাগাচীংগী মফম অমতদসু ফংদবনি । মহাক্না পামজবা লৈফমদি মুনিপোব তম্পাক্কী নোংচুপথংবা মাইকৈদা, তম্পাক্কী শকক লোইশিল্লকপদা অনেম্বা নাপী মবাংকাইনা হৌবা লোগতা (লোক্তাক) খোঙবানগী পাংথি-কোমাথি ওইবা অমসুং চীংখোঙ চীংযাগী চোং-চোং লাওবা মফমশিংনি । মখোযদি শনলুপ নাইনা পুন্না লৈগনবনি অমসুং কুমগী অকুংবা নাপী লাম্মৈনা তুম্না চাকখিবা মফমদা মখোযগী মশিং ২০০-৩০০ গী শংগু শনলুপ লৈবা ঐনা তোযনা উথি । লাবনা নভেম্বর থাদগী মে লোইবকপা ফাওবসি যাম্না হকচিনবা কাংচেৎ মচুনি । হেক যেংবদা মুবৈনবা মচু মাল্লি । মখোযগী মশাদু খুৎউ তাঙ ফাওবা চবৌ-চবৌবা, ইঞ্চি ৪ দগী ৮ ফাওবা শাংবা মতুনা কুপাশল্লি ।

মঙক্তা মতু কুঙনা হৌই । হাযফেৎ শগোল মশোং মাল্লি । শাওববা মতমদা লাবশিংগী ঙকশমগী মতুনা চপ চপ যুংখৎতুনা উৎলকপা শকফম, মসিগী মথক্তা চহীগী যুম্বান্নবা মতমসিদা মখোযগী হকাংদগী পিথোবকপা অযাকপা মনমদু ফুত ৪০ ৫০ ফাওবা লাপ্পা নম্মী । অসুক্কী মতিক অকিবগী শক্তমনি, মদুদি ঐনা খনবদা খৌনা ফংবা শামুনা ফাও মনাক নকাশিল্লুবা হংগোইগনি । জুন থাদা লাবাশিংগী মচী কেনবা হৌই অমসুং অনৌবা হৌগৎলকপা মচীনা নভেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা শাবেপ ফানা চাওখৎলি । অদুবু মপুঙ হেক ফাবা হাযবদুদি ফেব্রুযারী মার্চ থাশিংদনি । মতমসিগা চাননা জুন থাদগী মখোযগী কুচুসু হোংলকই, চবৌ চবৌবা মতুদু কেনখ্রগা ইঞ্চি মখাযমুক্তা শাংবা অবংবা কানা শিং শিং নান্না ফজবা কোনা মচুগী মতুশিং কুঙ থানা হৌবকই । ফিবেপ চুম্না পিকতক্না পানবা কোক অমসুং চুং-ফিবান চাবা মিতম, অপৌবা মতু কেনখিবগী নৌনা শিল্লকপা শাবেপ ফাবকপা মতমসে ঐগী মোৎতা শাজি মখলসি অতোশিংদগী খাইদগী হেন্না ফত্তে । শিং লেম্মী । কাজিতোং ফাববা শঙাই লাবা অমনা চাংচৎতা খুৎ তাবামথোই মখায যাংই, অমসুং অমোম্না মদুদগী ইঞ্চি ৩ নৎএগা ৪ হৈঁ । অকোনবগী মচাদ চহীচুপ্পা হোংবা নাইদে । হাযফেৎ কোনা মচুগুম ফজে । অদুবু নোংজু থাদাদ অতৈ মতমদগী কুচু খবা পাম্নোকই । শঙাইনা অতৈ শজিশিংদগী খেন্নবা মবমাশিংগী মনুংদা মকওইবা অমদি [illegible]

(মাঙলোমথংবা) মচীগী তোপ তোপ্পা মওং অসিনি । মসিনা কোকথক্তগী হৌবকপা মচী চৈখোক্তগী কবিগুম্বা কাচি কাবোং শানা লোঙথোবকপগী মতুংতা তুংলোমদা পবিং কাযদনা ইম্বোকপগুম তৌই । মীৎ মথক্তা পোলাংখোক শানা তিংদুনা মীৎ লোৎশিন্দুনা থম্বগুম উই । থা মচেৎ মানবা মচী পানবা শজি মখলসিনা মীৎচাননা যেংলকপা নংত্রগা চৎলিঙৈদা মাঙলোমদা মচী জুবা অমা অদুগা তুঙলোমদা অতোপ্পা জুবা অমা পানবগুম উই । মহৌশানা মপুঙফাবা লাবশিংগী মচীদা অতেনবা মচী মশা কাবোং ৬ তগী ১০ ফাওবা লোঙই । অদুবু ঐনা হাৎখিবা যাম্না অহল ওইববা শাকোক অমদি তশেংনা মশা ১৬ পাল্লি ।

অহিংবা শা অমতং ফংদুনা মদু য়ুবোপতা থাবা ঙ্গ্রবদি যাম্না কান্নগনি খল্লি । অদুবু মদু ফংনবা হোৎনকবদা যাম্না লুবা থবক ওইগনি খল্লুবদা অকিবা পোকই । শঙাই মচা ফাবগা যোকপা মতুং থা খবা হিংলম্রগা চহী ফাবকপদা শিখিবা থৌদোক কযামকম ঐনা থেংনখ্রে । অদুনা শঙাই মচা অমতা মপুঙ মবৈ ফাবকপা ফাও যোক্তুনা হিংখ হাযবগী কবিগুম্বা খুদম অমতা উখিদ্রি । তাখিদ্রি । মদুসু মশাগী পোক্লফম ঈশিং নুংশিৎতা । অদুনা শা অসিবু সমুদ্রগী লম্বেলদা পুবদা হিংবা ঙমগনি হাযবসি থাজবা যাম্না বাৎল । ঐনা তম্পাক্তা লৈবা মকুপ অমদা কবিমতা তেক্তা কাযদবা শক শযাং, মউলনচিংবা থাবিবক্লবা চিঠি ইখ্রে । মহাক্সু ফংবা ঙ্গ্রবাদি থাবক্কনি হাযনা যাবীবে । অদুবু মদু পাক হেক ওইথোক্কনি হাযবদি থাজদ্রে । মবমদি হৌজিক সুঙবাই বোবা শজি মখলসি মানং মথা তমহল্লিবা অমসুং কনা অমতনা হাৎপা যাদনা কোইচৎ চৎলিবা হাযবদু খক ওইদ্রে ।

পারসী এলদ ❑

উমংলাই-লাইকোনুং
(বিগ্যানগী মীৎয়েং)

করম্বা মতমদগী উমংলাই লাৎপা হৌনরকপগে হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমনদ্রগস্ মীওইবনা লৈকুৎ লৈরাইদা মচোয মচোয় লৈনরম্বা পুন্সিদগী খুদোংচাবা মফমদা পুল্লপ-পুল্লপ য়ুমলিং খুললিংনবা হৌনরকপদগী উমং, মোংশোঙগী মফম কন্দুনা থম্বগী চৎনবী হৌদোকখি। মফম মফমদা লৈপুঙ, নুঙনচিংবা থমদুনা লাইগী লৈফম ওইনা লৌনবকখি। অব্রা অনা মতমদা ইরাৎ, থৌনি তৌফম ওইরকখি। উমংদা লৈবা নৎত্রগা উমংগী লাইনি হায়না খন্নরকখি। নুংগী ব্রাহম্বোক্লা, উমংগুম শুক্রবা পুক্লিং লৈকোন্নুংদা, থক-খা খায়বা মতৌবু লাইয়িংথৌ-লাইরেম্বীনা উমংলাই ওইনা ফোঙবীবনি। তাইবংপানবা অসিবু শেম্বীরকপা লাইনিংথৌ (লাইয়িংথৌ) অদুগা পলেমগী খুভম য়ারিবী লাইরেম্বী অনীনা পুরুষ-প্রকৃতি নৎত্রগা লাব-অমোম নৎত্রগা যেৎ-ওই নৎত্রগা নুপা-নুপী নৎত্রগা পা-পী নৎত্রগা ইপা-ইমা হায়না শক্তাক্লবনি। মালেমদি মখোয় অনীগী তাইবংনি। মখোয় অনীগী শান্নফমনি। মীওইবগী হকচাংদা থব্রাইগী মিহুন-তাঙফম ৩৬৪ বু মপান্দা উমংাই ৩৬৪ হাযনা শক্তাক্লবনি।

থায়নদগী উমংলাই লৈফম/লাৎফমদা উ-ব্রা মবাং কায়না হৌহনবা চৎনরকই। মফমসিদা তগৎ-তগৎ তেক্লিবা উমং অমগী মচাক-মথুম শুনা লৈ। উজাও-উরেলদগী অপীকপা নাপী-শীংনা; তুমিৎ-য়ুরালদগী অচৌবা শা-উচেক ইফং ফংই। মফমসি পিক্তকপা উমং ওইবসু মখল মথেল থব্রাইপানবশিংগী লাইরৈবাকনি। মতম মতমগী হৈ-লৈশিংসু ইব্রাৎ ব্রাৎতে।

লৈকায, খুল্লক্তা লৈবগসু মীওইবগী ইথিল চংদনা চীংলেম্না ফজে। যেংবদা থুক লাওই। লাইগী থৌবম পাওথোক্লবা নংতনা মফমসিদা মী ইচং-চংনদে। চংলুগদৌবা হঙ্গোইনৈ। লাইগীদমক ওমখ্রবা, লাইদা কংথোকখ্রবা, লাইগী অশেংবা লৈফম, উমংলন, লাইগী কোনুংনি লাইকোনুং। প্রকৃতিগী নিংথিবা, মহৌশাগী অবোল অথূপ, কলা সংস্কৃতিগী মচাক মথুম বাংত পাদবা পুক্কেনি লাইকোনুং।

লাইগী নংএগা কবিগুণা অকক্লবা মবম অমগীদমক মীওইবনা কন্দুনা থম্বা উমং মচা মচা পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা লৈ। মকওইনা এসিযাগী খুল্লক্তা মবাং কায। ভারতকীদি কেবলাদনা খ্বাইদগী হেল্লি। মণিপুরদা উমংলাই ৩৬৪ গী খুভম মহৌশাদগী লৈবকই। মফমদুদা হী খুদিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লাই হবাওনৈ। মতমগী যাওনদা মীশিং যামখৎলকপগী মতিক লাই হবাওফম/খুভম মশিং অমুম অসুম হেনগৎলক্লি। অদুগা মফমদুদা লাই-উমংগী মহৌশাগী শক্তমদি অসুম অসুম শিথবক্লি। মতমসিগী হবাওফম অযাম্বদা উপাল বাপাল হৌদনা হকোক লোকক্লে। লাইকোনুং নাইনবক্রে।

লাই-হরাওবা ঃ মীওই ফুকপাক মতুংইন্না কংলৈ মোইবাং, ককচীং অমসুং চকপা হবাওবা হাযনবগসু হবাওবিবদি লাইযিংথৌ লাইবেম্বীনি[1] হবাওবগী লাইশোন তীনশোন থৌবম পবিংদা খবা খবা খেন্ননা, থক খা ওন্ননা উবগসু নুংগী থাপু অমতনি। লাই হবাওবগী হোবক বাবীদা অদুগৌ, তাইবংপানবা মপু অতিংবোক শিদবা (অহাংবা) কুকনা তবংদা মতোমতা লৈবম্বদগী মালেম লৈশেমগে নিংদুনা হকচাংদগী অসিবা (সনামহী) পুথোক্তুনা লৈপাক শেমনবা থৌদাবে। অসিবনা মথৌ তৌবকপদা হাবাপানা (পাখঙবা/কোনজিল তি থোকপা) হেক হেক থুগাইবকপা মতৌদা কুকনা নোংথাংলৈমা পুথোক্তুনা হাবাপা থেমহনখি। মথোয অনীনা অপাম নুংশি [illegible] পাওরো [illegible] খাসবনা লেপাব শেম্বা [illegible] মতুংদা লৈবক্কদোবিবা [illegible]হপানবাশি শেম্বগীদমক কুকনা মযালাওনা কাথোক্তুনা পিবুকনুংদা লোবরা থবাহপানবাশং মশক মতৌ উহনখি।

---

(১) [illegible] (অবিবা মণিপুরী লোনচৈগে, [illegible])।

পুম্নমকসি উরুবদা অসিবনা হরাওনা লাইয়ামদু কুরুগী পিবুকনুংদগী হোইদোরকপবু 'লাই-হোই-লাওবা' হায় । লাইশিংনা তৌরম্বা থবকপু মীওইবনা মথং মথং মতৌ তম্নরক্লুনা শান্নববু 'লাই-হরাওবা' কৌনৈ । মতমসিগীনা, মীওইবগী হৌরক ৱারী, য়ুমশিং খুল্লিং, য়ুম্বানলোনশিংবু তুংগী চারোল শুরোলনা মথং-মথং কাওনহৌদনবা ঐথোয়গী চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা, জগোয় ঈশৈ, লাইশোন-তীনশোন্দা থৌরম পরেং য়াৎথোক্লুনা চহী খুদিংগী মপু মাবু খুরুমজবা, ইবেনথৌবু ইরাৎচবা লাই হরাওবনি । মতম মতমগী চাওখৎলকগা ইরোইনরকপা মীওইবগী শরিৎ-শরাৎ, থাং-তা, মুক্না-লমজেলশিংসু লাই হরাওবগী মচল ওইরক্লুনা কলা-সংস্কৃতিগী মতিক-ময়াই পাকথোক চাওথোকহল্লি ।

লাই হরাওবগী নুংগী ৱাহম্বোক অমনা – মীওইবনা পোকপদগী শিবা ফাওবা অরোন-অফোঙ পুন্সি লিলা ফোঙদোকপনি । সিয়োমনুংদগী নৱানা হংঙা মীকপলকপবু লাইহৌ ; হিংলিঙৈ অৱা-নুংঙাই পুন্সি তাক্কক্লা লাই হরাওবা অদুগা শিববুনা লাইরোইনি ।

মহৌশাগী লাইকোনুং খুদিংমক্তা লমদমসিগী ঈশিং নুংশিৎতা হৈনবা পাম্বীতমক হৌরম্মী । নাশীক, গোলমুহরশিংগী মমি তারমদে । খুভম য়ারিবা উমংলাই অদুনা শাফোঙলকপদা লোইনরকপনি থাজনবা পাম্বীসু য়াওই । কোম্বৌজম লাইরেম্বীগী লাইবুং লাইকোন্নুংদা মশা-মরেংনা নাপল তৌবিবা খোংনাংসি লাই হাক্তক্তগী হৌরকপনি । অদুঙৈ, খুঙ্গং চনু হাওরোকচাম্বীবু লাইয়িংথৌ শোরারেলগী তালোই লাইরেম্বী ওইখি । লাইরেম্বীনা মপাম খোঙদারকপদা লাইয়িংথৌনা থারকপা সনাগী কৈরাক্লা উসিগী মথক্তা তাখি । লাইবেম্বীগী খোঙনেৎফম পাম্বীনি থাজনৈ । মতম কুইনা লৈরক্লুনা লাইওইববা পাম্বীসিগী মশাদগী তারকপা (চোমলকপা) মরানা লৈপাক শোকলক্লুনা অনৌবা পাম্বী ওইবকপা; মঙোন্দগী চোমলকপা মরানা অতোপ্পা পাম্বী অমমুক ; অসুম্না পাম্বী অমদগী মথং মথং মচা তরামুক্না থাবলচোংবগুম খুৎশম্নদুনা লাইবুং শিঙ্খুংনা শন্দোক্লি ।

চংনিং লাইরেম্বীগীদা (ফোইজীং) হৌরিবা য়ুরৈ পাম্বীনা (লৈনম্না য়ু মনম নম্বা) অদুঙৈ, লাইরেম্বীনা মফমসিদা খুভম য়াখিবগী ৱারী লিরী । অদুঙৈ,

মোইবাংগী থোইবী, কবোগী চংনিংখোম্বী অনীগী মমাংগী শাইওন লাংওন্দা, থোইবীনা পাম্বোইবী অদুগা চংনিংখোম্বীনা পাম্বোইবীগী সিযোমদা নোংপোক অপাম্বগী থুৎথা হৈক মচানুপী ওইনা ফংজখি [2]। পম্বোইবীনা খাবগী খুৎতগী নাম্বোক্লবা চেল্লকখৈদা। পুকযেক নাওযেক ফাবক্তুনা পুকনুংগী নৱানা তাইবং থাওবক্লবদা খোমলাং মাযোক্লববদি হংঙা মীকপলক্তুনা খাবনা খঙখ্রনি কিবদগী অহানবা খোমলাংফাও চিন্দমলমদনা নাবক্তা লোৎতুনা লৈপাক্লা নন্দুনা থমলম্মী। মথংগী মপোক্তা মহাক্লা মোইবাংগী থোইবী ওইবগা মচানুপীনা কবোগী চংনিংখোম্বী ওইবকড, থোইবীনা চংনিংগী মীনায ওইবগে, মমানা মচাবু মীবাইখিবগী নমন শিংগে ৱাশকলম্মী হায। ৱাশক্তুমক মথংগী মপোক্তা থুংনখি। লাইগী মচা ওইবিখৈ, মাঙফদ্রবা থবাই ওইনা মমাগী খোঙ্গুল লিবকখি। লম্বী খঙদবদগী কঙাওনববী মহাক্লা খুনুতা চীং [3] যৌবকাখি। অাহং মীশেল খাঙনা যুগী খকং লিংনা অচৎ অওক্তা মমাগী বাবী ৱাখোং হংনা হংনা লৈখি। লাইবেম্বী ওহাখি। অদুগা যু খকংনা ডপাল ওইনা লৈশাৎখি। যুবৈ ওইখি।

উমংলাই লাইকোনুং কোকশিন্নকপা ঃ মঙমসিদা উমংলাই অযাম্বগী লাইকোনুং লৈনবক্রে। লাই হবাওফম লাইবুং লৈবগদু মহৌশাগী ডপাল ৱাপালনা হশং শংলম্বা মফম হাযবদুদি ওইদ্রে। খুৎশেমগী অবং অবাকশিংনা মহুৎ শিনখ্রে। মাংলমচৎতা, মৌদিংঙু পামহৈবা

---

(২) [illegible]

(৩) **খুনু থেম্বা চীং** [illegible]। [illegible] থু[illegible] চাংশ [illegible] কৌহা [illegible] লিবা[illegible] [illegible] [illegible] খঙশিন্নদনা, [illegible] খুংল[illegible] মমাগী লৈঝম [illegible] [illegible]। **খুনু থেম্বা চীং** [illegible]

খুনুতা চীংগী ৱাবীদা ঃ [illegible] থবদা খুন অনাদ লৈ[illegible]। [illegible] কক কৌন [illegible] যৌবকপদ [illegible] [illegible] তাবকাখি। আশবা খুনুনা [illegible] কৌনখি। [illegible] [illegible]। (*তোনু লাইঙ্গাংলেম্বী* [illegible])

(খৃ ১৭০৯ ১৭৪৮) হাক্তক্তা শিলেতগী সান্তিদাসনা হিন্দু বমান্দি ধর্ম্ম শন্দোবকপদা মৈতৈ পুযা মযাম মৈ থাখিবগা লোযননা উমংলাই লাইশং কযা মাঙহন তাকহনখি। লাইশিংবু মোংবহনবা উমংদা লৈবোন চনখি। সনামহী কোলু যৈখাযখি।[৪] মতমসিদগী লাইকোন্নুংশিংগী মতিক মযাই শিথবক্রে। তুংদা মীওইবগী মীশিংনা ঈশিং ঈচাওগুম্নক্তুনা মখোযগী অবাৎ অপা, অনিংবা কযা থুংনবা হোৎনবকপা, চাওখৎপা থৌবাং পাকথোক চাওথোবকপা মবম কযাদা প্রকৃতি বানা খাঙলে। লৈকায খুঙ্গংদা মীযাম পুনফম কৈথেল, সহব পাকথোক চাওথোবকপা, উমংগী পোৎথোক বা হেন্না লৌথোক্লবকপগা লোযননা শন, ইবোই, যুমশাশিংগী শজিক চাফম ওইনবকপা, মবম কযানা লাইকোনুং মাঙশিল্লকপগী মক ওইবা মবমশিংনি।

লাইকোনুংগী কান্নবা

প্রকৃতিগী ওম্পাক্তা লাইকোনুং লৈবগী কান্নবা কবিনো ? ওল্লবা বাহংশিগী পাউখুম হাযঙমদনা পাক চাওই। ডপালগী উশাগুম মবো মবোংনা মনা পুঙই। শুপল্লিগা, শকনাইবা ঈচেল অনিগী ঈতিন্নফমান লাইকোনুং।

কলা-সংস্কৃতি ঃ মীওইবনা বিগ্যানগী থৌবাংনা থাদা খোঙদাবে। শুন্দ্রংগী গ্রহ, উপগ্রহ, থবান্মিচাকশিং জয তৌনবা থৌবাং কযা লেবে। পৃথিবীবু অপীকপা কা অমদা পুশিন্দুনা মীৎনা কুপ্পদা মাঙহন তাকহনবসু ঙম্লগনি। মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহন্নবগী থৌবাংসু নোংম নোংমগী মযেক লাবক্লি। বিগ্যান চাওখৎলকপগী মতিক পোকপদগী লোযনবক্র না কলা সংস্কৃতিসু মযেক শেংহ। লৈবাক অমগা অতোপ্পা লৈবাক অমগা হেন্না নকশিন্নবা, শকখঙনবদা কলা সংস্কৃতিগী থৌদাং মপান নাইদে। খোঙফম চেৎপা কলা সংস্কৃতি যাওদনা চাওখৎপগী অর্থ মযেক লাদে। তুং বাইনা

(৪) খৃ ১৭২৬ হযা খাদ মৈতৈ লৈবাক্কী দমংলাত মথে খোম্নগৎতুনা মোংবাতনবা উম হযবাদ মহাবলী উম শী হেবো, শিদবগী মখোংদা লাযনা পুর্মজিংগখ। (**অবিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস** খন্দাদ)।

তুঙঙমদে। অতিযা মকোইগী চুমথাংগুম মখোঙ পান্দে। কুইনা লেপঙমদে। নোংজু থাদা হিবা মতুম-মতুমগী নোংলিক্লা মালংদা থবাক থবাক যাল্লিঙৈ, লুতুংদগী নুমিৎনা চুমথাং মচু তবেৎ তবং-তবং পুথোকপগীদমক নাপল তৌজবগসু খুদক্তা অমুবা লৈচীল মপৈনা মহাক্কী মাযথোং খনখিবদা চুমথাং মচুনা খঙহৌদনা মমি শামখিবগুম খোঙফম চেৎতবা কলা সংস্কৃতিদা লৈবাক অমগী চাওখৎপগী খুদম মাঙখিনি। যাম্না চেকশিন্না ইশাগী নাৎ ঙাকশেনবা, মবেক-মহাও থোকহনবা হাযবসিনা চাওখৎপগী খোঙনেৎ-খোঙদাফমনি।

বিগ্যানগী মীৎয়েং : লাই হবাওবা, লাই হবাওবুং, লাইকোনুংদি খুনাইসিগী অবিবা কলা-সংস্কৃতিগী পুক্কেনি। সনা, লুপা, হি-যাই পুন্না লোকফম হিদেননি। অসিগুম্বা মপাল নাইদ্রবা কলা সংস্কৃতিগী লবুকসিদা বিগ্যানগী ব্রাহ্মোক কযা মকম থুপলি। উনাবক্কী তম্নাগুম মচু-মচুগী লৈনানা যোমশিল্লিবা লৈবুক সিযোমগুম মপানথোংগী জগোয-ঈশৈগী ফিবান্নুংদা প্রকৃতিগী নিতি-নিযম, তাইবংপানবদা পা পীগী মকওইবা, মীওইবা সভ্যতাগী লিকলম কযা কযা ফুমলি।

উমংলাই হবাওবুং, লাইকোনুংদা মহৌশা লাইবেন্বীগী অবোনবা, অফোঙবা শক্তম কযাগী তুংনফমনি। মফমসি বৈগ্যানিকশিংগী লৌশিংগী পুকৈনি। মখল-মথেল মচাক ব্রাৎতা-পাদনা লৈবা মহৌশাগী অচৌবা চাংযেংশংনি। চহী বিলিযন ৩ ৪ গী লংদাইদা থরাইনা অহানবা থুমহী চেনবা ঈশিংদা পোকখি হায। লাই-হবাওবগী লাই ঈকৌবদা (লাই লৌখৎপা) ঈশিংদগী লাই লৌখৎলি। থরাই কৌখৎলি। ঈশিংনা থরাইগী অহানবা হৌফমনি তাক্লি। মালেম্না অহানবদা তবংদা লৈবম্বদগী অহোংবা কযা ওইবক্তুনা থরাই লৈবকখিবগী শাংলবা ব্রাবী শীংবুনবু মাইবীগী জগোয মওং মওং, লাইশোন-তিনশোন্না চিৎথদনা লী। মৈবুলগী মশক ওইবম্না পৃথিবীনা অসুম অসুম ইংথবক্তুনা লৈপাক ওইবকপা, অইং অশা খাযবকপা, নোং চুবকপা, পোৎযান পোৎতিনশিং লৈবক্তুনা ঈশিং ঈমাযদা তাওখৎলকপা, থরাইপানবা ওইবকপা, পূম্নমক মখল-মখা জগোযনা মযেক শেংনা ফোঙদোকই। লৈশেম জগোয (অহানবা মালেম শেম্বা), লৈপেক জগোয (লৈপাক শেম্বা), লৈনেৎ জগোয (লৈপাক লৈতেম মান্নহনবা),

লৈতায-নোংদাই জগোয (কোবৌ মালেমবু পা পী ওইনা শক্তাকপা), কোঙ্গোল জগোয (ঈশিংদা থৱাই মচা-মচা পোক্লকপা), নাপ্পা কংজাও জগোয (অচৌবা থৱাই ওইবকপা), মখল মখা কয়াগী জগোযনি। মতুংদা পাম্বী, তিন-কাং, ঙা, শা-উচেক, মীওইবা মথং-মথং লৈবক্তুনা অশং-অমান্না থল্লবা প্রকৃতিগী শক্তম ওইবকপা কযা লাই হবাওবগী জগোয, থৌবমশিংনা ফোঙদোকই। মীওইবনা লৈকুৎ-লৈবাইদা লৈবিঙে, মৈবা চীংদুনা মৈ শিজিন্নবা হৌবকপা; খুৎ শা হৈবা মখল-মখা তেকনোলোজী চাওখৎলকপগী থোঙথাং পবিংদা কপত্রেং, হুইত্রি, তবেং পুথোক্তুনা লং নাইবা, শেৎনা ইন্নবা ফি শাবা[৫], খুদেং শাবা, হি শাবা; লৌউ-শিংউবগী থৌবাং পবিংদা পামলৌ উবা; নুমিৎ-থা, থৱানমিচাক্কী খোঙচৎ, অইং-অশা, ঋতু হোংদোক হোংজিনগী মওং উৎতুনা ফিবুল হাবী, মুক্লা কাঙজে, শান্নবগী মওং পূম্নমক বিগ্যানিক ওই।

পাম্থোইবী হাযববু কনানো ? মহাক্তি প্রকৃতিনি। মপা-মমা শকনাইদে। মালেমগী লেংলি পাম্লিবশিংগী অপোকপীনি, মচাশিং যাইফনবগীদমক মীৎকুপ-নাহুম কাংদনা যেংশিল্লি হাযবনচিংবা কযাবু মালেমগী মশক ওইবা লাইবুংদা কোযনা লৈনা চৎতুনা জগোয খুৎথেক্লা উৎথোকই। পাম্থোইবীনা প্রকৃতি লাইবেম্বী ওইনা উপাল ৱাপাল শেমগৎলকপদা ঃ

লোইবী নাপোম অমদা
পান্নাও শীংনাও থাবে
ফদিগোম পাখোন থাবে

(৫) লাশংদগী ফি শানবগীদমক [illegible] পাম হাউবা, অক বা নাপা শাংনা খোমজিনবা, মেবা চাংবা, মৈ থাবা, পাম থানবা লাশং মক হুনবা, লৈ শাৎপা, লাশিং তেকপা, পোন (পোলাং) শাবগী লাশ [illegible] চনব, ধুমদা [illegible], [illegible] কপা, কপ[illegible] লাশং [illegible], [illegible] লাশং, বাপ্পা, [illegible], [illegible] [illegible]), [illegible] শৎপা, [illegible] শেম্ব, [illegible], থাবা, [illegible] যাম্লোকপা, শুক পৌ নম্বা, লং লোকপা, লংচাক চাবপা, ফিতৌবা, যেৎপু, নাকযেংচৈ, [illegible], [illegible], [illegible], পাঙদেম, সনম কনাই পুনাশন্দনা যি শাবা, হকা যেনবা, যি কবপা, ৱাং খুদেংদা ফি হাপচিল্লগা শুবা (ঈশৈ [illegible] বাং খুদোং মাযপাকপা, লাইজ থন্না হাপচিল্লো, চবৈ পোপ পোপু শুদোকসে), যি ফৌবা, যি লোক্লগা লাইদা বৎপান।

লোইবী চীংশাং খুদিংদা
উপী উবেল থাবে

লাই হরাওবগী রাখল্লোন পরিং, ১৯

লাইপৌ জগোযদা 'হকচাং শাবা' থৌবমনা মমাগী সিযোমনুংদা মিতল্লীবা থরাইনা মথং মথং চাওখৎলক্লনা হকচাং কযাৎশিং ওইবকপা উৎলি। মায, মীৎ, খোং, খুৎনচিংবা শাবা পুমলোই লোইবগা থরাই হাপ্পী। থা তবা নাওপুবগা অঙাং পোকই। মমানা মচা যোকপগী থৌবাং পুন্না মাইবীগী জগোয বাহেনা ফোঙদোকই। মাইবগী লাইশোন তীনশোন্দা ঃ

লুদগী তোং পোকই
তোংদগী উন পোকই
উনদগী তু পোকই।

(ঈদগী তোংশা, তোংশানা উন্সা, উন্সা মথক্তা তু হৌই)

প্রকৃতিগী খোঙচৎ, শা-উচেকশিংগী অবোন-অথুপ, মীওইবগী নুংগী অহকপা রাবোল কযা, হরাওবগী জগোয ঈশৈ, প্রমান পাম্বে, পাওবৌনা ফোঙদোকই। হাবাপা-নোংথাংলৈমগী পাওশা ঈশৈদা ঃ

হে ইপুং নাহাপা
যাইবৌতগী শঙাইনা মচী কেকক থোক্তবিএ।
ললহানপুংগী কাকফৈনা মনা হুমাই সাতবিএ।।
তোকফমদগী ঙমুনা খোইচু তোংলোং চিনতবিএ।
কোংপতগী ঙাখানা চেংলৈ কানক নক্তবিএ।।

লৈখক লৈখারোল, ২২

ঈশৈসিনা নুপা নুপী যুম্নানবগী চহী মতাং যৌদ্রি, হকচাং কযাৎ মপুঙ ফাদ্রি, মীওই শুদ্রি হাযবনচিংবা ফজবা প্রমান-পাম্বৈনা ফোঙদোক্লবা ওইবগসু শৈথাবদা যাওবিবা জীবশিং অসিগী পুন্সি তাঙ্কক, যাওলসু মযেক শেংনা

যাওই। শঙাই অমগী পুন্সিদা লাবা খুদিংমক চহী খুদিংগী মচী অনামক হেক-হেক কেল্লি। লৈথোক লোযববা লৈনা মশা মতোমতা কেনজবগুম। মতুংদা মচীনা অমুক হৌগৎলকপগা লোযননা তমোন-তমোনবা উন্সানা যোমশিল্লকই। মতমসিদা লাবা অমতা অমোমগা নকশিন্ননিংদে। মচীনা মপুঙ ফানা চাও-শাংলকপগা লোযননা উন্সাগী কুযোমসি মশা মতোমতা হুক্তোকখি। কেক্রু মকু খোক্তোক্লগা মনুংদা মক লৈহৌবগুম শঙাইগীসু শকগী মচী লৈহৌই। ফিভমসি যৌবকপদা শঙাই লাবনা অমোমগা নকশিন্ননিংবা, তিন্নানিংবগী ইথক ইবাং পোকলকই। যুম্বান্নে। কাকফৈ অমতা মনা পান্দে।[৮] চাবোকথাদা (কুমগী নোংজু হৌবকপদা) হকচাংগী মাংথংবা মচিনলোমদা চাবোক কযাৎ মখুল পাল্লিবা (ঙকশম থৌবী হাযবগে) মফমগী উন্সা মচেৎ অমা কোযবক কোযনা থা-থা লাওবকই। অসুম্না মকম থুনিংবগী কঙাওনববা ঙমুনা ঈশিং মনুংগী নাবক-শীংলক্তা মোংলদ্রি। ঙখানা মমৈ ঙাংলক্তুনা মপুঙ-মবৈ ফাদ্রি। মকম কোকপা যাদ্রি।

লাইকোন্নুং অমদা বিগ্যানগী অবোনবা শক্রোনশিংবু কনানা মশিং থিকদগে ? শক্রোন মযামসিবু হৈশিংবা খুৎ অমনা লেংশিনলবদি নিংথৌ তুবেলগুম হৌফম লোইফম খঙদনা শাংগনি। শক্রোন অমদা অশংবা পাম্বীশিংনা মীওইবা যাওনা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক্কী চিঞ্জাক, এনর্জি পিনবা থৌ চিল্লি। প্রকৃতিগী তম্পাক্তা থবাইপানবশিংগী মবক্তা মশা ইশা চানদুনা পুন্না হিংমিন্নবা চিঞ্জাক্কী লম্বী পবিং মশিং লাকঙমদনা লৈ। লম্বী খুদিংমক্কী হৌফম পাম্বীনি। অদুগা লোইফমনা হাকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা মীওইবনি। **হৈরাংখোইনিদ চানবা হৈনিদা ... ,** মশক নাইবা খুনুং ঈশৈসিগী মচাক ওইবিবা হৈবাংখোইবু খোইনিংনা চাই। অদুগা খোইনিংবু খুনুখবংনা। মীওইবগী চিঞ্জাক মক মবাং মাঙহল্লিবা উচিবু লিন্না মাঙহল্লি। লিনবু মকুনা ঐখোযনা ঙা পাম্মী। ঙাশিংনা ঈশিং মনুংগী কাং, মহীক মনাইশিং পাম্মী। লেংলি পাল্লিবশিংদা থবাইগী মতিক এনর্জিনা হাপ্পী। এনার্জগী অহানবা হৌফম্না নুমিৎনি। অশংবা পাম্বীশিং নৎতনা মীওইবা যাওনা শা-উচেক অমতনা নুমিৎতগী এনার্জি হাকথেংননা লৌকবা ঙমদে। পাম্বীশিংনা রানা, মতমচংনা খোমজীন তাশিনজবা নুমিৎতগী এনর্জিবু

---

(৮) থবাইপানবশিংগা মবক্তা খোমথবপা শাশিংদা মীৎনা চৎবা না পাল্লি।

চিঙ্গাক্কী লম্বী পবিং খুৎতুং ইন্না শা-উচেকশিংনা মথং-মথং ফংনদুনা অবোইবদা মীওইবগী ওই। প্রকৃতিগী শিঙ্খা অমদা হযিংখোই, কুবাক, খোইমুনা হৈ, লৈ, পাম্বী কযাগী উঁহৈ মক চঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। ক্বাক, খোইনিংনা হৈক্রেং, উঁবৈবোমগুম্বা পাম্বীশিংগী ধাবা নালা শন্দোকই। থৱাইপানবশিংনা শিবগা পৎথ পুমথববা হকচাংনা লৈপাক লৈহাও চেলহন্দুনা পাম্বীশিং হোম হোম চাওহল্লি। শক্লোন অমদা অশংবা পাম্বীশিংনা শকউদনা ওক্সিজেন শুংলি।[৭] মখোযসি প্রকৃতিগী থবোম্বীনি। মালেমগী অইং অশা চুপলি পাযবিবা মখোযনি। এসিদ নোংগী মকওইবা মচাক সলফর দাইওক্সাইদ লৌশিনবা[৮], উফুল বাইফুল ফাজিনবা, লৈপাক লৈহাও মাঙহন্দবা[৯], অযাকপা অহৌবা খোঞ্জেল লাকশিনবা[১০], পুম্নমক পাম্বীশিংননি। লাযনা তীন্না চংদবা, চাথোক লৈবা অফবা মখলগী মক-মবাং পাম্বী ধাবা পুথোকপদা মতেং ওইগদৌবা মখল মথাগী পাম্বীশিং লাইকোনুংদা মবাং কাযনা হৌই। চাবীনিঙাইনা হেল্লবা অদুগা চাথোক্লা বাৎলবা মতমসিদা বৈগ্যানিকশিংনা পাম্লিবা তশেং তশেংনা মতিক মগুন লৈববা জীনগী ৱাৎত-পাদবা পুকৈ-মফমনি লাইকোনুং। পাম্বী মখল-মখা মবাং কাযবিবা লাইকোনুংদি তশেংনা ঐখোযগী মীৎনা উবা লাইনি।

থৱাইগী তুঙনফম-লাইকোনুং ঃ লাইকোনুং অমদা মখল মথাগী পাম্বী, শা-উচেকশিংনা অফোঙবা শক্তম অদুগা থৱাইপানবশিংদা থৱাইগী মতিক হাপ্লিবা ঈশিং-নুংশিৎ, নুংশাগী শক্লোন কযানা অবোনবা

(৭) অশংবা পাম্বীনা অযুক নুংথিলদা নুংশিৎতগী কার্বোনদাইওক্সাইদ লৌশিল্লগা মদুগী মহুৎত ওক্সিজেন ওইনা থাদোকই। থৌওংসিবু ফোতোসিন্থেসিস হায়ই। বর্গ মিতর ৩০ ৪০ পাকচাওবা অশংগী অমানগী মযাম্বা নোংমদা মী অমনা শোব হেনবা কোয়াগদৌবা অক্সিজেন পী। অদুগা মীওই অমনা নোংমদা শোর থান্দোবকপদ যাওবকপা কার্বোনদাইওক্সাইদপু [illegible] সেলসিয়স ১০ [illegible]।

(৮) একর অমা পাকচাওবা চমংনা চহীদা নুংশিৎতগী সলফরদাইওক্সাইদ তন ০ ১৮ লৌশিল্লি।

(৯) লম একর ২ ৫ গী চমংনা চহীদা উফুল তন ৪ ০ বোম যাজাল্লি। উ বা হৌদবা লম হেক্তর অমদগী চহীদা ঈশিং অমসুং নুংশিংনা লৈপাক লৈহাও কিলো ১৫ বোম মাংহল্লি।

(১০) অহৌবা, অযাকপা খোঞ্জেলগী দেসিবেল ৬ ৮ / ১০০ [illegible] চমংনা হুন্থল্লি।

শক্তমনি। মহৌশা লাইকোনুং অমগী শক্তমদি নুংশা-মঙালফাও হবাও-হবাও চংবা ঙমদনা শুকলম্মী। মফমসি অতাঙবা, মতিক মগুন লৈববা থব্রাই কযাগীসু তুঙনফমনি। লমদমসিগী খোংনাং, উযুম, উযুং, হৈক্রেং, নোংলৈশং, উবৈবোম, উথুম, তুমিৎলা, তাইবেল, হৈবাংগোই, হৈবী, হৈনৌ, হৈনিং, হৈমাং, হৈককোকথোং, হৈক্রু, হৈতুপ, হৈযেল, পাংগোং, শাম্বাশিংগী হৌফমনি। অচৌ অচৌবা কাংখিল মবিনা কোযশন শন্দোক্তুনা কোযযেৎ যেৎতুনা পাম্বীশিংবু ইশম শম্নহল্লি। খোঙনেৎফম থাক-থাক হকপণ্ডম মতাঙ তাঙবোম নাইবা কাংখিল মবী তোংলগা থৌবী হাইবী শান্নবা অঙাংশিংগী নুঙাইজবীনি – নোম নোম শগাই তোং, .। **কাংথরো** শান্নবগী কাংখিল মক, **মরুমকোনবী** নৎত্রগা **মুরুংগোম্বী** শান্নবগী লৈপুঙ থাঙ্গা (মোকংগোম্বী মক) হেকফমনি। হৈবাংগোই, হৈজামপেৎ, কাংগ্রৌ, হৈনিং, হৈমাংশিংগী ব্রাৎত-পাদবা হৈকোলনি। কুন্দো, থাবল্লৈ, ব্রাবক কুন্দো, উথম্বাল, খোংগুমেলৈ, ক্বাকলৈ, চীংখ্রাওনচিংবগী লৈকোলনি। কাকযেল খুজিল, শংব্রৈ, ওকহীদাক, লাইউতোং, খোইজু-লৈখাম, যাইথম্নামানবী (যাইথমানবী), হনুবৈ (হনুখুলাম), কোকন, নোংমাখানচিংবা হিদাক মচলশিংগী পুকৈনি। খেকরাগী মশীং, তেবা লং, ফী শংনবা মখল মখা মচ্ থোকহনবা পাম্বীশিংসু ব্রাৎতে।

অপীকপা তীনশিংদগী মখল মখেল শা উচেকশিংগী লৈফমনি- লাইকোনুং। চুম, লিন, চোংঙা, তেনব্রা, খোইনিং, লমখুনু, উতুবী, হুংক্রোকলাওবী, ক্বাক, চবোই, উমাইবী, নোংগৌবী, ব্রাবা, ব্রাক্রেক, শেকপী, খৈবোই, লমহৌদোং, লমহুই, মোবাংশাথিবী, হুইখৌ, খুদম খবতনি। হৌবকফম লিখুন তিন্নদ্রবসু থবাই মখলশিংসি লাইকোনুংদা প্রকৃতিনা পিবকপা শিঙ্গা লিকলম পবিং কাযদনা পুন্না হিংমিন্নে। মনিং মখা তম্না লৈমিন্নে। মীওইবা কনা অমতনা মখোযবু ফানদে। হাৎনদে। লাইকেনুংদগী উ বা যালহৈদে, শা উচেক হাৎহৈদে হাযনবা চৎনবীবু মীপুম খুদিংমক্কা ঙাকনৈ। মসিনা হাযনকবা লৈতনা, থিংনুবা যাওদনা থব্রাইশিং আসিবু ঙাকপী শেনবী। লাই হবাওবিঙৈদা কনাগুম্বগী দষা লাংফম, অবা অনা কোক্লবা হাযদুনা ঙানু/খুনু/যেন লাইদা কৎনৈ। থাদোকনৈ। জীবশিং অসিনা লাইকোনুংদা হেক চংখিবগা কনা অমতনা মিতানকদে। হন্না যেংনকদে।

উমংদা মখোযনা মকম-মচা কোক্তুনা, অকি-অখঙ লৈতনা নুংঙাইনা লৈ। মহৌশাগী লাইকোনুং অমগী শক্তমদি থাযনগী মুনি-ঋষিগী তপোবনগুম্বনি। মতমসিগী ব্লাইন্ড লাইফ সেঙ্কচুযাবী, নেসনেল পার্ক, বোতানিকেল গার্দনশিংদা থৱাইশিংবু মীওইবা মীবক্তা মীওইবনা শেম্বা আইন্না ঙাকপী-শেনবী। অদুগা, মহৌশাগী লাইকোনুংদি লমলক্কী থৱাইবু মীওইবা মবক্তা মীওইবগী নুংশিবা, থাজবনা ঙাকপি শেনবী।

লাইকোনুং অমদা লৈমিন্নবিবা থৱাইপানবশিংগী মবক্তা তৎন-থানবা যাদবা প্রকৃতিগী লিপুন মশিঙ লাকঙমদনা লৈ। খুদম অমদা ক্বাক-হৈক্রেংগী পুন্সি ব্রাবীনি।

হৈক্রেং, ফুত ৫০ হেন্না বাংবা উজাওনি। যুমগী অকে অমৌ, লৈতেংগী পোৎ শেম-শানবগীদমক উসি অদুক হাক্না পামনদে। শুম চাগল্লি। শীং ওইবসু খাংদে। মৈতাল লাদে। অদুবু লমদমসিগী চৎন-লোনচৎ কযা অমগদি পাম্বীসি লোযনবকই। পাম্বীসিগী মকনা পোকলাওবী কাপনৈ। মনানা হিদাক ওইনা শিজিন্নে। থাযনদগী মীশি-মীনাদা ইঙ্খোলদগী হৈক্রেং যাল্লগা পোৎলোইনবম্মী। মসিনা ওইবমগদ্রা, পাম্বীসিনা তাইবেন্দগী হান্না মপান শাৎতুনা মহৈ যানবা কুমদু ফৎতে, মীশি মীনা কুঙই হাযনবিবা। মতমসিদা পাম্বীসিনা ঐখোযগী ইবক্তগী তাকশিল্লকপগা লোযননা ইপা-ইপুগী চৎনবীসু মাঙখ্রে।

লশিং মকমুক্তা চাওবা হৈক্রেং মহৈগী হোম হোম লাওবা মকু-কুযোম্না যোমশিল্লগা মনুংদা মক যাওই। ক্বাক, তেনৱা, খোইনিংশিংনা উহৈসি যাম্না পাম্মী। মহৌশা তম্পাক্তা পাম্বীসি মবাং কাযবিঙৈদা তেনৱা শংগু শংগু পাইবক্লম্মী। পুমনিন নিন্না চাক্তাবম্মী। হৌজিক তম্পাক্তা পাম্বীসি হীংগুমলে। লোযননা তেনবাসু পাইবকখিদ্রে। শকমান্নদবা থৱাই অনীসিগী মহৌশাগী চিঞ্জাক লম্বী পবিং তৎখ্রে। ক্বাক মাঙশিল্লক্রে। পাম্বীসগী মকগী কুযোম অমতা ক্বাকুম্বা উচেক্কী চাকখাওদা অশিন অযাক মহীনা তুমহন্দ্রিবমখৈ লৈপাক্তা মতোন চোংদুনা হৌবা ঙমদে। প্রকৃতিগী থৌবাং অসিগী পবিংদা খোংনাংবু চেকপলদা, ফুবা-দলান কাবক, মতোন্দা হৌহল্লি। অসিগুম্বা পাম্বীগী চাদা নাওদা তুংকোইনা নৈহৌনবা ক্বাকুম্বা উচেক লৈতবা যাদে। লাইকোনুং

লৈবক্তুবনা ক্বাক, হৈক্রেং মাঙশিল্লকপগী মবম অমা ওইবকপগুম অতৈ থবাই কযাগীসু তৎন থানবা যাদবা মবন চাম চামনি।


ওইথোকলোই খনবদা ওইথোকপা, থাজদবা মবক্তা অচুম্বা শক্রোন কযানা প্রকৃতিগী চৎনবোলনি। ক্বাক হৈক্রেং অনী অসুক চেকশিন্না মবি লৈনবমগনি কনানা খল্লুবগে? অদুঙৈ, কুচু মুবা ওথেল্লোগা শকহেনবী দিসদেমোনাগা থমোয থমোয শিন্নখি। শকহেনবী মহাক যাওদনা ওথেল্লোসু লৈঙমখিদে। হৈক্রেংগুম্বা পাম্বী মাঙশিল্লক্লবদা ক্বাকসু লৈঙমদ্রে। লোযননা উচেকসিগা শাগোন্নবকপা ঐখোযগী চৎন লোনচৎ কযাসু মশেম মবাংলক্রে।

চহী ১০০ হেন্না পুন্সিববা লাইকোনুংগী হৈক্রেং উজাওদা উক্রোং মখুল হোগল্লি। মফমসি শা উচেক খবগী নোবোক কোমগুম শুক্লা মস্তগসু শেকপী, মকুশিংগীদি পুমঙাল ঙাল্লি। লাইবৈবাকগুম্মী। মফমসিদা চোংঙা অমুবীশিংগী পামজবা লেফমনি। চাযোক নাওযোক ফবী লাইকোনুং মাগী উশা ফেবাথক্তা মখল মথা উচেকশিংনা কাযদোংলি। যাবেক্লি। মদুনী লমনদা ক্বাক্কুম্বা উচেকশিংনা উজাও উবেল কযাগী চাদা নাওদা শন্দোক্ল। কাংখুল মুৎতনবা থৌবাংলি। হৈক্রেং হৌবক্লবদগী ক্বাক মাঙশিল্লকপান, নৎত্রগা ক্বাক লৈবক্তুবদগী হৈক্রেং মুৎশিল্লকপনি হাযবগুম্না থৈদোক থৌজিন কযা তৌনবগসু হোবকফম লিখুন তোঙান তোঙান্নবিবা থবাই অনীসিগী মবক্তা তৎন থানবা যাদবা প্রকাতগী লিপুন অমাদ চেৎনা থম্বীবম্মী। মতেং ইতেং পিনদুনা, লৌনদুনা পুনা হিংমিন্নবা হাযবা প্রকৃতিগী নিতি নিযমসি লাইকোনুংশিংদা তবং তবং, তক তকই। ❑



রাইতর্স ক্লবকি ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১।	**চহি কয়াগী মমাঙদগী**(শৈবেং)	১৯৯৬,	চীংশুবা শামু
২।	**কোরৌহনবগী অমুবা মঙাল** (শৈবেং)	১৯৯৭,	খাইদেম তোম্বা
৩।	**সুরগী লৈবাক্তা নোংমা** (রাবীমচা)	১৯৯৭,	কুঞ্জো নিংঙোম্বা
৪।	**এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স** (শৈবেং কলা)	১৯৯৭,	বি, এস, বাজকুমাব
৫।	**নোং নঙসু চুরখো** (শৈবেং)	১৯৯৮,	ধজমনি খোইনাইজম
৬।	**হনুবীদি হিংহৌরি** (রাবীমচা)	১৯৯৮,	ইবোপিসক নোংথোম্ব
৭।	**অনৌবা মঙাল অমগীদমক** (রাবীমচা)	১৯৯৮,	সালাম শান্তিবালা
৮।	**সনামানবীগী মীংয়েং** (রাবীমচা)	১৯৯৮,	ডাঃ কেঐচ শামুঙৌ
৯।	**লৈহাউগী লৈনম** (রাবীমচা)	১৯৯৮,	শবৎচন্দ্র নোংথোম্বা
১০।	**লোয়ালমগী বসন্ত** (উপন্যাস)	১৯৯৮,	এন: মংলেম
১১।	**খুজংগী মঁশে** (শৈবেং)	১৯৯৯,	লাইমুজম বামেশচন্দ্র
১২।	**অরিবা মণিপুবী সাহিত্য নৈনবা (অহানবা শরুক)**	১৯৯৯,	অহোংশাংবম তেজমনি
১৩।	**নুপীদা রাজনীতিগী শক্তি হেনগৎহনবা** (রাবেং)	১৯৯৯,	তোইজম বিহাবী সিংহ
১৪।	**থাজগী অমম্বা নাকল** (শৈবেং)	২০০০,	সলাম তোম্বা
১৫।	**মৈতৈ লমজা** (উপন্যাস)	২০০২,	এন· মংলেম
১৬।	**চিত্রকার** (উপন্যাস)	২০০২,	সলাম তোম্বা
১৭।	**কুশ কহং পতংগা ঔর কথা এক গাও কি (অনুবাত)** (শৈবেং)	২০০৩,	মেঘচন্দ্র হৈবাংখোংজম
১৮।	**নোংহৌ (সোনেত সিকোল্দ)**	২০০৪,	সলাম তোম্বা
১৯।	**প্রকৃতিগী তম্পাক্তা** (রাবেং)	২০০৪,	ডাঃ খাঙেম্বম শামুঙৌ





ডা. থাঙেম্বম শামুঙো, ইম্ফাল পশ্চিমকী হৈগ্রুজমদা ১৯৪৩ গী নবেম্বর ১দা পোকই। মরুমদগী এল পি দা মাই তমলকপনা গোহাটি য়ুনিভরসিতিগী মেট্রিক-পোষ্ট গ্রেজুয়েট, বেনারস হিন্দু য়ুনিভরসিতি অদুগা মণিপুর য়ুনিভরসিতিদা রিসার্চ তৌরকই। নম্বোল লৈরেল গার্লস হাইয়ার সেকেন্দরী, জি.পী উমেন্স কলেজ, দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্স (পোষ্ট গ্রেজুয়েট) ওঝা ওইরক্লগ' ২০০১ দা থবক্তগী পোথাই।

অঙাং ওইরিঙৈদা লমহাং-তুমহাং, চীং-মান্দা কোইবা, লেমলক্কী থবাইশিংগা লোইনবা পামলকই। ১৯৭৫ দগী কৈবুল লমজাউ শঙাইগী মরমদা থিজিন্দুনা ডোক্তরেট ফংই। মতমসিদগী মণিপুরগী মরুওইবা পাউচে, থাগী চেফোঙ, অল ইন্দিয়া রেদিও, দূরদর্শনগী খুৎথাংদা লমলক্কী থবাইশিংবু ঙাকপা শেনবীনবা পাউজেল পন্দোক্লি। পরিং নাইবা পাউদমদা ঃ ***লমলক্কী শা-উচেক*** *(বিজ্ঞানগী পা),* ***শঙাইগী রাকৎ*** *(লুইযেল লানপাউ),* ***ঐখোয়গীসু খনবীয়ু*** *(মতমগী যাকাইরোল),* ***ঐখোয়গা লৈমিন হিংমিন্নরিবশিং*** *(সনাপাঙ),* ***ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু-শঙাই*** *(এ.আই.আর.ইম্ফাল),* ***ঐখোযসু নাখোয় নরক্তা হিংজগে-উচেকশিং*** *(এ. আই.আর. ইম্ফাল),* ***প্রকৃতিগী তম্পাক্তা*** *(পাক্লফম),* ***লোক্তাক ঐদি রারেদা*** *(এ.আই.আর. ইম্ফাল) অসিনচিংবা।*

ডা. শামুঙোগী (শঙাই পব্লিকেসন) ফোঙলবা লাইরিক ঃ ***শঙাই*** *(১৯৯৩),* ***কৈবুল লমজাউগী রারী*** *(১৯৯৪),* ***মণিপুরগী তাঙলবা শা-উচেক*** *(১৯৯৫),* ***শঙাইনা ঐখোয়বু ঙাইহৌরি*** *(১৯৯৬),* ***ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু*** *(১৯৯৭),* ***সনামানবীগী মীৎয়েং*** *(১৯৯৮),* ***Wildlife in Manipur*** *(2000),* ***Manipur Brow-antlered Deer*** *(2004),* ***প্রকৃতিগী তম্পাক্তা*** *(২০০৪)। ফোঙলগদৌবা লাইরিক ঃ* ***লানবন মলুংগী হৈশ*** *(শঙাইগী পুন্সি বারী-শৈরেং)।*

ডা. শামুঙো মণিপুর অমসুং মপানগী সংস্থা ... পুক্তা লমলক্কী থবাইশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক লোইনরি।